বিনোগী পিরাং





মহিজীৎ

বিনোগী পিরাং

উপন্যাস



এম মহিজীৎ সিংহ

কোংজবা :—
লাইশ্রম ভূপেন্দ্রকুমার
শিংজমৈ বজার



মমল :—
লুপা ৬·৫০
কোপী মশিং ৫০০
অহানবা থুংবম

নমফম :—
কংলৈমা প্রেস
কৈশাম্পাৎ ইম্ফাল

শ্রীমহিজীৎকী উপন্যাস পরুবদা

শ্রীমহিজীৎকী "বিনোগী পিরাং" থারে ; মসি হৌজিক মতমগী চৎনরবা মণিপুরী উপন্যাস অমনি । মহিজীৎ য়াম্না নহা ওইরিবা তুংগী অমা লৈরিবা মণিপুরী উপন্যাসকার অমনি । মহাক্কী অহানবা থৌদোক "বিনোগী পিরাং" উপন্যাস অসিদা লেখকী সাহিত্যকার অমা ওইরক্কনি হায়বগী থৌণলিং অঙুগী মমি তারি । য়াহৈ য়াতা ফজে, প্রমান থাইনা মতাং চানা চানা শিংজিনৈ । অচম্বা মনিপুরী লোন্দা, লেখকী বাখল্ থারিং নিংথিরা "কোংদো-কপা উম্মি । উপন্যাস অসিদা মণিপুরী সমাজগী য়ুম্বাল কৈবাদু, লোনচৎ শারুৎ, নহা ওইবশিংগী য়াখল পরিং মরেক শেংবা উৎনবা হোৎনবদা লেখকী হৈ-শিংবা উৎলি । লাইরিক অসি শোইদনমক মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কেদা অনৌবা থৌদোক অমা ওইরগনি । হায়রবদা চিংনমিতাই লৈতে । শ্রী মহিজীৎ হৌগৎ-লকলিবা মণিপুরী অহৈবশিংগী মরক্তা উপন্যাসকার অমা ওইনা মহাক্কী মফম অমা লৈরগনি থাজি ।

শ্রীতখেল্লম্বম ইবোহল সিংহ
ইম্ফাল কলেজ;
ইম্ফাল ।

তাং ২১ । ৫ । ৮২ ইং

বিনোগী পিরাং

(১)

শিংজমৈ গার্লস হাইয়র সেকেন্দরি হৌগৎলক্লিবা স্কুলী-মচাশিংগী মখৈ তঙ্খম শঙ অমনি। শিংজমৈ কেন্দ্রগী দমক্তা ওইবা লৈরিবা স্কুলশিংগী মরক্তা স্কুল অসিগী তোপ তোপ্পা মওং অমা মকোশাবা লৈরে। স্কুল অসি শিংজমৈ বাজারগী থা ওইরম্বা লৈ, স্কুলগী মমাংদা ভর্মা ড়োড লিশাং শিংনা লৈখ্রে। চহি থরগী মমাংদা থংনা অবাংমক্তদা পোলিস ষ্টেসন ওইরম্মী। হৌজিক হৌজিকমক্তি হবাগাড়ী পার্কিং অমা ওইনা থংনরি। লাপ্পক্তা উবদা স্কুল অসি পাকি অফিসকা অমত্তা ওইনা পুনশিনগ্রবোই লিংই। অস্রম অস্রম নকশিনলকপগা লোইননা স্কুলগী মথক মচু থোক্লকপা উগনি। মতম অহুদা থরগনি স্কুল অমা লোত্তুনা লৈরিবোরে মনুং চংবা থোক্লবদি করি ওইগনি, মেট কানরথি নবা মতমদা পুক্লিংদা থুক লাওনা স্কুলসিবু মুংশিনবা পোকনি। চিরবা বাজারগী মচি অমদা চাওরবা স্কুল অমা লোত্তুনা লৈরম্লবদা। হৈরাওবনা থুমহত্তুনা কয়োহৈদবা মীওই অংতৌ। পুং ৯.৩০ য়োম তারকপা মতম অসিবাইদা ছাত্রিশিংনা ইউনিফর্ম অমত্তা ওইনা মরি মরি লাক্তুনা স্কুলসিবু মথক তাক্লগনি। মড়ক্তা

চিদাইদা চৎলিবা ছাত্র ছাত্রিশিং বাজারগী মীয়ামলক্কগী স্কুল অাসিগী ছাত্রি খন্দোকপদা থোইনা পংলু লুবা থোক্লোই। মাকন্দা লাইব্রিক খাও য়াদূবা চৎলিবা ছাত্রিশিংলক্তা শমিতা থোইদোক্লা চিংলেমজাবিমি। শমিতা অচাংগী মতম ওইহুনস্ত মেংবদা মপুং মরৈ কানা উরে, খঙবা ফবানা মিৎকম হোংবিংত্রবা ইনথৎ লকপমি। মথোং কাং পগী মতম ওইহনা যৌবনগী ইপক ইপে ম লাকপদা শমিতাগী হকচাংগী কয়াৎ থুদিংনা হেন্না মকা লাম্রি। কত ই তপই অচৎ অওক অউবা অহল লমনশিংনা শোয়হৌই। "মুপীমচা অসিবু করম্বা মমা মপাগী মচা ওইরগনা ইচা ইমৌ ওইজরবদি। অশুক ফজবা মুপীমচাদি পোকপদগী উথিত্রি মমাইনা কয়া জুংশিন্নি" হায়জুমদনা নহাদগী অহল কাওবনা হয়া অমুক্তং যেংলম্‌দনা চৎথবা মীওই য়াওথিত্রে। মুমিৎ থুদিংগী স্কুল অকা অকুমদা বিনো শমিতা থোডবুনি। মমামবিশিংলক্তগী লুনা চাম্না তিন্নৈজে। শমিতানা বিনোতবু খল্লি বিনোমগ্ন শমিতাগীদমক্তা খল্লি। কারিগুম্বা থবক অমা চৎপা তারকপদা অমনা মত্রগা অমনা হৌনদনা চৎপা থক য়াওথিদে। মমামবিশিংলক্তগী কনাগুম্বা মমাম্নবিনা চিনথোক্লা কাও হায়-রকপা য়াওথি। শমিতাদি বিনো য়াওত্রবদি চুম্না লেপচবা কাও-বদা ওমজত্রবমি। শমিতাবু তিম্ননিংদবা মমামবিশিংলক্তা কনাসু য়াওথিদে। পরিক্ষা হায়দোকথিবা মতুং কনা কুইরে বিনো শমিতা ঊম্নথিদবা। নোংমা শমিতা বিনোগী মুমদা লাকখি। বিনোথোরগী মুম তক্ত তরুই কা হেন্না লিংবা ইমুং মত্রগসু

মতমগী য়ক লাওবা ফুমদৈনি। য়ুমগী অকোইবদা লৈ-তনিং-থিবা হোই, মীয়াক পোংলাক্নীদমক্তা তোঙানবা য়াইটভিং রুম নাইরম্মী। কোতো অরেকপা লাই মকম চাবা চানা থেংলি। মতৌ-খাঙ্গুম্না শর্মিতা ইকোই কোইদনা থুরপ চংলকই, কনাগুম্বা মীওই অমা কন্নি হায়বা উখিজে। খাংজিনলুরবা খোঙথাং হন্দোকপা তোদে খাংজিনবস্থ তোদে। ডাইহাক লেপ্লুরবগী মতুংদা য়াম্না ইকায় খিবি অমগুম্না "বিনো লৈবিরিঞ্রা" হায়র-রপা শর্মিতা হান্নগুম্না তুমিন লেপ্তুনা লৈথোকখ্রে। মিংকুপ থরসিদা মংলাক্লকরবগুম মীওই অহুনা মাই তপ্না লৈথোরক্লে। মনাক্তা নুপীগী মুতি অমা লেপ্প্রখা উবমক্তদা হন্না হন্না কৌখ্রে "ইবে, ইবে" মিনিতমুক লৈববা মতুংদা মীয়াই চৎলবি নুপী অমা থোরক্লুনা শর্মিতাবু তরাম তন্নাম্না ওক্লরে।

শর্মিতা লাক্লিত্রা কম্ম, কম্ম।

উম, ইবে বিনোবু লৈত্রা?

হায়রিবৈঙে তথ্বা অসিমক্তদা বিনো থোরক্লুনা "ইবেম্মা মহাক ওইরে" হেক হায়রবে। কুইনা উম্নরুত্রবা মমাম্নবি অমনা লাক-থোক্লুনা লাকপদা বিনো হরাওবগী মীনোক অমতং নোক্লম্মী। বাস্থ লানস্থ চাংদনা তুমিন তুম্পক তাশিন্দুনা কন্নিবা শরত উবদা লক্লবগে হায়না বিনোনা চপ চানা থনখ্রে। বিনো বোকপা হজিন্দুনা তা শরত নহাক শর্মিতাগা লাকমিন্নত্রা? বিনোগী বাহৈদা মুংগী মুতিগুম লৈরম্বা শর্মিতা হন্নক্তি মোমোন নোকখ্রে! শর্মিতাগী অর্থ লৈয়বা মিংয়েং অমনা বিনোদা অমুক্তং য়েংই।

বিনোদা না মধা তাবা নংগ্রিদৈ "ইবেম্মা নচিন মৌপবা নখোয়
য়াধী শাবৌথো" হায়রমলগা ভুপীত্থু ইমুং তম্মা চংখ্রে। কনাস্ন
বা মধা অমুক তাক্রবদা কা মমুং অচিকপনা য়োংশিনবা
হৌরকখি। অচিকপবু থূগায়দুনা বিনোদা ইবেম্মা নহাকপু লিঙ্ক
কুংলবরা? ঐদি কংজিনা মোংমতা স্কুল চত্তুনা। অদো নহাক্তি
মোংমতা ল্যাক্কে, ঝাম্মা চিনথ্রমাগ্লে?" চিনবগী য়াদি কন্নি অমুক
হায়রুগনি হায়দুনা শমিতা নোকঙ্খী। শমিতানা মধা হায়থবা
নংগ্রিদৈ বিনোদা য়াদৈ মরক থংখ্রে। বিনো চিন্দুনা লাক্রিবনি
হায়গে নত্রা? চা শেম্মুখিগে কুইরোই হায়রমলগা বিনো
ইমুংলোমদা চেনবোই লাকপোই চংখি; শমিতা মিংচিনা কল্লপ
শরত য়েংই, শরতনা য়েংথোরকপা তঙ্গ থোক্কুনা লৈথোকখি।
শমিতাগী পুন্সিদা শরত ইহান হানবা উবমক্তি নত্তে। শামি-
তানা নিংশিংলকখি মতম কুইনগী মমাংদা উথ্রবা শরতকী শক্তম
কৃষ্ণ জন্মগী মীযামলক্তা লাই থুরম্বা লাকপনা গোবিন্দগী
মাঙোপ, মন্দির মমুং কাওবা মীতনা পুমচো ঙৌখি। শমথোক্ত
দগী হৌনা মীনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ ইদৈ। মীরক থাম থামদুনা চংল-
কপবা শমিতা উ'চন মাচিমা মন্দির য়ৌখ্রে। মী অমগী মথংদা
মী অমা ডাইনদুনা লাই থুকদৈ। শমিতাগী শান্নি য়ৌরক্রবদা
মমাইবেম্মনা লাইকৎনবা পৈশা মরেক চৎপি অমা পুথোক্কুনা পী।
শমিতা থু লৈতানা থুকমদুনা পৈশা মরেক্ত লংখিনখি। পৈশা
কংকম কম্বীদাদ তাত্রদুনা শ্রী শ্রীগোবিন্দজীগী পুরা থম্বাল তম্মা
থরো থরো ওনশিনখ্রে। চৎনবগীদমক্তা শমিতা মাই লৈথোকখি,

মহা ওইরিবা পাখং অমমা মিং কুপ্তুনা শমিতাদা য়েংহুনা লৈরম্মী। শমিতা ইকায়বনা তোকস খংলমদে, মাই লু থহুনা খোঙ থাংদোরকখি। মমাইবেম্মনা মাং থারহুনা শমিতা মন্দিরদগী খোরকখি। কৌব্রবা জম্পু'গী মীওইহুমক শরতনি হায়বদি কনানস্থ খংনখিত্রবনি অহুম ওইনমক শামতাদি হয়া হয়া চিংনবা পোকচখি। বিবো চা লোনখা লোইখ্রে, মচু তামা লেম্লবা চা গিলাস অনি লৈরেং য়েকপা ত্রে অমদা হাপ্লহুনা পুখোরকই। শমিতাগী মমাংমক্তদা বিখোনা চা থম্লরে। শমিতা চা গিলাস অমা লৌহুনা থকপা হৌবম্মী। শরত চা লৌদি লৌই অহুবু থক্কে। বিনো লেপ্তুনা তা শরত চা থকপিদ্রবাদ কৈদৌরে? শরত খোকুনা অথুম্বসে ঐদি শি জয়রপুমসিবা থম্মে। নহান মখেদি থকপিবদাই? "ঐদি অথুম্বসে" বা মথা তাদে। শরত চা গিলাসতা অমুক্ত য়েংহুনা চা থকপা হৌখি। অথুম্বা পামদে খংজরম্রবাদ চিনি হাপচরমোইদবনি। তাল্লকশিদা শমিতানা হায়রকখি বিনো স্কুল কাওনতা চংলুসি লিহুম্ম শিনবা ওইনা। বিনোম্ম শমিতাগী রাদা যানিংবা ভংলক্লে "শিল্লুসি কৈদোগে" হায়হুনা শরতকা অওক অখোং তৌরম্বদগী লৈখোরক্লে। শরত চা গিলাস ভম্খায়মুক্ত থক্রগ থম্লম্মী। শরত কৌগত্তুনা নখোয় স্কুল চংলদবনিনা ঐস্থ চংলগে? ইংখেদা ভম্ম ঐ নোংমা লাক্লগে ভসিগী ওইনদি ঐ নুমিদাং লাক্লম লাক্লরোই। বিনো উম থুমহুনা ওক ইনহৌই। শরত খোকখ্রে, লেপ্তুনা চংখিবনা মিংয়েং লানখ্রে। শমিতা য়ায় লাংভক্লবা খোঙ্গেল অমদা বিনোদা

য়েংহনা হংলকখি। মহাকপু কনানো নখোয়গা কঁরি খোক্নবগে? ঐখোয়গী ইন্দোমচাগী মচানি বিনোনা মরি মরি মথা তাই, তা, শরতসি যাম্না চম্মী। অতুগনে য়াম্না কৈ ঐদি মহাক্কী ইচম চম্বা মওংসিদা মুংশি। নখোয়গী ইন্দোমচাগী মচানি হায়বা শর্মিতা খলহৌদনা শোনবগু' তৌরকখি। বিনো অর্থ লৈনা নোক্নুনা অশেংববুদি নত্তবা অত্তবু'রা ঐনা খংলকপদদিনে মহাকসে ঐখোয় সুমদা লৈরম্মী। ইন্দোমচানা মাম্মা লৈখিত্রবা মতু দা য়ুমগী নিপা অমত্তা লৈত্রে, হ মতুন' লৌরবনি। ঐখোয় ইমানা য়াম্না লুনা তৌই। মাগী হায়ববু চুমত্তাং চাংমিংবত্তা ঢং'বা আসিংক্তদি ইমানা শাটখ্রে। বিনো কপ্তুবা ত্তাংই, বিনোগী ব্রাদা শর্মিতানা শরতকী মরমদা চিংনদবা ওল্লমদে। শর্মিতা বাথম্না লাম্ব' ফংলকখি, শরত শুকশোই শোহনদনা মমা মপা মশক খংহৌত্রবা মচা অমদি ওইক্ষম থোকই। শর্মিতাগী থম্মোই মীনুংশিনা পিক থনখ্রে, বিনো খংহন্দনা শরতকীদমক থমোইদা কপচখি। শর্মিতা অমুক হন্না শরতকী মরমদা হংবা পাম্রমদে। থেৎলিবা শিমডিবর্চিংবা ফক্লাংগী লাইদা হোংনা হোংনা য়েংহনা থমোই ফাজিনখি। অম্মুম্না হায়নবা অমা লৈ নুপীজা ওইবিবিশিংগী থমোইগী মরমদা। অন্নাবা বাগ্নী তাব্রগা কপচবা মীগী অন্নাবা মতো উরগা হেন্না ন্নাবিবা। অসিগুম্বসি শর্মিতাগী থমোইদদি ইবৌ নৌবা নত্তে হায়বদা চুমহনা লৈরগদবা বাফম্নি। মিনিট খরগী মতুংদা শর্মিতাগী থমোইগী অন্নাবা পুম্নমক মাংখ্রে, ইত্তোপ তোপ্পা ন্নাফম অমদা পুক্নিং থিং-

ক্লিনবা তৌরকখি। শর্মিতা মিং বিনোদা থমহনা ঐখোয়গী স্কুলগী পিক্রিক চৎপগী বাকয়হুদি করদৌরে ? করি মুমিত্তা চৎপা লেপ্পরে মতুগী মরম খংনিংহনবা মক ওইনা খল্লবা য়াবা বাক্ফম্ম। ঐনা হমা'সদা য়াম্না কুইনা তক্লরবগী মতুংদা চৎপদা লেপ্লে, ঐ চৎলু চৎনিংহৈ। শর্মিতাগী খুদক্তা ওন্দুনা ঙাংবা হ্না তারগা বিনো ঙকচাগ্ররম্মী। অদুম ওইনমক ইথিল থন্দবা শারহনবা শর্মিতাগী পাওথুম পীরকখি। মহুগী বাকম ঐহাক থল্লুড্রি "থংস্রু থংদে"। অদুনা ঐখোয় কানি পুন্নিহৈ স্কুল অমুক্তং চৎলুবনা হৈ। কৌক্লিক্লি পিক্রিক্কী মরম খংদোক্লনবা স্কুল চৎপদা বিনো শর্মিতা য়া লেপ্লরে। অমুক থখা তানা বা হায়রম্বা তৌদনা বিনো মও ক্কী কানা খুংলৈ থুরপ চংখ্রে। শর্মিতা মথন্তমক কাদা লৈহৌরে অদুবু কুইবা মতমদা ওইখিদে। বিনো অমুক ভম্না পোরক্লুনা শর্মিতাদা চৎনবা বাকয় হায়রম্মী। শর্মিতা কমরদগী হৌগস্তুনা বিনোগা লোইননা স্কুল মাইকে পাংখ্রে। করা শাংনা চৎলবা ফাওবদা করানস্ত মখোয় আননা চৎলিবা কদায়দনো হায়বা খংনখিদে। অদুবু খংবঙুম্না লম্বী চৎপশিংদগী মখোয় অনিদা খ'লকপা য়াওই, করিগুম্বদা কৌনিংবগী মওং উৎলকখি। অরাকপা রিক্সা অমা কাহনা স্কুল তান্না চুমক্লিং চৎলম্মী। বাক য়েত্তা লম্বী চৎপশিং সাইকল, রিক্সা, হরাগাড়ীনচিংবা বাজারগী মীয়ামদা মখোয় অনিগী মিং চোইথোক্লমদে। রিক্সা ড্রাইভর অদুম্ন য়াম্না অহল ওইরবা মবুক মপাও কবা মীওইনা তৌই। রিক্সা থৌনা থৌনা ড্রাইভরহনা মখোয় অনিদা হংলম্মী।

ইবেম্মখোয় কদাই যৌবিগদৌরিবনো ?

স্কুল কাওবতনি।

করম্বা স্কুল ওইবিরবনো ?

তু আদা, মাংদা উরব্রা স্কুল অসিনি।

পাওথুম খুদিংমক বিনোনা পী শমিতাদি রা ঙাংগন্দবগী হৌনশা ঙাংনবদা য়াওথিদে। শমিতাগী হায়বব্ তঙাই ফদনা ঙাংথোক্পা রাদি কক্লিংঙাই মচাক ওইদে। স্কুল গেট ময়া মক্লা রিক্লো থামলে, বিনোনা লুপা চৎপি নোট অমা পুথোক্নুনা বিক্লো ত্রাইভরদা পীরকখি। "রারৌবিবা য়াদে পংরা রাবিরে" অসিনচিংবা থাগৎ রাইহ থরা হায়রম্লগা মথোয় অনি স্কুল কম্পাওন মনুং চামিন্নখি। সেক্সন হৌনদ্রিবা মতম ওইবনা স্কুল সেক্রেটরীনাচিংবা নত্তনা ছাত্রশিং থোইনা লৈবা ঙম্মা থোক্লমদে। হৌখিবা চহীগী জেনেরেল সেক্রেটরী বিমোলানা শমিতা উবদা তরাম তরাম কৌরক্লম্মী। কৌরকপা অত্থুবু তরাম্না ওকপগা লোইনমা শামতানা থংলে পিক্লক অসি বিমোলানা মক্ত ওইনা শিন-লাংগনি। লাকদৌরিবা নোংমাইজিং মুমিং মার্চকী তারিখ ৫ নুমিৎ অসিদা চৎপদা লেপ্লরে। অত্থুবু ছাত্রি থরা অমনদি চকপিকারোংদা চৎপা পাম্লি অয়াম্বা ছাত্রশিংনদি মোইরাংদা চৎপা পাম্মী। য়ানবা অমা পুরক্নুনা মোইরাংদা চৎপদা লেপ্লরে। ত্রাংথোম্বগী স্কুলগী ওজাশিংনা পিক্লিক অসি চৎপদা য়াওগনি হায়বনচিংবা বিমোলানা হায়ত্নুনা তারে। বিনো বিমোলাগা শকথংনরে কুইনগীমদক চাররবা মরূপ ওইরে। শমিতানা চিংলেম্মা

বাইহ অসিমক হায়রকথি হোমদ স্কল সেক্রেটরিগা ওইবা হায়-বসিস্ত মুংঙাইজখিনি। ময়ামগী শকথংনকমস্ত ওইব, ঐদি য়াম্না পামজবো। শমিতাগী য়াদা বিনোনা পাংশিনলকখি অদুনবু ওইগে হ য়দুনা ওইবা হেক য়াত্রদো, চায়রম্লগা বিনো থেংজ-কাপ অমা অনি থাংদুনা চংখি। শামংা মিৎকুপমুক্তা বাখল অমা লাক্কুনা বিমোলাদা থোংলবা মিৎয়েং অমা য়েংলকখি। শমিতা কবিগুরবা য়া খবা চায়নিংবগী মগুনি। অঙ্গা অসীমক্তদা ওজা অমগী খোঙ্গেন্দা তারকখি। নাখোয়বু এম, এস, টিগী অদু লৌবনা ফত্রা? লনাই গাড়ী অমুক থিনড্রবস্তু। বাকমসদা যানিংবা লৈরবদি ঐমা খোকপা দাহ তৌরগে কায়দুনা ওজা বিমোল বিমালগী মযাংমক্তা লেপ্লে। বিমোলা খোঙ্গেল থোংনা ওজানা তাকপিরিবত্ত ঐথোযগীদমক্তদি য়াম্না করবা হাফম্নি। অদুম ওইনমক এম. এসঃ টিগী পেসেঞ্জর গাড়ী অয়াম্বা য়াম্নো কয়া চাত্রবগুম ময়ামগী পাম্নদবা মত পীনরকত। ওজা বিমোল শাওনিংনা করি তৌই হায়বগেনে, লমাই গাড়ী অমুক থিনববদি খেন পংথিং থিংদুনা তৌরুবি। অমেংবত্তু হায়বিবগী বাদি কদ্রপ হায়রম্লগা ওজা বিমোল কমকম চাংখ্রে। বিমোলা হাবফম তৌকম থংদনা ওজানা খোকপা কনবা অদুম শিনাবরো হায়জহৌই। বিমোলানা বা মখা শমখরকখি। অসিনি শমিতা ঐনা তৌরি-বসে, অমা কপত্রা থল্লুই কাত্তবদা হেক্ক থদোকখি। পঙ্ক-না হারবনা অমা ছাত্রিশিংনা থনবনা অমা হায়রুদি হায়রবা বিমেলা মোক্লপী শমিতা হৈং তপ্পকই, থংজেদা হৈবেম্বা নহাক্কা শাবিবনা

অমা ঐনা শাথনা অমা। পোইবরা বিরোধাদা কাম্বরগি হায়-
দুবা শিরাক্ট পৌনরে। অমরোমদা বিনোদি কথপৌরি, জাংকুপ্স
পরিক্রাংনচিংবা ঐগী শংগেকুম্বা মতেং মতেং পেগাইহনা শাগ্গার।
পেগাইরবা ঐদা থুদংনা বেরন্দাদা অমদি লম্পাক্তা চোইনা
চোইনা চাইথোকখ। শমিত্তা তৌবমশিবা বিরোধী মতৌদা ইক্ক
ওক্তখ্রে। শমীত্তা ঊবমক্তদা বিনো ইশি শিনা নোকথোরক্ক, মাই
থেং পুম্বা পুমকুপ কুপ্পবা শয়াং ফং চায়গত্তনা "এরবা
পৌরসি"। শাংজা বিনাগী পাওখুম পীরম্বা মঙ্গা ঐনাইদা
চোইনা তাম্বিবা ঐমাবক্তগী ঐগী অমা থুংগ খ্রে। বিনো করী-
দমক নহাক্ক, মরম ঐনক্তরবা ঐপিং অসিবু মচেং মচেং শংগ ই
বিরিবনো? ঐদি মচেং তারবা ঐশিং অদি ঐদমক বাদবা
চমদে। করিগুম্বা লৈশনা মরোল থোক্কদবদি মশাক্কী থমোয়গী
রারী থোইদনা তাবা কংলমগনি।

(২)

ইনাক ঐনাক থুনবা ইবুংগী করম্বা মচানা অতাবগী মশক
থংলুগনি? চাশিংনমা থন, থেংবিংবক্তা পেত্তুনা পুডাইবা বাথল
থল্লবক্তনা মথোয়গী মংথৌ অমা ওই। অত্তুম ওইনমক হৌগৎলু-
ক্লিবা শাবি শাথৌশিংগী মকমদি লাইরা ইনাক থুনবা থাক্তনা
ডুংলিবমা ততনা ওৎশি ঐনিদি। লুংশিনবু মশক থাজক্রবা মৌবরগী
[illegible] ইকৌল পেয়োক্তা মনাম [illegible] থোক থাংবা [illegible]।

অসিগুম্বা ঔৌরিবা মহাক্না পুক্নিং হকচাংবু লৈতাবদে শমিতাগী পুন্সিবু সুংশিনবা ঙাম্বনা থ'ক্তুনা যোংশিনবা হৌরকখি। শমিতাগী মশা'দা' লৈরবা লৈতি' চংবিংলম্বা অপুম্বা মাংশিন-লকখি। শমিতাগী মশাদা অওনবা অমা লাক্লে হায়বা অসিমক্তি হো'লক্লিগা মহা'ক্না মওংনা হৈরাক্ত লাইনা ভাকত। মাকৈক অমবোমদনা য়েংলবনি শমিতাগী থবাংপসি লবিনো হায়বা ভমদে। মশাবু' বিরেপসা' লোইদেক্রু লৈপাক্রু শকওংলব অক্লাওবা প্রাইভেট ডাকলনি। ডাকল অমগী মচা১পীনা করম্বা অন্নাংপা লমাক লৈফ থোকপগে। অন্তুকিস্ত মথক্তা বিরেন্দ্রোগী লমিবা সম্পত্তি পুম্ব শমিতাগী মিংদা ওনশিনগ্রবনি উরিবা চেক্না হলান অসিমক্তু শমিতা থোকদোক হেন্দোকনা গুণ্ড ই মাইফুবি ওইগনি। মীনাইশিংগী মরক্তা চাওরকখি, মীনাইশিংগী মসুংদা শমিতাবু য়েংশিনবগী থবক পুম্বিবসি শ্যামনি। গুংতিওম্বা লৈকোনগী মচি অমদা ফম্লদুনা শমিতা লাইরিক পারম্মী। অদুবু শমিতাগী বাংলা লাইরিক্তা থম্বা ওমনমদে। লৈকা কম্বা শাংলিবা লৈ-শিংলক্তা কোংনা কোংনা লৈতি চুম্লিবা থোইমু অমদা শমিতাগী ফিংয়েং তারম্মী। হৈরাং লৈরাংগী ফজবা শক্লোন কয়ানা শমিতাগী থবে'ই ওমথ্রে। লৈ ঈশিং চাইরম্বা তোক্তুনা শ্যাম শমিতাদা শংত্রিক য়ে লকখি ইতাও ত'ওন' লৈথোকপা শমিতাগী মঠৌ উরগা চামনা পেনখিত্রে। পাইরম্বা পেরে (ঈশিং চাইথি) অদু থুদক্তা থমত্রে, থুংলৈথুরগ চংশিন্দুনা মমাং মক্তা চপ লেপ্লুরে। অম্মা ইবেম্মনা হেক হেক মঙৈম মাংহনশিনশিবু অকত্রা ? ইবেম্মনী

করম্বা য়াথলনো ? লাইরিক্তা নমা থোংহুনা মতম লেপ্লগা ইবেম্মদা কবি তোংজগদগে। শ্যামগী অসিগুম্বা য়াত্তাংদা খমিত্তা নোয়োন যোক্লক্লে। শ্যামগী পাওথুম পীবগী তোঙে লাইরিক পাবগী তোঙে। শ্যামনা অমুক মথা তারকই, ইবেম্মনা অশুম্বা মতম য়াংহন্দুনা ঐবু চাওরবা ইরান অমা শিগদৌরি। অমক্তি শ্যামগী য়াদা খমিত্তা তুমিন তাদুনা লৈবা ওয়েলবদে। মিংকুপমুক্তং থল্লগা খমিত্তাবা, ঐনা করম্বা নত্তোন্দা নয়াংদ শিগদৌরিবনো ? ইরান শিবা নত্রবদি ইবেম্মনা তৌরিসিদি মুমিৎ চুপ্পা অমম্ব লৈরোন্দা কমক্তনা মতম য়াংহনবিরি। ইবেম্মদা পাবুংগী অচৌবা আসা থম্লি, ইবেম্মনা পুম্নমক য়াংহনগদৌরি। খমিত্তা চুমথ্রিং -লপ-খংলক্লে শ্যামদা অথাবা মিংথেং অমনা য়েংগে তৌরকখি। মিং কুপ্তা খমিত্তা য়াথল লাকখিন্দুনা শাউবা উৎলমদে। "কয়ে" অমম্ব তাংজয়ো অমম্ব তাংজয়ো। অছুগবে ঐবু অম্বুম্বা হেক হেক পাম্বিরবসি করম্বা নত্তাকী অধিকার লৈবগে ? শ্যাম তুমিন সেকেন ২/৩ গী মতম লৈরুবগা মথা তানা থম্লম্মী।
ইবেম্মদা ঐগী অচৌবা অধিকার লৈ।
মহূ কমায়া নত্তোন্দা পীবগে ?
ইবেম্মনা মহূ থংলগা কবি তোংজগদগে।

শ্যামগী তর্ক ওইনা চাং থক্তপসি খমিত্তা তাবত্রা য়াবা থোক্লম্মী। হেং হায়দোক্তুবা থোক্তথাং কয়া খমিত্তা লৈকোন্দগী চৎখি। খমিত্তাগী ফিংবা থাংবা থোক্তথাং উবগা শ্যাম মপুক্লিংদা চিংনবগ হক্লৌকে। শ্যাম পম্বা তৌদনা চাইরিকা লাইরিক মখং মমাও শাউবা লোক্ত থমহৌই। শ্যাম অহল ওইরবা খীগী পুক্লিং থংগনবা য়ংবা

লুবা মীওংগী মীতাবি। শমিতাগী পুক্লিং মথাকন্না থংদবা নত্তে, মীনাই মী-শমশিংগী মরক্তা চাওরকপগী হৌবগা মনিং তৌই। অশুম্না: শ্যামনা অম্বাম্বা মতমদা শমিতাবু থারক থাতেম্মি অচুম শই-নমক শমিতামা মাবু থানবিদে। লুম্না থাংবা শমিতাগী খোঙথাং মথোন ভারগা মীনাই খুদিংবা চপ মান্নবা মিৎয়েংদা শমিতানা চংলকপচু য়েংখি। শমিতা শাউপ্রে থাম্নবা শ্যাম ভাপ লাক্লম্বী, খুৎলৈ থুরপ ভাম্নহনা শমিতাগী মবেংক্তুমদা লাইমিক থাও অহ-মক থানশিনলে। শমিতা হোয়ম্নু হায়দে, মাইন্নু হায়দে থাংলম্বা চাংদগী খোঙথাং কনশিনলকখি। শমিতাবু নোকহনবা হায়বা অসিমক্তি শ্যামদদি পংলু লূনা থোক্লমদে। কাপি মতৌ অমম্না লাইমা শমিতা নোকহনবা ঙমগনি হায়বসি শ্যাম্না চপ চানা থাজখ্রে। "লাইথিবি অমা চৎলিবসে" শ্যামনা থাহৈদা মীনাই খুদিংবা না লাওনা নোক্লকই। শমিতা মশাম্নু নোক্লম্নবনি থং-লবন্নু শাউবা উৎলমদে। অচুবু নোক্লিংববুদি থিংবা ঙমখিদ্রে, শ্যামদা ওনশিন্দুনা নোকশিনলুম্নে। মিৎকুপ্তা নোক্লম্নবদগী শককম হম্মিন্দুনা শমিতানা হায়রকই "হনুবা শকখিবা"। মঙবু ঐবু পাম্নমা ভপপ পিহনা থম্লিব্রা? অসিগুম্বা মীচৈসিনা শ্যামবু থথোই শোকহনবা ঙম্লমদে। তাংলবা কোক্তা থুৎ থম্লহনা লাম্বা কৌরবা মা পবেংচু উৎলকই। চাওরবা দলান অপুম্বা শমিতাদনা ইবাং লাংঙ অম্নাম্বা মতমদা মমাইবেম্নুগী কাদা লৈ। মহাক্তী কাদা মথক্তা লৈবসি অচৌবা ইমুং ওইবনা পংথোং থোংলদে। ই থাকম সিমক্তি থম্লসি, কিংনা চংলকপা শমিতাগী খোঙথাং মবেংক্তুমদা

লাইরিক থাও অমগা য়ানলকপন্দুদি মমাইবেম্মা পোয়রোদি খোঙ্গিংবনা থম খেংলবগাংলি। মচা ইবেম্মগী মতো মুম যেংহুনা নোকমি নোকমি ইবেম্মা করি অমুক তৌনরগে হাকিং কিংলি-সিবো? শমিত্তা করি অমত্তা খোওই য়াওচদনবৈ মমাইবেম্মগী মনাক্তা হেক কমথরক্লে। মরেংজুমদগী লাইরিক থাও লৌথে ক্রুনা মমাইবেবদা শিরক্লে। ঐদি ঐখোয়গী শ্যামসি য়াম্না শাউমিংই। কৈদোরগেনে? খংদে ইমাসি, করিগীনো মহাক্না ঐবু অমুক য়াম্না পামরিবসি। ঐদ হায়বিসিনি পংশাউদ শাউ-নিংই। মমাইবেম্মা নোক্লম্মা, মপাবুংনা নহাকপু য়েংশিনবা হায়রমগনি অমুগীদমক্তা শাউবা তৌনদে। নহাক্না খংজবগনি নওনা শিশক পিক্লিদ্রেগী কোইশেন শেমহুনা মাতুগী মমঙ্গন্দা চাওরক্লিবনি। মমাইবেম্মগী য়া তাংগা খরতুম শাকগত্রা খন্দুনা শমিত্তানা হায়জররনি। ওমতৈনবদ মমাইবেম্মনা শ্যামগী মিচংদা লেপথ্রে, শমিত্তাগী মাইখোংদা শাউবগী মথি তাবকখি শমিত্তা অকোক্তুনা হায়মাসি ঐদি হায়রিসিনি খরা হায়বু ঐঙোন্দা পাম্বা তৌরবা। তত্তাসিদা শ্যাম চংলকই, ইবেম্মা মপানগী কাদা নমারবি অমনা ঙাইহৌখি। শ্যাম উবমক্তদা মমাইবেম্মনা শ্যাম নওবু করি হায়রগনে ঐখোয় শমিত্তানা শাউরিসিবু? শ্যাম চৎকদবগী মাই লৈথোক্লুনা লাইরিক চুম ওয়াইদে হায়রুনা ঙাংলুবে অতগী ওইরমগনি। শ্যাম খোকখি, মমাইবেম্ম ইশি শিনা নোক্তুনা শমিত্তাদা ওনশিনখি। কনা কুইনা থিবো মপানগী কা কমতৌনা লৈ, শ্যাম খোক্লকপমক্তদা হংই শামতাবু

করি তৌছোবগে ? ইবেম্বা ভাইহাক্তং কম্ব্ থোরক্রনি হাম্রনব্রগা শ্যাম হামজম নবৌ অমুক কৌহনা নৈক্রো। থোরকবজ্রবদা শ্যামবু অমুক রম্না চংলুনবা বিনোনা হামরম্বা। ইকাল কামদনা শমিতা থোরকবি, শ্যাম নহাক চা অসি শেম্নকউ নহাক্তীশু অমা মাওজো। কনি ইবেম্ব থুকজনা শ্যাম হমুং চংঙ্গ্রে। শমিতাবা জরাম্না জাং নকপা ঃহাবকই লাকপা কয়াম কুইম্নবগে ? লাক-থে কনা লাক্ষনি ঐদি থ বু থাজক্রম্রে। বিনো নোক্তুমা নহাক্তি নোংনতম্ব স্কুল ক রকবিম্বে, নাবকা হামজুনা মেংবা লাক্লিবনি। নংবরবা হায়না বাকমশিনা শমিতাবু মিংকুপমুক্তি থলহনথি। শমিতা লুকপছ্-। বিনো অনাবা মীগী শক্তন ঐজোম্না নৈভ্রমে, ঐ নাবম্ব নাক্ত। শমিতাগী লকক তৌনা ভাংথোরকপা তারম্বা বি নানা হা মমক থংলকই। ইবেম্বা নহাক সেম্নল হৌত্রিবজম নিংলমগনি অহুনা ওইবম্ব মাই। অহুপা ইতোপ জোম্না বকম অংনা নহাক শব'ত উথ্রবা নত্রা মহাকদি নহাকপু অমুক্তং শক থ নবা পাম্নি। ঐনা হাবিবদি অ'স ন মহাক্লা লাকপা পুদিংগী ঐজেংন্দা নহাক্তী মবংনা তজুনা পজি। শরজকী রাকম পন-লকপমজুদা শমিতাগী মশা পুম্বা থংহৌদনা হুমাং ক্লাংলম্বী। মিঁন থরদি শমিতাগী বাথল তরংদা নৈ। শমিতা থে জেন নিক্র তৌবা মঠ কয়ম ওইথাক্তনি ঐন' মহাকপু অমুক হনম্ব উ'দ্র। বিনে থাম্বে। কনথকুনা নহাকপু হু শিবগী মমমদা রা কয়ামজুম হামরবগী মতুংদা ঐন নজোম্না বাকম অসিমক থৌ-দে কপান। বিনোগী রাজাং থোংথমক্তুনা নহাক্তা মমা মুমা

থরগা মহাক্কী পাওখুমদি শীকন থোকই। বিনোনা হায়রিবা বা খুদিং শর্মিতানা অম্রকী মতিক মুম্না তাই থক্লবু লৌশিনকখদি থংলমদে মিরিত থরদি বিনো বা ঙাংহন্না লৈরম্মী, শরতমা হুংশিনবগী মথমদা শর্মিতাদা শন্দোক্না হায়রখি। বিনোগী বাদা খৈরবদু ভৌরমদে মতিক চানা পাওখুম পীরবগীদমক্ শর্মিতানা শেম শাররমদে শ্যামনা চা পুথোরক্লুনা থম্লে, ইবেম্মা চা লৈরে। শর্মিতা চা গিলাস অমা লৌহুনা বিনোদা পী। লোইননা শারথ স্বর অমতং হোন্দোক্লগা শ্যাম য়েংহুনা "নঙাকীদি লৈরবরা"। ইবেম্মা ঐদি থকচররোই, থকচবা কুইত্রে। ইমাসিদা হায়য়ু ঐ বরেংদগী স্কুল কাররি, অরাংপা। লাইব্রিকশিংচু নহংক্না বক্লাবমদগী থরা লৈবিক্ল। ইবেম্মা করি করি লাইব্রিক ওইরবনো মরিং অমুক্তং ইহুনা পিবিগদ্রা? ঐগী মোন মথাদা লিষ্ট লৈবরি মহু পুহুনা চৎসু, অরৈবা মরৈদি মার্ক তৌরবনি মার্ক তৌদবশিং অহুতথক লৈরকউ। করি ইবেম্মা ইমাইবেম্মদা হঙৎচক্লখিগে হায়রম্লগা শ্যাম চংখ্রে। শ্যাম চংখ্রবা মতুং কনা কুইনা কাওবদা শর্মিতা বা ঙাংথোক্লমদে। মসিদা কা মমুং ইচিক চিকখ্রে। অচিকপবু নমথক্তুনা বিনোগী মেংলবা খোঙ্জেল্দা ঐদি হায়রিসিনি মহাক্না থল্লগা অসিনা চুমগনি হায়রবচু চৎলু। চন্দক্তি শর্মিতা তুমিন তাহুনা লৈখিত্রে মহাক্কী মাইথোংনা হায়দগী হেন্না হৈং ওপ্রম্মী। শর্মিতাগী চৈংলবা মাইথোংদা ইথং লংবা মঙাল অমা কাওরক্লে। "মহাক্কী মঙং য়েংখিবা হায়রবত্তুনি" হায়রগা শর্মিতা বিনোদা য়েংলকখি। বিনো শর্মিতাদা ওন্না য়েংলুদে। কন্নখদগী

চেতনখন্‌মাঁ অবিতা ঐ জানা তৌবনে ? বাবা ওহিককান্বাবিরা মহাক ঝুন কাবরো বাঁখবনরা বিবেঁ' চবৌবনী পৌও বাংদেং-ক্লাী । অবিতা বোজাব বাংবা তিনোবু বির্বোকমুই । বিদেশং-ক্লু,রপা মবাঙী কা ওয়' বোহবাং জাংবাঁ চবৌকবি । চৌকি অবা তিংবিন্দুবাঁ অবিতা কপী পোৱীমমা তিঞা রাবেন তৌবণী । ক'বাংমরজিকি অবিতাবা মবওমু ইচু,বেক হুংবিবিবরা মবে । অহ্বু বিপা ওইবপিদে বেবা মবোবঞুবা পুকচেব অবিতাবা বিবা পোকবি । অবিতাবী হুংপিবা অপিমজি বোহুবেকী ওই, কবাবী মকবন। অপিবি হাবরা মবাঙী বপোই উবোজুবকে ? অবিতা কল্লবা চৌকি বোওবাও মরা পক্কা চিংবিন্দুবা কবহ্র । দৈকোমবী পুন্যা বেহুবা হাবন্ ওকরা হোংমইকে । অন্নু কুইবদি ওইবোকুবে অবিতাবী হাবন ওয়াং তবোইবসী । বিবিও বরা অছুবা বৌংত্রে, মনিবী বজুংবদি অবিতাবী পাবরা হাবন বরা মবৈবদি ইংকবদি । অবিতাবী কাইবোবো অবোহরা অমবী মবি তায়কই, অবোবা আজা অযবা দোইবমা বোনা আক্লিবা গোবিন্দ ওয়া বরা কোবকবি ।

গোবিন্দ গোবিন্দ ।

লাকচরে ইবেবা, কবি তাকপিববনা ?

তার কমাইবা মবি অহুবা কোবন্‌ ।

ইচৈব্বা এঁধ্যা তাবদি ইচেমবী আইবিক টেপবা চবিঝাব ।

ভাঁবু কবিঙ্কাবা ' মকবাবা এঁধ্যা হাব্বনহ্‌ অবেন । অহুব অইকাবক হুরী কাওই অবাকবা এঁধ্যা হাবরা বিকোবি অবা নিবিবর ।"

কয়ে অঙ্গুদি মহাক চৎখিবা মায়কি শখিত্তাবা পুংকী ইঙ্গিৎলা লোইবগা হায়বরকখি। "কনি ইতেম্বা" হায়রয়ুগা গোবিন্দ শম্পু-মহাকে চুমজিং কাপ্পী পোকখি। কা মহুংদা শখিত্তা মখক্তা কপ্পলোই, কমাঙ্গু শখিত্তাগী মাথা চংলকখ্রে। চুমজিং থোংচুপ চিঙ্গোয় শাক্লে। থরা থরা মথাশিনলক্লুম। খিনিত্ত থবনী মহুংদা তাম্না মখা হায়বত্তু ওইরগনি। মতম অসি কাওবদা শখিত্তা কাখা কন্নি। শখিত্তা মুক হৌগত্লুনা থোঙনাওগী মাকক ওইরম্বা লৈবা পুই থাবা চংশিনখি। সেকেন্দ থরগী মহুংদা খিতলিগী মঙ শমা কা মহুং পুম্বা ইনাম তারা শঙ্গোক্খ্র। শখিত্তা অমুক শম্ভুমহক্কে পুন্থবা থোঙথাং অমা থাংচুনা কাপ্পী পোকখ্রে। মক্ষ্যা মাচৎখী হৌনবা থুপ, থাওমৈ ও ধ্রেং, মশাগী অমদি ইমুং-মহুংগী মাইক মচোন শীখিনখগীমমক্তা ঐশ্বর্যদা কমা কমা লৌনিজখ্রে। মাইকৈ মপ্পিগন্তগী মক্ষ্যা আতিগী কাংশি থেরেন তাখক্কে। মক্ষ্যা আতিগী থোঙ্গেলনতগী চুংখিদনা শক্রুপা দাইং-লোম ইনৈ অমমা শখিত্তাগী থমোই কক্তুনা পুখিখ্রে। দাইং-লোম ইনৈ অহু অম্বুকী মচিক মকখিদা তা খ্রু। মহুদি চৈশহুদা শখিত্তা তশেংবা পুম্নমক্ই। থাক থাক মাইবক্কা খিতিগী মচি অমদা কম্ভুনা গোবিন্দ আতি ইনৈ শক্লি। শখিত্তাগী থোঙ-থাং গোবিন্দগী মাইকৈদা ওইরকখি। অমুক মকখিদখিহুনা

খিতা খিতিগী মাকখ ওইরমা লেপ্পুরে। গোবিন্দ শখিত্তা চক্রবংশগী শখিন কাংলবে খোকচুম হৌবা মকপ্পলপ্পি। গোবিন্-দগী মচোনে ইনৈগী চুংশিনখে অদি পুখিশিমকে, অঙ্কাংবা গোবিন্দু

পুখিতাগী থেবোইদা মুংশিবা পোক্লম্মী। শখিতাগী থৌজাল লৈবা
থিংগ্রেং অমুবা গোবিন্দা চাইহাক্তি থিংকুপনা য়েংজুনা লৈ।
পোইরুনা খীজুংশি থংবি অমগী মচোৎফা গোবিন্দবু থাগৎ-
লকখি। শখিতা লোজুনা মহাক তশোংবা নংথোন মুংশি।
থংগোইদনা তারকপা থোক্লেন্দা গোবিন্দ হুৎ কৈথোরকখি।
কিথিক কিরুম তৌবা থিংগ্রেং অমবা শখিতাদা য়েংছিনা লৈ।
ঐদি অমুমা মহাক ইবৈ শকপা হৈরমগনি থাজকদে। শখিতাগী
থে থেম অমুকী মতিক থোংবে মতুদি অতাবা কনাগুমগী থমোই
ওনগনি। গোবিন্দ মোমোন নোকপা মীমোক অমতং মোক্লহুনা
ঐবু ইচেম্মবা পংথা থাগৎপিরে, ঐদি কখিবু হৈজদবনি।
অচুম ওইনমক গোবিন্দ মশাগী থাগৎ মাইহ তারগা হয়াওদবদি
মত্তে অণ্ডাং ওইবিবা গোবিন্দগী থিংগ্রেদা শখিতাবু পোকখিমবা
মচেমক্কুম উরে। গোবিন্দগী তাংথোরকপা য়া তাবুদা শখিতা
মোমোন নোক্লম্মী। অমুক হন্না গোবিন্দা ঈবৈ শকুমবা শখিতানা
হায়রকখি। গোবিন্দগী মশাদা লৈরম্বা কিথিক কিরুম তৌরম্বা
মাংথে, অচুম ওইনমক ইকায়রম্মী। থুবক্তা শানুতাবা থংথে,
গোবিন্দ ইকায়রবদগী ইবৈ শক্লোইদৌরি। শখিতা চিংংনুঙা
অতোপ্পা মাকম অমদা ওন্দুনা হায়রক্লে। গোবিন্দ ঐথোয়গী
মুখিদাংগী চানু থক্লবা কনানা লাংগদৌরি ? ইবৈ শক্লোই,
থবক্তা গোবিন্দ চানুনা হয়াওবা হাবক্তু ওইগে। ইমাইচুপনা
চানুবগী মরম খুদিং লিক লাংগনি। শুভাবিবি কনারা ওইরৌরিবা
শখিতাগা মথা তানা হেক হংজিনলুই। "থবোক থৌরাখিবা"

থাঁরবম্রগা গোবিন্দ কুক হৌগংখে, ইচেম্মা এবু তাইবম্রনি গোবিন্দ হাৱরম্রগা চাকপঙ তাম্না চেনখে। মতম কাম্নদে শ্যাম ময়োম থবা পাম্বনা চংলকই, শমিতানা লেপ্লিবা মফম অহনবক তম্না খোঙ-থাং কণ্ঠখিবলকখি।। শমিতা শংত্রিক শ্যাম চংলকপা য়েংহনা লৈ। শ্যাম ময়োম উংপহনা ইবেম্মা অম্রাংপা লাইরিকশিং লৈরক্লে, শমিতাদা হেক পীরে। শমিতা শ্যামদগী ময়োম লৌবদা অমুক পাহনবক্তে মহাকী কা তম্না তম্না থাংবা খোঙথাং অমদা চংখি।

(৩)

অয়াম্বা স্কুল সেসন হৌরে, ইস্কালদা লৈবা হাইস্কুল, সেকেণ্ডারী মচিংবা স্কুল অয়াম্বনা মপুং ফানা ক্লাস তৌখে . স্কুল হোংদোক হোংজিন ক্লাস কাংথোক কাশিনগী মিংচনবগী থবক্তি লেপ্তনা চৎখ-খি। মিং চনবা লাকপা ছাত্রিগী মশিং অসি অম্মুকী মতিক হেনগৎ-লক্লমী। মিং চনবগীদমক্তা অচৌবা য়াথোক অমা ওইরবে কনা-গুম্বা থবা কিংবা মীওইদি ক্লাকা শ উবহনা মিং চনলমদনা হনখিবা কয়ানি। কেম্রা অসিগী ওইনদি ছাত্রি অয়াম্বা স্কুল অসিদা তম-লিংবা পোকই। মথা মপা ওইবশিংনা খোইনা পাথনৈ। শমত পিক্লিবা মুখীমচা অমা পুং নাম্নমা শম্নহনা কথকন তম্না খোঙথাং কমলপ চংলকখি। মিং চনবগীদমক্তা লৈয়ম্লিবা ছাত্রিগী মশিং অসি

থবক্তা অমিদা ওইবিরে । মংখোঙনিং অমু তাইবা তাবথদি পুং ১ হোয়নবী মখুৎদি থোক্লগদি । মতম ঙুখিদা অপুনা লোইরদনা চপ লৈতুনা মখোয়গী মতো লৈখ্রবদৈ । অদুগ ওইরম-মক অনাথবা ওঁবা বফেনবদে । তুম্মসিনা চাখিংঙা ওইবা থুম ওই-ববা শরুক হৈরা হৈনিংদিরে । মিং চনবা মাক্লিবদি হায়বা কাওবা থাখিরুবদা শরুক মকুম অমিদা চপ চামী উদা শাবগুমদ্রে । মসা কুইদা ওইরবা মতুংদা মিমিতমুক্তি থাংদগবগী উদ্রে, মহাংবা অসা লৌখুবা চাকু ঙিংলি মাংলিবকই । শরুক মিংকুপচুক্তা পুংদৈ থুরপ চংলিকুনা হুপীমতা অসিমতা মিং চঙগে ? শরুক মমাক অকপা চৌক্তি অমদা তমবকুই । ইবুংঙো লৌখু-লোইখেনে ক্লাক্‌না হেক থাবকীখ । অদুগুক লৈবিত্রা ঐগীদি থাগোইবিবা যাদে ? হঙ্‌নক্তি ক্লাকু কুইনা থম্রবা মতুংদা হৌগৎলে । চৌকি চিংখোলপ তৌহনা ইবুংঙো তাইহাক্তি তাই-বা তাই । "ঐ অমুক্তা মোঙ্গকফিগে" হায়রমুগা মাপা অমলবা খোঙথাং অমদা ক্লাক খোকখি । অদুমা মিমিত থরদি হোৎল্রে, হুপী-মচাহনা মায়মক তপ্পা তাগে। ঐদি মালা তমদে '। শরুক তারমদে, তাপা অসিমক্তা ছাত্রি থরা লাং লাংহনা চংলকখি । মখোয়গী মরক্তা শমিতা যাওরম্মী, অমিতানা শরুক্পু ইহাম হাংদা উরকখি । শরুক লুকখহনা কক্রিতবা শাইহিক মরেক থরা কনা শাখা লাক্লি শমিতা চংলকপা ওখিত্রে '। শরুক উবমক্তদা শমিতা চপ লৈতুবা দৈরেগ্রে । শরুক্তকী উদবা মাইথোংদগী চিংকম হোংলিংখিরদে । শরুক্তকী মাইথোংদা ইং তাপী যবি চোপ্লি অগদি

মকা লাম্লমী। শমিতা হুংবা শাবা মুর্তি’গুম শ্যান যাওদনা লেপ্তুনা মিনিতমুক্তি শরৎতা য়েংহনা লৈ। মমারমি পুম্নমক্কা মিৎ শমিতাদা থম্মহনা অপুনবা ওইনা কৌরকই “শমিতা” অহুপা যা লাওবা লোকখ্রে। অপুনবা মীনোক্তা শরৎ য়েংথোরকখি, শমিতানা ইকায়বা খাংহনা লেম্লগা মতৌ হেক উথোকখ্রে। থাজদনা শমিতা উবদা শরৎ মীপাইখ্রে, খবাকী মিহুন তিং তিং হুরলক্লে। শরৎকী মিৎয়েং শমিতাগী মাইথোংদা তাবলমী। অহুম ওইনমক শমিতা লৈথোক্কুনা চংখি। শরৎ লুকথহনা হায়গুম্না লাইরিক ময়েকশিং অহু পাখ্রে, অহুবু পুক্কিং লৈতানদি পাখিদ্রে। লেপ্লিবা চুপীমচাহু যাবগী মওং লাক্লে হায়বা শরৎনা উরকখি। শরৎ মনাক নকপা চৌকি অমা চিংশিন্দুনা মিনা য়ায়বখা অতুক কন্দু। চুপীমচাহু চংশিনলক্কুনা চৌকিদা ফম্মে। চংখিবা ক্লাক্ কাইন অমগা কোয়না থোয়ক্কুনা হায়া কম্বা চৌকি অহুমক ফম্মে ক্লাক কাইন টেবলদা থমলহনা চুপীমচাগী মিং কঁরি কৌবগে? মিনা

কয়ি ক্লাসতা চনগদবনো?

ক্লাস সিক্স।

চহি কয়ামুক্তা পানলিগে।

শরৎ থম্মগা চহি ১১, ১২ য়োমকাদি ওয়বা য়াবে। কয়ামুক পানকম থোকপগে হায়বা ওন্না খন্দুনা কনবা তৌবিয়ে। শরৎ পুম্নমক ক্লাক্কা লিমথোকখ্রে। ক্লাক্‌বু চংকম থোকপা মিংচল শেম্নচিংবা হায়হুনা য়ায়া থরাই য়াওনা হোংনখিবি।

চাংখিবা ছাত্রিশিং অস্তুত দাং দাংজবা থোবক্লে, অপুনবা জিংহোং জমস্তদা শরত্তা য়েংশিনজম্মী। অস্তম ওইনমক শমিত্তা য়েংথোবক্লমহে মথোয় পুন্না বেরন্দাবোমদা থোকখিরবে। মীং চনবা লোইরবদা শরত জুগীমচাইগা লোইননা অকিস ক্রবদগী থোবক্লে। য়োংকবা জুগীগী খোঙেল অমদা ওঁ শরত নহাক্তি মাগী উখিত্রেবে। শরত থাংজম্বা খোঙথাং লৈপত্রে, তারক্লবা খোঙেলছু ওয়া হয়া য়েংথোকখি। বিবো হাঁশি শিনা নোক্কুনা শমিত্তাগা লেপ-মিন্নবগী শরতনা উরকখি। শরত হয়াং অনম্মি কাংই, জুমিহ থাঙদগী "লুখাম" লৌথোকত্রে। থাংহৌদনা শৌরকপা হয়াং লুখাম্না মাইথোং পুন্না নপথোকচৌ শরত তৌকিম থংজমদে বিপা ওইবগী পাজল পুন্নমক মিংকুপ্তা মাখ। মা ভাংবগী অক্তি শরতকী মশাদা লৌখত্রে: মরাম লৈরবা বন্দি অমত্তা জুমিন লেপ্তুনা লৈ। হৈচং লৌদবী শরতকী মতৌদা বিবো ওকপনা থম থেংখ্রে। শরত ওইনমক বিবোগী ওকপা জুইনদি ওইবাত্রে। শরত বাম্নবক ইতাবুবিবা অমগী মতুং উংলঙনা "মিনাগী মক্তা মিং চৈনাম্নিবনি"। শমিত্তাগী "মিংকী" মমাংদা শরত জুইনা লৈবা ওন্নখদে। চৎকদবগী শরত মাই লেথোবকত, বিবো ওয়া উহাদনা "মিংবু চৈনম্নবা নত্তো"। শরত তাহমনু খুবগী পাজল লৈথত্রবাদে মাংদা খোঙথাং অমা থনিদং চথংলম্মী। বিবো চংশিন্দুনা জুগীমচাদুগী খুদাং তাপ পাইদুনা কাহৌরে। বিবো খোঙেলগী খোইথুন্নবা য়েংহৌই মিবা নথোক্কগী বক্লইসে কয়া ওক-থ থবে। "ঙ মিথ নোক্কুনক নোকই যোমনি শহুবি হায়রকখিকৌ।"

বিনোদা মথা তানা অহূগনে শাউনা শাউগনলিবা, শাউগত্রবে।
"শাউগন্দোদা" হায়রম্লগা থিব: চৎকে তৌরকখি। মিনা চৎনিংলে,
খংলবদা মথোর পুম্না খৌতথাং অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা হোরম্মী।
শরত হম্না য়েংথোবক্লবদে, ইকায়খিবদগী ওইরম্বু য়াই। বিনো,
শমিতা, মিনা মথং মথং বেরন্দাদগী কুমথমিন্নবক্লুনা গেট কাও
থোকমিন্নবকখি। গেট ময়ামক্তদা শরত লেপ্তুনা লৈরম্মী। শমিতা
চিংলেম্মা থোক্কুনা "মিনা চৎলোকো" লোইননা মিৎ শরত্তা
থম্লকখি। উম চৎলে খুমহুনা মিনা শরতকী মাং থাহুনা চৎখি।
বিনো কবিগুশা বা অমত: হায়বিংবগী মওং মাইথোংদা কাও-
রকখি অদুবু শরতকী ইকায়খিবা মতৌ উবদা বিনো কবিস্থ
হায়দবা শমিতাগা লোয়ননা স্কুল কম্পাওন মনুংদা চংখিমখি।
হুমিংসি হোৎথে, খংনবা হুমিত্তগীদি মিনা স্কুল কাবক্লে। মৌখিটৈ
অমুক অনিরক্তি শরত মিনাবু স্কুল হায়া হেক হেক থিনখিরকখি।
শরত বিনোগী য়ুম চৎখিদবা দুমিং ৫/১০ নিত্তগী বা মৎখিত্রে,
থামুক্তি কনলপ লৈয়রবী মতুংনি। মিনা স্কুল কারকপা হুম্নি চনবা
হুমিংনি। বিনো মথাম্নবি থবগা লোইনবা স্কুল কারকপা শরতনা
লাপ্তুক উরম্মী। মনাক্ত চৎলিবা মিনাদা চেৎপা লেপ্নবা বা
হায়রুনা শরত বিনো য়ৌরকপা তাইহুনা লৈ। লেপ্তবা থাংলকপা
থোত্থাংনা বিনো শরতকী মনাক য়ৌরকখি। ছাত্রি অয়াম্বনা
হেনগত্তুনা চৎবখ্রি। মিনা হরাওনা "ইচে বিনো চৎনিঙ্খ্রসি
লৈশিন্দুনা পবেং অমত্তা ওইনা চৎখিমখে। শরত লৈহোগে তৌই,
বিনোনা থাদবদগী পুম্না চৎখিম্নবে। বিনো চৎনা চৎনা তা শরতক

ঐনা মহাক্কী ৱা শমিত্তাদা হায়খিরবনি । শমিত্তা অসুক্কী মতিক ঐখা 'হাইবদা পুক্নিং চংবা তাই; তাসরকপু কুপ্পিসবা ওইরোই ।' বিনো মকখয় ওসুক্লো ওইনী অখোঁবব অমদি নৈ, পুক্নিং অমতা শমিত্তা' মখাক্কা ময়াকপু কুপ্পিনবী ৱা শংথিবা লৈত্রিদাবে । শরৎ' পূনদে নুকখক্কা হাখল তৌরম্মী । বিনোশি কাপ কক্কি নৈনবগে হায়বা শরৎ থাবলনা আশা কংলমদে । শরৎকী হাখল অঁসুক্কী মতিক তরাং তপোইহেন্ন । মতমি অদি হাক্লাখক-খিবনো থংখম্না "হৌগ্রবদি তৌগ্রমন্নু" । মাটিদু অমিমক হায়লোকপু হায়দ্না শরৎ শমোই ইংখোক খোকখিত্রব্রা ? হংখা মাবা হাকপি, শরৎ থমোঈ খোক্রগী ।" অমুম ওইরমক বিনোদি মখাংদা উৎ-খোকখিদে । বিনো মখা তাখমগে, কুপ কৌম্বিরবগী হাকপা শংখনা কপি হায়গ্রবগে থংখিদে । থুডি অমা অদি চংলবা মকুংইদি কুপ খৌবনি । বিনো খোড়খাং কমখংলক্কে মখাদি হাকথিং ত শংখবা মিখিত ৫ মুক্কী মতম কাপ্পিনলক্লে । শরৎ লৈখোমবা বাকম হায়রোই, বিনো তাখক্লা তৌদনা মিনাকী থৌইখনা থুনা থাংবা চংখি । শরৎ নখক্লা লেপলৌরে "ইঁজ হত্নিমিং মর্দি মদি কুপ কাম্বকপা' অংরে । শরৎ পুকন মথুন অংলোইবা মখাক্কী ৱা 'শমিত্তাগী ওক্লা তাখিরক্রা ; "শরৎকী হাখল তাক্লগ্গী অহৌবমি হায়খা 'অমিমদি' হায়মমবা লোকনি ।' অংবু নহীমি হাখল 'খবা' নৈরিম কপিনখক্কা' শমতনা 'অসি লৌনা' থমোই শোক্রিদা ? 'কখদা মওংখা "শরৎকী "থমোই" শোক-পরে ? ' "কখাম লৈবৌঈরি' থৌনাগ্নবা' ঐনী 'খুদিংমা মংগিনবী"

মহেক মহাক লোকখিগনা ? ঐখীগু ঊবখা মিং তৈং; মখেল খজবা কোক্ লামদি মতাঙ্গ থইবোক্লোইদবা.......থোক্লোইদবা থহুদি। যে। থবোই খনবা মতদি মতম চুমগী ওইনা মিং তাকনখ্রবদি। অক্তাংবা ঊপী পাম্বেন মথক্' থাংচদি ঊৎখাল্ তেঙ্গবা মপুং থম্বিবা লাবগে লৌবাংলুই।" মরক মথাপী দমহেনলবা থবোই ক্যা মখা থামকচত্ত্র। অদুম ওইনা মরুককী মাখল চ'ওম্পী, চংলিবা অত্তুক্লা মথক্তা মমুকলবত্তুমা নিংত্রে। পাক চাওবা ওম্বা তোক্ত মক্লা মরুককী থবোই লোকপা ঊখিরে। কুমিংকী মাক্রবা তৈনবা থোংরে, অতী চংপগী চোকখবা কাওহনখিরে। মংবা চং- পন্না থংহোবনা মরক মুম মোমকন্। মুম মোমক্লবা কাওখা ইমুং মচুংগী মাখল চংলমদে। থাকৈহেক লোংবা অতাওবগী মাই খমবা মরুককী কোক্তা চোংখিনখ্রে। থমখমথৈ থক্লবা মচুংবা থমিজাংবা পীগে থক্বুনা ইরবাচিঠি মচেং কমা থোক্লা লেপাইরে। লেপাইখবা চিঠি মচেংদিং অহু তাখিন্দুনা কনা থংহনবা থোক্লাক তাংখনা লংথোককদি। হারবিনা অদি লেকেম্ম মখগী মচুংবা শাংথোকদি। অদিমক্তনা মরক লে তাখম্মী। থবোই চুংবা, চুমখুনা থখা অমাবা কৈকৌখুংদগী মাইথোংবা কাওক্তনা কোক্তে। মরক অমাখা মী অমক্তা ঊরকদি। মতাক তমাখম: থক্লবা থোমোন লোকপা মরুককী মাইথোংগী মহুতা চুকক চুকাই- চংমনা থক্লম লাক্তে। মরুককী অওমবা অখনা। মথোক্তা- তাখিদি হেক্কা খীপাই তাওকনি। "ইমুংকা মখা চুমকা" থোক্ত- থোমকপা ঊবখা তাখিখিনা হংই। তাখিদি পাখংপা মখা

উমত্রগা ওসাইনা হাৎবা যাত্রা? মথা থংবগী থুন্না চাওবত্ত চাইথক খৌকবিদনা। জামিনি চান্নমা পাখৎখ্রে, হোবে হোবে তৌহনা মাইবা কৌবা চংকে হেক লৌরম্মী। শরত শেন শাহনা ইন্দোমচা মাইবা কৌবা নংশিখিল, ঐ করিগু হকচাং ওমদবা তৌদে। জামিনী চংংদবগী থাংদোক্লম্মা খোঙথাং ও মন্দু। অতব ইবুংঙো নহাক যাম্না ওমদবা উবে, চংখোকখ্রবু। শরত মথাদা অহোংবা পম্মা শংক্রে থংশকখি। ইনোক নোক্লিংদনা কংনোক অমতং নোক্লুনা ইন্দে মচা ঐবু অনাবা যী যামলত্রবে? "মান-বুদি মান্দেদা, জামিনি নোক্লুনা থমুং মন্নংগী থবক্তা মাই ওনশিনখি। অচুম্না মমা ওইবিশিংনা মচাগী অহোবো অমতং উবদা হেন্না পাখংনা মিপাই চাওবিগু মতাখি জামিনি মচা-শিংগী মতৌ য়েংজরগা ন্নংঙাইজবা লুপী অমত্ত ওই। লুখ্রাবি ওইরবদম্ম যুম্নানবগী অরা-অনা পুম্নমক কাওথোকপা ওমজে। মতম থুদিংদা মচা শক্লবা শরত শেন্না ওমজবা চাথবা অশিতমক ইশ্বরদা খৌনিজে। শরতম্ম মন্দোমচাগী মীপাই চাওবা মতৌদা খোইদোক্লা বাজখি। থমোইমুংদা মনিং থুংবা কথা শৈমবদম্ম কুপশিন্দুনা হয়াও তয়াবা শরুতমক উৎনবা হোৎনজখি। জামিনি ইংথখ্রবদা শরত মহাক্কী কাদা চংহুনা তেথিল মবক্তগী লাইরবক অমা লৌহুনা পাখে। লাইরিক পবগা শরত পুক্নিং চিংশিনবা ওন্নমদে অতম ওইনমক নমহুনা পারম্মী। মসিদা শরত কোক তাওরম্মী, লাইরিক ময়েকশিংনা মশেন মথাং 'ওইনা উবে'। পুদক্তা শরক লাইরিক পাবা লেপথে। খোংনাওগী মপান্দ

ঙমিবা দৃশ্যদা মিং লৈনা য়েংহনা শরত পুক্নিং কাজিনখি । মশিং মকোনগুম্না ভোরবা লৈচিলনা শংথাম্নরবা অতিয়াদা ইতাও তাওনা পাইরম্মী । শরতকী মিংমেং অতিয়াদী লৈচিলদা মিমিত থরগী ওইনা লেপখি ।

(৪)

ইথং থংহোদনা মোংনদি বিনোদী য়ুমদা ইরাং লাংবা অমা থোকখি. ইয়ুং মচুংগী মীপুম খুদিংনা কপ্পরম্মী । পাও অসিমক্তি গোবিন্দ কি মা চেনলক্‌না ভল্লে । শমিতা মিংকুপ্তা গ্যান মাংহনা লৈমাইদা তাথে । শমিতা গ্যান লৈবিত্রবদা গোবিন্দ পাথক্তনা কোইচেন চেন্দুনা ঈশিং থি । গোবিন্দ ঈশিং য়াওবা পাত্র অমা লৌক্লহনা শমিতাগী কোক্তা তপ্পা অরা অরা হৈথরক্লে । শমিতা তপ্প। মিং পাংথোক্লকখি “হায়য়ু গোবিন্দ বিনো কমদোথ্‌বা” । পাখং।া হংবা শমিতাগী মাহংদা গোবিন্দ প্যাওখুম পিবা ঙমখিদ্রে । শমিতা হয়া হয়া গোবিন্দ মেংহৃদা হংই । গোবিন্দ বা লৈথহনা ইচেম্মা অমুক্তং চংপিবনা চুমগনি । মথা তানা গোবিন্দনা, ঐদি করিগুম্বা অমতম্বু থংজদে ঐগ্যা শ্যামদগী তাবা পাওনি । শ্যাম বিনোদী পাও পুমকপ্পা হায়রগা শমিতাগীহুম পাও তম্বা অমুক হয়া মথাইবেম্মগী মনাক্তা চেনখ্রে । শমিতা গোবিন্দগী মাদা চিংনবা পোক্ননা থুদক্তা গোবিন্দগা লোইননা চৎনবা হায়রকখি ; শমিত.

কি হোংদোকপগী বাখল চংলমদে, শেংলম্বা য়ুমগী কিজোল্দা বিনোদগী য়ুম য়েৌরকখি। লাপ্লিক্লেদগী নিমকুং নিমফুং ভাংলবা শমিতানা তারম্মী। "বিনো শিবা চংবা অদিগী মরক্তা নৈ" তাবদা শমিতা পাখংখ্রে। শমিতা বা ভাংবা থোক্লমদে, বিনোদগী কা তম্না চুমজিং চংলকখি। তনাল তনালবা কম্নং অমগী মথক্তা বিনো মিং তাইশিন্দুনা হিপ্লম্মী। বিনোদগী মমাবা শমিতা লাকপা তাকই। বিনো তম্না মিং পাংথোরক্লুনা শমিতাদা চংলক্লুনা বাকম হায়রকখি। লোইননা অমুক হয়া বিনো মিং তৌশিনখ্রে। বিনো মমা মিংকী পি তৈথোক তৈথোক্লা "শমিতা কম্মু কম্মু" লুখুম ওইরম্না নৈবা লৌগী চৌকি অমদা শমিতাদা ফম্নবা হায়-রকখি। হৈনেদোমদি লোইরুরে কনাগী মাইবা, ডাক্তর অমত্তা মথোং মরম থংখিত্রে। করি নৈনা কোৎবগেনে, মমাংদদি অসুম্না নারম্বা ইচা নত্তেনে। বিনো মমা শমিতাদা য়েংলুনা হিক হিক কপ্লকখি। মহৌশানা বিনো ইগী নৈনা অমদি নৈ, নৈনা অসি-মক্তা অসি য়েৌনা শাখিগনি হায়রবদি কনানম্ব থাজনখিদে। শমিতা চংশিন্দুনা চৌকিদা ফমখ্রে। শমিতা তম্না বিনো কৌহুবা নহাকপু হকচাং মুংঙাইবত্রা? বিনোদগী মমাদা অমুক অমুক গ্যাস মাংলুম্বা অমা নৈরম্মী। শমিতানা কৌবা তাহনম্ম খুম্বা ভুম্লমদে, গ্যাস অমুক লাক্লবদা বিনো তম্না মিং পাংথোরকখি। বিনো বানা পিক্লবা থোম্মোক্তা শমিতা ঐদি নহাকা অসুম্না উমগনি হায়না থনখিদে। হকচাং থরদি মুংঙাইরেদনা? উম, থরদি মুংঙাইরে অহুবু ঐ করক্লুনা চংলগনি হায়রগিমক্কি থাজবদা বানা থোক্লে।

শমিতা খোঙ্গেল নিরুপ তোনা করম্না ওইখিবা নঙগী ফিভম্নো ? লাংজক্না অমদি থংনিংনা হাবা শমিতাগী বাহংনি। থংহৌদে শমিতা ঐগী হুশাসে মখোশানা থমদি হকচাং ফত্তবা লাহনি, অমুক্ষ-মক ওইরকনি হায়বদি খনখিদবনি। থংহৌদনা ঐগী খোঙ থুং ইপং পংথরকই মচুদগীদি মিত্তা মশেন মরাংমক্তা উরক্রে। মতুংদদি চারবা গ্যান য়াওদবা হায়বচুমক ওইখ্রে। ঐনা নহাকপু উবসিদা অশুকী মতিক নুংঙাইবা পোকই, মচু নহাক্না থংলোই। বিনোগী মিৎ অনিমক্তা পিদনা থুমহৎলকই লোইরবনা মথা ভারকখি। থোইনা খল্লুকমাদ খোক্তে মীওইবগী পুঁজি কনানম্ন জম্নুবা ওম্না নত্তে। বিনোগী রাদা তুমিন্না তাহুনা লৈথোকপা ওমখিত্রে, কাপ্নংবনা মশা পুম্না ফুনগংগম্মী শমিতা খোঙ্গেল তম্নাং তশোইনা বিনো অসুম্না খনবা চুমদে। নহাক মন্তবা বাখল তাক্তা থনলে। বিনোগী মাইথোংগী কায়কপা হুমাং অনাপ্প মনাক নকপা গমশা অমা লৌতুনা শমিতানা নপথোকপি। শমিতাগী থুৎ ভাপ কারতুনা য়াম্না থমোই শোক্রবা খোহ্নোক্তা বিনোনা মথা ভারকখি। ঐনা নহাকপু থাজে, শরত কৈদৌঙৈদম্ম নিংবা কায়রবা মীশক ওইহনলোই। অসিমক্না ঐহাক্কী থমোইদা নহাকপু থাগত্তবা ওম্লোই। তশেংনম্ম শরতকী মপুন্সিদা মীমান্নত্রবনি। বিনোগী ওাংথোরকপা বাত্তাংদা শমিতা বাখল খনবগী বাংমদা লৈখ্রে। শমিতা নোকুনা হিনো নহাক শরতকীদমক্তা থমোই শোকনা রাই অসিনা ? চুম্মী শমিতা হায়রিবা অহুমক ঐহাক য়াই, ঐনা করিগীদমক শরতকী রাকম খোক্তদগে।

অচুম ওইনমক ঐনা ঐগী পুন্সিদা উন্নিবমখৈ শরতকী অনিংবা থৌদাংমক্তা থুংনবা হোৎনরমগনি। করিগুম্বদা ঐনা সংসারসিদা লৈখিদবা থোকলবদি মীওই অমত্তনা মহাক্কী পুন্সিবু মখক থংবিগদগে। মহাক্কী থংলক্লবদি শরত সধারন মী অমগুম্মা লোৎবা ওত্রোই, ঐনা হায়রিবসিনি। মতম পুম্নমক্তা অতোপ্পবা মীগী লিচৎ, হঙ্গুনা মশাবু থজবা অসিমক্তনা মহাক্কী মরমদা থক্লবা ওমদে। ঐনা কয়ারক থমোইসুংদা কপচখি, ঐনা মতেং পাংবা ঙমখিদবা শিংগীদমক্তা। মহাক্না মহাক্কী পুন্সিবু হয়া অমুক্তং হেংবদা নিংবা কায়বা অমদি নিংবা থুংদবগী মৈরিনা কুপ্লমগনি। "ঐহাক্কা শমিত্তা মহাকপু মখক থংই" বিনো শাংলবা স্বর অমত্তং হোৎকরকখি। লোইননা মহাক হৌজিক পি. ইউ, সি, গী অরোইবা চহিনি। হৌখিবা মেত্রিক পরিক্ষাদসু মার্ক কানা ফার্স্ট ডিভিজনদা পাস তৌখি। অছুগনে শামিত্তা ঐনা য়াম্নমক থমোই শোকখিবদি ঐনা পিক্লিঙৈ মতম অদো মহাক য়ুম্দা লৈরি। অয়াম্বা মতমদা ঐখোয় অনিতমক লোইনদুনা শাম্নিমৈ, করিগুম্বদা লাইথি, চাকখোংখিনচিংবা শাদৈ। মহাক ঐনা লাইথি শাম্নবদা ঐগী ইনাক্তা ফমদুনা য়েংলৈ। মহাক শামবদি য়াওদে অছুম ওইনমক ঐনা শাম্নরিবা থুদিং য়াওরম্মী। ঐনা অসিনা লাইথি মথানি সিনা মপানি হায়দুনা তোঙান তোঙাম্না থাম্নদোকখি। মহাক্না থাজদনা হেক হেক হায়রকখি "বিনো নহাক্কী লাইথি মথা মপাসি য়াওহনলগুমসি"। ঐনা থংদদুনা হংই অছুইদি করম্না শাম্নগদৌরিবা মচাসিদি কমদৌনি? ঐগী থা তারগা মহাক্না হায়রকখি অসিনি

বিনো খংসে মমা মপা য়াওবরা লাইখিদুবনি। তুমিং অমা মহাক্কী মিৎলা মপি ইরা চেনখি, ঐহাকত্তু মহাক্কা হেক হেক লক্লিরকপুগী অর্থ খংলকখি। তুমিং অচুম্বগী হৌরা মহাক্কীদমক্তা থাদবা তমখিরে। মহাক্কী পুক্নিংগী মরমদা কয়া থোক্লা থবরা, নৈনবা হৌখি। মহাক মপান্থোংদা নোক্লবত্তু থমোইমুংদগী কাপ্লি হায়বসিমক অচৃপ্পনি শগিত্তা। মাংতান্দা অভাং ওইরিবৈগী থাখল শুংসত্তু হোংলমখিরোই। অচুম্বনে মসিমক্ত খংজিনবু মহাকপু শুংশিনবগী থকম অমক পনলকখিরে। মতুদি মহাক্কী করম্বা অহোংবা থাখল অমা লাক্লবগে হায়বত্তুদি ঐ খংদ্রে। অতুবু মহাক্কী থমোইদদি মহাকপু মুংশিনবগী মওং নৈবা মানদি অমবু ওইরবনু অমবু ওইরবত্তু মহাক্কী নিংবা কায়বা নৈরমবদি, মহাক শোইদনা নৈথা তাগ্ল-গনি। বিনোনা মরি মরি থাক্লী খংগী মতৌশুম্না লিথরক্লবদা শগিতা থমোই পুবা তমখিরে। তল্লাসিমক্তা শরত কিংনা কা মঙ্গংদা চংলকখি, পাখংপা অমত্তু শরতকী মপাদা লোইনরকখি। শরত চংলকপা উবমক্তদা থাগি শারম্বা লেপখ্রে। কৈত্তু তৌখ্রে হায়বগী মওংগুম বিনোগী তাইকেং তাইরবা চিনবানতনা লোক্লকখি। "কৈত্ত থোইদোকপা তৌত্রেদবা" ঐদি তাবগা হেক্তা চেমলক্লবনি। ইনেদি, ইনে কদোমদা চৎখ্রে? "ইমুং-লোমদা কৈরমগনি" শগিতানা থুম্মী লোইনবা মখাংগী তুমিংকুম্না ইকায়বা উৎলমদে। মওং অমনা শরতপু কোইদনবা শগিতানা থাখল তৌবা হৌরমম্মী। হায়রিবা অসি মিৎকুপ থরগী মতুংদা ওই-রকখি। শগিত্তা কন্নখদগী ফুক হৌগংখ্রে শরতকী মাইদা কিখিক

ফিরুম তৌবা মিৎয়েং অমত্তং য়েংহুনা লৈখোকখ্রে। বিনোনা কৌবা মিঙৌ অহুনক শিঙ্জিন্নহুনা "তাশরক্ত অসোমদা লেং-শিনবিসি" হায়রম্লগা কাদগী শমিতা খোরকখি। শমিতা চংশিন্দুনা বিনোদিনী মথানা চা লোনলিবদা য়াওকরে। চা লোনলিবা কেটল পাক লাইদুনা শিক্লিগী গিলাস অমদা স্বাই পানা চা হেংখ্রে। থুনমক শমিতানা প্লেট অমগা কোম্বনা চা গিলাসতু পুখোরকখি। মতম-সিদা শরত করিগুম্বা য়া থরা বিনো তাম্বা হায়রম্মী। "চা অসিদা লৈরে" শমিতা চংলক্কুনা চুমাত্রেং লেপ্লে, মিৎ লৈমাইদা থমলকখি। শরত ইক-আ ইক-আ তৌরম্মী অহুম ওইনমক শমিতাদগী চা লৌবগীদমক্তা থুং তিংখোরকখি। শরত খুং নিকপগুম্বা অথা তৌই, চা গিলাসতু পাইগে তৌবমক্তদা খেংহুনা হৈদোকখ্রে শরত পাখৎনা শমিতানা করি হায়রক্কদগে হায়বগী মরুদা লৈ। শরত লাংতক্কনা শমিতাগী মাইথোংদা য়েংই। শমিতাগী শেংলিবা মফি মরোন পুম্নমক চা চোংখ্রে, মসিদা শমিতাগী মাইথোং মকা লাম্না নোক্রকখি। অমুক হন্না লৈথোক্লুনা শমিতা কাদগী থাকখ্রে! শরত ভাকপিনবা বাহৈ অমত্তগুম্বা হায়রৌত্রে তুমিন্না লুকথত্তুনা ফমহৌই। বিনো খোক্প্রবশিং আসগী মরমদা থংলমদে মরমদি মতমসিদা বিনো মিৎ উইশিন্দুনা হিপ্লম্মী। পোংশক অমা তাবগী মখোন তাবদা কিনো তপ্না মিৎ পাংখোরকখি। শরত লুকথত্তুনা পৈরম্বা বিনোনা উখ্রে। বিনো বানা য়াওনলক্কুনা তা শরত করি খোকখ্রবগে? শরত বিনোদিনী মাইদা য়েংহুনা করিসু খোকখিদে বিনো। নহাক নশা য়াম্না

লোক্সা ভুবে। বিনো বানা লোক্সকই ঐগীদমক অমুক থযোই শোক্সা থনবিরি। বিনো বা মথা তারমদে, শমিতা চা পুহনা চংলকখি। বিনো শরত্তগী মিং নৈথোক্তুনা শমিতাদা থমকখি। শমিতা অমুক হয়া শরতকী মমাংমক্তা লেপ্তুনা হন্দকস্থ চা লোনবা বাকথ হায়রকখি। শরত চা লোদনা লুকথৈ, চা লোত্রবদা শমিতা চপ লেপ্তুনা নৈথবে। অমুম্মা সেকেন্দ থরদি শমিতা না ভাংদনা লেপ্লম্মী, শমিত: মাই পুবা চম্রমদে। বিনো মিং শমিতাদা অমুক শরত্ত। অমুক হোংনা হোংনা থম্মী। বিনোগী মুত্তক মুথনলবা মাইথোংনা পুমতান ভানবা মীনোক অমত্তং মিংকুপ্পা নোকচখি। শমিতাগী ইকায়খিগদবা মত্তো বিনোনা ভুবিখ্রে। "তা শরত চা লোবিক্রে" হায়মক পিক্কবা খোঙ্খেগদা বিনোনা হাবরকখি। শরত থংপ্রেং থংনা চা লোই, চা লোত্রবদা শমিতা বিনোগী থুম্না ওইরগা কমথরম্মী। শরত চা থক্তি থকই অহুবু মহাও থংনা থক্লমদে তত্থাইমুক্তং থক্লগা চা শিলাসত্থু থমখ্রে। মরম ইচা চাদনা শরত ইকায়রম্মী, মশাগী মরান অহু ভাকপিনবা শমিতাদা হায়জখি।

শমিতা ঐবু ভাকপিয়ু।

শরতনা থাজদনা বা ভাংথোরকপদা শমিতা হায়কম থংদনা হয়াও থগী ইথক হোরম্মী। অদোমগী করগা ইবাগনা ঐহাক্তী ঠৈকমদা ভাকপিনবা য়াকম ভাকপিরিবনো?

ঐহাক্কা শোইথিবগীদমক্তা।

"অহুগীদমক্তা ওইরবদি মসিমু মীওইবগী হোনশানি" হায়হুনা

শমিতাগী যোমোম মীনোক অমনা শরতকী মরান লৈতে তাকখ্রে। খিনো ঙাংবরিবা থুদিংমক তারম্মী, অহুবু কমি মরমদা ঙাংবরি-যনো হায়রবদি থংখিদে। তঙাসিদা গোবিন্দ চালক্লূনা চৎবিংবগী রাকম হায়রকখি, "ইচেম্মা চৎনবা তৌরসি মতমসি থেংজিন-লক্লে।" খিনোগী হকচাংগী কিডম থরা কপংনা উরবদা শমিতা চৎনিংবগী রাখল লাক্লে। শমিতা তপ্না হৌপত্লূনা গোবিন্দা ঙাইহাক্তি ঙাইথরবা বাকম পনলদুনা চাইরিবশিং মথং মথাও লৌইশিনলকখি। চা হৈদোকখিবগী মতম লৈমাইদা চেহ্নবি, লিক্লি মচেৎ মচেৎশিং লৈমাইদা পুমচাই চাইথোক্লুনা লৈরম্মী। শমিতা থোঙখাং মাংনা কাদগী থোকখি। মিৎকুপ্তা ঈশিং মাঙবা পাত্র অমা পাইদুনা শমিতা চংলকখি। গিলাস মচেৎশিং অমমমতা ওইনা লৌথত্লূনা মকমদু নিংথিনা রাই তৈথোকখ্রে। শমিতানা তৌরিবা থুদিংমক শরতকী মমাংদনি। শরত শত্রিক য়েংদুনা লৈংবা ঙাংদে। মকমদু নিংথিনা তৈথোক্লবদা শমিতা থুং শেংনা হায়দোকখ্রে। শমিতা নক্লা চংশিনলক্লূনা খিনো তানবা মঙংদা "খিনো, খিনো" হকচাং থরা হুংঙাইরবদি ঐ অমুক চৎনবা তৌরগে? খিনো হকচাং থরা হুংঙাইরে হায়রবগী মঙং উত্লূনা "উম" থুমহৌই। শমিতা গোবিন্দগা লোইননা তপ্না তপ্না কাদগী মপান থোকখি। শরত মিৎকুপ কনি কাওবমথৈ শমিতা থোকখিবা থোঙদা য়েংদুনা লেহৌই।

(৫)

খুমিৎ মরি/মঙানিগী নতুংদগি, বিনো স্কুল কায়কখিরে। শমিতাদি খুংতিগী চাং কায়দনা স্কুল চৎখি। বিনো য়াওরবা ক্লাস শমিতাগী মিত্তা ইহাং হাংলম্মী। ক্লাসকী ছাত্রিশিংগী মরক্তা বিনোতবু শমিতানা উৎশিংখি। কনাগুম্বা মমাঙ্গবিনা হরাওনা ওয়াং শকপা তাবগা শমিতাগী থমোই শোক্লম্মী। পেরক্ত খুদিংগী শমিতা ক্লাসতগী থোরক্লুনা বেরন্দাদা কোইচৎ চৎপা। অমদি অঁচকপদা কখনা হৈনবি ওইরকখি। মমাঙ্গবিশিংনা খুংঙাইবা বারী শাররক্লবসু শমিতানা তানিংলুবগী মওং লৈতে। বিনোনা ওইহোবা ফিভমগী মরমদা থন্দুনত্তা লৈ, কনাগুম্ব মমাঙ্গবিনা হংলক্লবসু শমিতানা পাউখুম পিখিদে। মরমদি বিনো শোইদনা স্কুল কায়কখিগনি হায়বসিমক চপ চানা শমিতানা খাজখি। জোগ্রাফিগী পেরওনি শমিতা মপুংফানা ক্লাস য়াওনিংলমদে। শমিতা বাথল য়াম্না থল্লম্মী, "বিনোগী অমাবগী ফিভম ইকা কগত্তরা" অসিনচিংবা মওম মওন। মতম অসিমক্তি ওজা চন্দ্রনা জোগ্রাফিগী শরুক থবা ছাত্রিশিংদা কয়া তাকপা লাক্লি। শমিতা ওজাবা তাক্লিবা পুক্লিং চংবা তাবা ঙম্লমদে। বেঞ্চকী চুমক্তিং লেপথংলক্লুনা থংনখিবা মমাঙ্গবি অমদা থক্তিং থৈদোক-পিনবা হায়রম্মী। মমাঙ্গবি থৈদোক্লুনা শমিতাগী লবী থাংক্লে, মথাগী ফিজোল শেমজিন শাজিন্না শমিতা থোরকখি। শমিতা থোরকপা উবদা ওজা চন্দ্রনা হংই "শমিতা কদাইদনো" ? ওজা

মহাক্না লাইব্রিক তাকপা মিসিঙবুক্তি লেপ্পুখি । "থম্বা মগুমন্তু শরুকা থোক্লগে" হায়বম্মগা শমিতা ক্ল সতরী থোক্লখি শমিতা মিং কোইদৈ নৈভবা মিবাংবা তম্মিং ক্লাস মিয়াম্মী । মসিং পুইক্তবা ক্লাস শিং এ.থাবা শ্লেট উবগদা শমিতা ক্লাসচুমক নুরা থোক্তখাং কনশিনলকখি । শেরত তাংচে, হাখি খখি ওজাগা ফুংথ্য মাংখা মখি মখি থোকলখি । শমিতা লেপ্লগা থোকখিবা ছাত্রশিংসে মিবা মাঙত্র' য়েংলক্লই । মিবা মাঙ' মুমজে, শমিতা চংশিন্দুবা কাপী, থোরবাও, অরুরী, মখ্যুংমঙ্গা, লেপ্পুরে । ক্লাস মন্থং থিংবা শমিতাগী মিং মিত্নামু মিরখিন মসিদন্তু মিবা উরমদে । মিবা উবক্ল বদা শমিতা খম্মোই মংঙ্গংবা হেনগ্রে । মবাক্তা লেপ্পবা ছাত্র অমদা শমিতাবা হুখি "ইকাও ফুপী মিবা লাকপ্রা" ? মিবা হাবরদি কুনাইরুবা ইমদী কুখি নৈবাইদা নৈবা ফুপীমচাহুবা মথা তারম্মী । শমিতা লাংভেলরা, মুমাল নৈপা কাইদদী খত্রগে ? অতোপ্পা ফুপীবুচা অমদী পারমুম গইবা হ্রাবকখি "ইরে মিবাখি ফুন কাবক্লে" । শমিতা থা., মথা তাবগত্রে মপাগী ক্লাস তপ্পা হৎ নৈবোক্লগা লাংকুখি । শমিতা মঙ্গল ত্যানা পেশত মাওমিংবগী মথং নৈরমদে, খুংকা' ছুটি চে থমদা ইবগা হোৎনরম্মী । মিমিত খরদি ছুটি চে ইবদা চংগি লাইবা নিংখিবা খুপচিনরে । খুপচিনবা পুক্লোই লেইরবুখা. পংকনা কখিন্নবিবা শমিদা ছুটি চে শিরদৈ । খংবা লেপ্তুবা খুম্বাং শবিরবা মাংকম শমিতাবা তোপ্পু চংবা লাকখুগী। শমিতাগী লাইব্রিক থাক্ক মুদ্রংথুমবা মাংশিন্নবা মাত্রগুরী থোকখিল্লে মতম

খুঙ্গং খরবা মীওই অমত্তা ললিতাগী থোকপাং ফহি। থুং ৪৩০০ থোম্ফ তারকপদি মুখিংকী টৈশা ওন্তি। তাদুক ওইরবা লম্বুক মী ইতাক তাকখি। মুখিংকী টৈশাবা ললিতাগী মথা থুবাং মতুম থারবা টৈঙ্গো অমাক্তনি। ললিতা থোক থাংবা য়াবা থোক্পিদে, মথাখুবা চোক্তবখ্রা। অতুম ওইনমক ললিতাগী মাইকৈবোং উপ্পদি থোইদন কাওগনি তুন লাইরেম্বীবা। "ললিতা তুক্তি খারবা" হৌরকপা থোক্লেন অমদা ললিতা তুংবদা চেং-থোকখি। ললিতাগী মাইকৈদা শরত লাপ্তক লাক্লম্মী, হায়না চংলগা চাংবগী ললিতা থোকথাং তপথবকখি। অতুম ওইনমক শরতকী লাওথুম ললিতাবা পীবদে। শরত নকশিনলক্লা ললিতাগী থোকথাং অইত্তবা চংশিন্নবা হৌরকখি। ললিতাবা অসিত্তবা য়াইখ্রবা খা হৌদোকখই, অদোম বিদেশী মপাগী কিতম থংবিও মিত্রা? য়াওং অসিমক শরতকী খুনগদোখিবা লাওথুমগা অমুকী মপিক চানবা থোকখে। হায়না লেম লাহনা টৈখবক্তুনা শরতনা লাওথুম পীরকখি। শরত থোক্লেন লুম্না ললিতা ঐ বিদেশী মপাকী কিতম য়েংবা চংনুবদি। বিদেশী মপাগী কিতম য়ায়না কনাংদে মত্রা? ললিতাগী লাওথুম হেক পীবা ওন্নবে ইবং লৈবগী লৈরতকী মাইকৈবোং লিংকুম্লা ইমক মণিপুরলকখি। শরত হৌবা অহুম ললিতা ঐখোয় খুনগদোখিবাসি কখিদো? হয়া হংজিনলক্লা লাওবী শরতকী য়াবা ললিতা য়াখল ইমং মনখিবকনী। থোকপা মিংথৌ অমতং শরতকী মাইকৈবোংদা য়েংই শরত মুকপনী। খিনিত্তুঙ্গি থা চাংদোক্লগা থকিজেল্লা মতুংখী

নত্রা ? অহুগীসু মথক্তা বাকয় অসি হেক্ত ওইখোকপা রাব্রোই । শমিতা খোঙথাং কনথংলম্মী, থবং কক্তুনা ঙসিমক্তি থুরোনমল্লি । হৌজিক চংপগী বাকম অহুদি থনকয় খোক্তে ; শ্যাম নি চম্মরপ ত্তোই, ইবেম্মনা চংপগী মুমিং অম' লেপংখোকপনা চুমহে । শ্যামগী মশাদা লৈরম্বা ভাংবদা ইচং খোয়ম্বা খোঁত্রে । খোঙথাং ভপথহুনা ইবেম্মা কদাত্ত তাম্না চংলুখিনি ? ইবেম্মদা বা থরভং হায়নবা হোৎনবদা য়ুমদগী ফনা নিংখিনা লাপ্লক্রে । শমিতা মরৌ লৈনা নোক্তুনা ঙশ'ইনা কলগৌম্ববনিনা । য়ুমদগীসু লাপ্নে চংপগী চংপা থবক অমত্তুম চংমিম্মক্রসি ।

ইবেম্মানা চংকদবা, কদাইদনো ।

স্কুল কাওবতনি ।

স্কুল ছুটি থাবনা মতম ওইক্রিত্রা ?

রাংলি মিনিত্ত থরগী মতম বাংলি ।

কংনা নোকপা মীনোক্তা শ্যাম্না হো হো নোক্লম্মী । শমিতাদা লৈশিন্দুনা "হৎবা শকথিবা' ঐবু চংমিম্মনিংলিব' নমান্নবিশিংগী মথাংদা লেম্মনি । কনাগুম্বী নমান্নবিনা হ'লক্রবদি করি হায়না খুমগদৌরি ? ইপুবোক্লি হেক থুম্রগা লোইরেদনা । হায়হুনা শমিতা থিক থিক বোক্লম্মী, নোকপা থিংহুনা অসিবু শকচরো-ইত্রবে ? শ্যাম শকবম ওন্দুনা হোয়নে, হোয়নে থুম্মিংবা হেত্তা থুমক্রবো । মসিস্থু মসিনি ইবেম্মা তুপীমচা ঐনা হায়বসি করি লৈবগে মুম্না রাথল ত্তৌ । মখোয়গী ঐহাক্না কত্তনবা শিনবা অহুদি ওইদেদনা। করিগুম্বা মতমদসু নপাবুংগী মাংনবা ঐহাক্না

ভোথিজ্ৰ । নপাবুং নৈবা ভঙ্গা ওইরমবদি য়েংনবা অসি
থোক্লম্লোই। নপাবুংগী মরৌশিংতনা করিস্ত মনা মনিন নাইর-
ম্লোই । ইবেম্মা হ্যেং অসিমক চৎপদা লেপথোক্লবদি করি
অকারবা নৈবগে ? লমদম অদুগী প্রজাশিংনস্তু ইবেম্মবু হেন্দো-
ক্ল উনিংলমগনি । শ্রী মঙ্গী বাকমদা শিবিভানা মানিংবা উৎলকখি ।
শামজা ভক ইন্দুনা করে শ্যাম, হয়েং অসিমক্তা চৎপা লেপ্লসি।
লুরিবা অমনা লম অতুদা ঐথোয়গী মী নৈতমায়ে । পাবুংগী
ভাবদি থোবালগী লৌকম অসি অনৌবা নৈবা ওইরমায়ে ।
লমদুগী করম্বা মীওইবা ঐহাকপু শক থংলমগনি ? অদুগীন্নু
মথক্তা ঐথোয়গী থুংকম কনাগী য়ুমদা ওইক্লগনি । কনানা
ঐবু ভয়াম্না ওকপিগনি ? শিবিভানা হংবা বাহং, শ্যামদা থোইনা
থল্লবগী মচাক ওইদে । হৌখিবা মুমিৎখিংদা করায়ক হয়া
চৎলুরবনা । শ্যাম লম অতুগী লমিং তুমিং থংই । লম অতুগী
কনাগী য়ুমদা থুংলুগদগে হায়না ইবেম্মনা খল্লি । ইনোক বোক্তনা
শ্যাম্না থুম্লকখি। জোম চংবা শ্যাম ইবেম্মা চৎপভদি চৎপিম্ন। চৎপগী
থোরাং পুম্নমক ঐনা কনবা অদুম শিজগে । হৌখিবা চহিদা
লৌকম অদুবু উরম্বা মীওইনা। লৌকম অদুগী মরমদ: অকুপ্পা
মরোন থংলমগনি । মহাক্কী য়ুমদা থুংহনা করি করম ভৌবা
বাকমস্তু ভারকম থোকই । মহাক্না নপাবুং মশক মুম্না থংবনি,
মচানুপীদি থংহল্লবদা ঐথোয়গীদমক্তা লোইদনা মভেং পীরক্নি ।
শ্যাম্না চাংবা শিবিভানা পুক্লিং চংনা তাই । বারী শাবা শাবা
লাকপবা মূল গেট য়োশিনলকখি । শিবিতা মূল কম্পাওন্ড মচুং

চংলমদে। লেপ্তুনা ভাইনবা শ্যামা শমিতাদা হায়রম্মী। মিনিং-
তম্বুকী মতুংদা ছুটিগী পীরকপা কাংশি মথোন তারকখি। শমি-
তাগী মিৎয়েং স্কুল কম্পাউন্ড মপুংদা থম্লই। শ্যাম নাকন ওইনা
পেট মরাদা লেপ্পি। পিক্লবা ছাত্রশিংনা ঈশিং পন কায়বগুম্বা বা বা
চেপ্পে ক্লরকখি। চেপ্পোরকপা ছাত্রশিংগী মরক্তা মিনা য়াওরম্মী,
শমিতানা উহৌরমদে। শমিতাগী মিৎয়েংদি চেপ্পোরকপা ছাত্র-
শিংগক্তা মিনা থিরুই। ইথি থিগদুনা "ইচে কনা ওইরম্বিবনো?"
মিনা চংশিনলক্লুনা লেপ্লে। মিনা উবমক্তদা শমিতা মাইথোং
ইরং লংবা ফাক্লম্মী। নৈচলনা কুপপ্লুরবা থান নৈচিল্ মরুমদগী
লিৎথোরকপ। তছুগুম্বা শমিতাগী মখা পুম্বা হরাওবনা তথক
হৌরম্মী। থমোইনুংগী অনিংব রাকম হায়দোকক্লুনা মিনাদা
থংহন্বিংই। থবক অমা চংলুরিবনি মিন, রা মখা তারক্কে।
কবি হায়গদবনে শমিতা মথোং থংলমদে। মতুংদা হায়গী চংলেপ্পা
মীনোক শমিতাগী মাইথোংদা লাকখি। অমুক হন্না শমিতা কিংবা
ফায়রম্মী, তপ্না অসিদা শ্যাম চংলকখি। থোক্লেন লুপ্পা ইবেম্মা
হুপীবচা অসি কন নো? শ্যামগী রাংং শমিতাগী উপাই ওই, শমিতা
লুপ্তত্রনা খাল্লু। মিনা মলক তাকপদা মবুংগী মিং শোই না
শমগনি। শ্যামদা অমুক মিনাদা অমুক হোংনা হোংনা য়েংলম্মী।
মিনাদা থম্মা মিং নৈথোক্লুনা শ্যামগী পাওখুম পীরকখি। ঐথোর
হুপদা হুম্বিদাবোইরম অমা গোবিন্দ থিমলকখিবা। শরত হায়রবা
অহুগী মচল হুপীনি। মিনা শক থংলবদা শ্যামা শরতকী ফুরমদা
পারম্বনা হায়রকখি। শরতকী পুকচেল চাওবা, হুম্বিংতুদা ইমুংগী

মীওই খুদিংমা সুংশা থিনরম্বা। শরতকী লমন চাওবা তোনলবনি। হায়বনা চংবা থাগৎ বাটৈ কয়ান। মপূং ওইখি। মিবা মবুংগী থাগৎ বাটৈ তারগা নোককেং থোক্তৈ। থংনব ফিংক্রু মিনা চৎনিংলম্মী; মন ওপা মমাম্বি অমগা লৈরে। মিনা ১২ খংবন। লৈতারমদে ঙম্বা চৎনিংবে লৈবমদু চৎপগী বাকম হোদোরকখিদে। শমিতা মিনাগী মশুং থংলম্মী, মিনাদা মিং থম্লহবা "মনা চংলিংম্লনি"। অহুপদবে নহ ক্লু' চ খিবদা পাও অমত্তং পুখিবা তাইদে। মিনা থংদনা কনাদা করম্ব প্যাও হায়রম্লগা মিনা লোম্রম্মী। শমিতা ইকায়ন নথোয়গী তামোদা শোইদনা তমদবা য়াত্রবনি। মহাক কাক্লবা য়াদে য়াদে ঝাম্লা লুরবা থবক অমগীদমক্তি। তমদবা য়াত্রবনিকো মিন কাওগনি। শ্যাম্লা শমিতাগী বাদা মরক থৎলকখি, হয়েংমক্তি থবক ৫ থোকনি। মচেম্বা য়ুমদা লৈরোই মথংগী স্নী ৎতা লাম্লবা ভম্মু চুপীমচা। অহুবুদি তম্বিগে হায়রম্লগা মিনা চৎপা হোত্রে। মিন হম্লা য়ংথোরক্ত্না থুং হায়রম্মী। মিনা চংখিব য়েংচুন। শমিতা লেপচোক, চৎপগী বাকম হোদোক্লখিদে।

(১০)

লৌগী থবক পুরম্বা মোধুদা শমিত লাকপগী পাও শ্যাম্মা থংহনখি। শমিতা লাক্লবি পাও শাবদা মোধু হর'ওরম্মী। মোধু নগা ওইরি'ঙ মতমদা লৌমী ওইনা পুন্স লমলকখি। অহল ওইশিনলক্লবদা লৌউবগী থবক থাদোক্ক'খ। মতু'দা মোধু প্রধান ওইনা শকথংনবা হৌরকখি। পৌবাল সবডিভিজন-গী মহু'দা' লৈবা মীওই খুদিংনা মো'ধু খং'-বা ওমীচ য়াওদে। মোধু খং'দবা মুপা হুপী খিবা থগা য়ানা থোকই। লৈকাই য়াথোক, খংব চৈনা থোক্লকপদা। অচল অমা ওইনা অচুম অরান বিচার তৌরম্মী। লৈকাইগী মহারোলশিংনা থুরা মোধু হায়রগা মারোইরৈ। মোধুগী মত মত মতুংতন্না অচুম্বনি অরানবনি লৌরৈ। হুমিং অসি মোধু যুম্নগী চৎথোক্লমদে। "হুপীমচা অহু য়োরক্লব্রনে" চেপথহুনা থোক্লানলোমদা য়েংবতম্মা মিংকুপ কাম্লখিদ্রে। শ্যাম্মা অচৌবা যুমজাওগী কা অমা লৌহুনা শেংদোকপা হৌরম্মী। মীয়াম তিনবা মানবা মওংদা টেবিল চৌকি মকব চানা থাই। কাগী ফক্লাংদা লাই অ মিংথিনা থেৎলি। শ্যাম অমুক হন্দোকই অমুক চংশিন হুমাং কাবমথৈ হোৎনখি। যুমজাওগী অকোইবদা অম্লাৎপা, অনম্বা' মচু কম্লাগী চেগী লৈ থেৎখ্রে। য়েংবদা মোধুগী মৈতৈ যুমজাও অহু ওইনা ঊখিদ্রে। শ্যাম্মা হেম্মা লৈতেংবা ঊবগা মোধু থমোইহুদা নোক্লম্মী। মোধু হুমাং মচি অমদা লেপ্তুনা শ্যামগী মতৌ য়েংই।

মোধু নক্লা চংশিন্দুনা ইবেম্ম শমিতা য়োরকপা মতম ওইত্রিক্রা শ্যাম লৈখোরক্লম্মী, মাংতনক মোধুদা উংলকখি। থল্লগা শ্যাম্মা মকম অংসগী হংম্নবাদ লাকপা য়ারে। তুমিদ' রাইরম লাক্নে থন্দুনা লৈখোকখ্রবরা ওস্বা ভরুছদ্রে। মপ খুং য়ুমদ' লৈতে, মসিদা ত্রিখোয় ইবেম্মা পংরা রাজরগাসি ইবেম্মা লাক্কু য়ারোইদৌদ্রি থল্লুদো। মপাবুং লৈরিত্তে মতমদা খোঙকাপ অমতা চংখোকপা পংলক্কবনি। রাকন অমতা ইবেম্মগী নাক্তোঙ য়োইনলমদবনি। চাওরবা মখোন লোংবা আনগুব কোজুংগী রাজকুমারিনি। মোধুনা পংদবা উংলি শ্যাম য়েংহুনা মপাবুং বিরেন্দ্রো লৈতে হায়বা। রাকম অসি কনি লমদা চংথিবা ওইরবনো? শ্যাম ভাই তুপীমচা মমইবেম্মগা লোইননা লাকনিদনা। শ্যাম খোয়ক্কুনা মেধুগী মনাক্তা লৈতানা ফমথরকখি। মোধু য়েংহুনা "হেরা ভই" কদাইদগী ওইগদগে। মমাইবেম্মা সোরো মপাবুংনা নবদ্বিপ চংপদা লোইনখি। মকম অড়দা সম্পতিগী মরমদা য়েংনবা কয়া থোক্লে। বিরেন্দ্রো সাহেপকী মরল ওহোক্রুম্ব লৈখ্রে ইরৈপাক্তদা নত্তে মীরৈপাক্তম্ব। মোধুগী মাইথোংদা ভকপগী মমি তারকখি, থুইরবা মাই ভাম্না নোক্লম্মী। মোধু নোকপা হঙ্গিন্দুনা হোয়নে বিরেন্দ্রে. উকিল নিংথৌ পানবা মতম ওইরম্লবদি। অনিগুবা নিংথোমক্তি হায়বা মাই। মী হায়বা অসি মীমায়দে ওন্তোকনু লাইবক লৈত্রবা হয়াবা অহুনি। ডাংবা ডাংনা মোধু ইমুং চংখি। শ্যাম্মা অমুক চুপ্পা লৈতোংবদা মৈতৈ য়ুমজাও সগণ্ডম্না নিংথিদ্রে। মোধু ইমুং অমুক চং

অমুক থোরক শমিতা লাকপা ভাইন্তুনা লৈরম্মী। যুমদোলগী শিংনা অমা লাক অনি লাক কনিংঙনো কনা লাক্কদৌদ্রি। বিয়েংগী উকিলগী মচানুপী লাক্লি। ও! হায়দুনা চংলকপা মী কনবা য়াওনখিত্রে। কনা অমনা "মস্তাইবেম্মা" ঙ্গ বখিনি হায়নয় য়াওরম্মী। মীওই খরনা অচুম ভরান কৈদি হায়হুনা কমথনরকখি। চৌকি লৈরম্বনা চৌকিদা কক মপা থোরকনা কক্কা। মোধুগী যুমজাও কনা নিংখিনা মীয়াম তিনখি। ভোঙ্গন ভোজানবা মত পীন্দুনা বাবী শারম্মী। ঐখোযগী কোমোলগী মত অদিনা কপিনো? অহুবা ওইমম্ব অরানবা ওইমমু মাগী শেন চাংবা মত ৮। লৌ-লিংগনি হায়দুবা খিংজিনব চুপবনি। শেন চেথর ক্রবদি শেনমম পংজিং তিংহুনা ভোক্রদি। মীদ্র খংঙবা অমদি লৈরিনি, নত্রা দবু মীগী লৌকায় থংন। শোক চনবা ওইরে হৈ। নাহা ওইরবা পাংদ অমাকা হৈক্লা থুক্কখি। খোইদা হোগৎনরকপা মতম অহুদি কৈদোহোঙ্গুনা উহোজবা জাদলা? হোজিক্তা নৌনা লৌকম অসিদা থোঙ্গন তারেনলোই। অসিদা ঐখোয়না কুমৈ ওইনা য়েংহুনা লৈবা য়বা নত্তে। মশাগী অত বি সিমমা থংনরবদা অমুক বাথোক চাওমে হৈ। মমামগী বা তারমম্বদগী অহল অমনা হায়রকখি। অমুস্ত ওইরো কোমোলগী থৈওং অঙনিংমক্তি কক্নমন্দবব থল্লি। চুমজনররে ইবুংঙো? চুপই খুরা, মহাক তিং শোক্কা শাওরিবনি। কদি হৈল হায়রবা অহুদি ঐখোয় ম্মারা খরকম থোকই। নহৈ নহৈ লামী মাঙ্গী মক পীদুনা য়ারী শাররকপা। মতম অসি পুং ১১

থৈশিনকখি । তুমিং কোঞ্জান তম্লক্লে, উং মচুগী কার থোঙ্জিন্লক্লে । তিল্লিবা মীওই থূদিংবা বারী শারম্বা লেপ্লখি । অপুনবা মিংয়েং অমত্তা ওইবা "য়োম্লক্লে য়োমক্লে" । চংলক্লিবা মুপীমচা অসি শোইদনা ওইগনি মিরেম্রো উকিলগী মচানুপী । চুমই, চুমই মচা ইবেম্মনি, তক থাজত্তুনা শমিতা চংলকপা য়েংনি । শমিতা মথা থোমজিন তাশিন্না ময়ামগী মাইথৈদা চংলক্লম্মী । শমিতাগী মাইথোংদা ইং তপ্পগী মমি তাই । ফজবা শওং শবান্না তিল্লিবা মীয়ামগী থমোংই চিংশিনখি । শমিতা মাই লুকথরম্মী, ময়ামগী মিয়েংদা মাই পুবা ওম্লম্‌দ । শ্যাম মীতেক মীয়ো থংবা অমা ওই । লাপ্লিথৈদগী শমিতা ওক্রবগী-দমক্তা শ্যাম থোরকখি । শ্যাম উবদা শমিতা নোক্লম্মী, পমেং তমতা ওইবা চংমিন্নরকখি শমিতা লুকথদুনা অমুক চাওবা থোরাংবা ঐবু তকহল্লে । করিগী থোরাং চাওবা তৌরিবনো? থৈজনা য়েংই মতুংদা শ্যামদা ওক্না মিং থমকখি । শ্যাম ইচং থোনা, ইবেম্ম কোমোল কোক্লনবা মী থাগ্রে । থুক্তাশিং য়াওবা অচুম অরান বিচার তৌগনি । কোমোলনা হায় মহাক্না লৌ-কমদা গজ ৮ মুক্তা লম হেনজল্লি । রাক্ষস অসিনা চুম্বা তারব । ইবথিবা চেয়োনগী দাক মতুং ইন্না অরানবনি । ইবেম্মগী থম্ম, কোমোলনা অসিগুম্বা অরানবা মথং তৌরকনি । চেয়োনগী ওন্নথৈরবদা বাইত শিজিন্নদুনা লৌকম থিংবা তক্লিং-ডাইনি । বা ডাংবা ডাংবা শ্যাম নোক্লম্মী, উনথানা কুপ্পা মীগী পুক্লিং কনানা থংবা ওমগনি । শমিতা থম্লগা মমিদা মমি

অকায়বা লৈবগে ? খুরা ইখুংদো বোমোলগী অপাম্বা অহুনক ওইখ্রস্ন পাক চাওথোক্লুবা নিংঙাই শংদানগদবগী শরুক শটিন্নবা ওইখিবনা হয় হৈ। শমিত্তা ইং ওপ্লকই, ঐথোয়না করিদবক্ত লম গজ খবগী কেশ খোরাং তৌরুগনি। গজ ৮ মাংবদা ঐখোয়গী অমাংব ফরিশ্ব লৈজবনি। শমিতাগী মাইথেং য়েংজনা শ্যম থুম্নকখি। ওইথোক্লবনি, করিগী ইবেম্মনা অস্থুম্না তাকপিরিবনো ? কেশ শোরবা শোরুদবা হায়বা অদুদি মওংগী মতুং-ইন্না লক্লনি। কোমোলগী মওং অসিদ হাইরবদি গজ ১গী রা নত্তো য়েত্তুম মতোন্দ পকপা লৈরক ফাওবা হৌজিকনব চুমদে। অশাউবনা শ্যাম লাকহংলম্মী শমিতগী মমাদা শাউব উৎনমদে। শ্যম্মা রাম্মা ওপ্পা ইবেম্মা মতুংগী কাদা লেংশিনবরকাস। শমিতা চংহুনা ক মতুংদা করই, কোমোল লাকপা তাইরম্মী। ঐহাক করি খুম্বা তাবগে কুপ্পা নৈনজুনা শমিত রাথল থম্লি। থোড রাংমদগী খোজেল অমনা "চংঙ্করকপা রাগন্না"? শমিত য়েংখোকখি, লেঙ্গা ওইবা চুপী অমা নোক্লুবা লেপ্লম্মী। থোঙজিন কাপশিব-লক্লুনা রাম্মা বাথুল থল্লম্মি, খোইবা থল্লুহুদা। শমিতা হৌগত্তুনা তহৌদবগী তাকপীগনি লেংশিনবিরকউ। চুপীচুদা ফম্নবা হায়, চুপী অহনা শমিতাচুম কম্নবা হায়রকখি। মখোয় অনি অমনা অমবু কল্লবা ইররম্মী। তাইহাক ইররবা মতুংদা চুপীচু কাম্নজে থম্নমাসে চৌকিদা ফমখ্রে। চুপীচুগী মাইথোং চম্না কজৈ মীনোক্লুংহু ওরহৎনিংঙাই ওইরম্মী।

অথোয় অরুকং শক তাকপিগন্না ?

ঐবু শক থং‌িংবগী বাকম রইরত্রা ?

েোয় গুম্নি।

কর্বগী য়ারোইদগে ঐ যুম্, অসিগী মচানুপীনি; মিংনা শুমি কৌই্জে। অদোম ঙসি চনগনি হায়রবা অসিম অচুম্বা ওইগ-দৌশিত্রা ? শমিত্তা কমথরব্রে, শুনি য়েংলগা হায়রিবা বাকম অদু অচুম্বনি। লৌকমগী মরমদা অরেম্বা মওং থংলগদি নুংমদাংবোইরম চমসির থজ। মাইথোং মকা লাম্না অদোম্ শক থ বদা ঐহাক অপুক্তা মতিক সুংঙাই। ঐগী পুাক্নগী সুংঙংহব করি অমুক হায়গনি। শমিত্তা হরাওবা উৎলি. শুনি মাইথোং তাইফেং তাহাশনলকখি। শুনি শককম ওন্দুনা লোংমতম্ লাকপানঙন। হেক্তা চনগে থল্লিবা করিগীদমক্তনো ? চুমিং থর' লৈহনা চুংঙাইবা বারী কয় শাখিসি। কাকাদগী তাবদা অদোমগী লৌগী বাকম অসি অদোম্না লোইদনা চুমগনি। অদু ওইরবসু ঙসি হন'থবা শুকয়া য়ারোই। শমিত্তা নোক্রম্মী, অদুদা শুনি ঐনা করি হায়গনি। করি থুমগদগে ? নহাক্না লৈথবগী বা কায়রি ঐগী যুমগী মওং থংদহনা। শুনি নোকথো-রক্তুনা "থংজরে ইবেম্মা" ঐথোয়গী অসিদ' কদাইদগী লৈনিংগ-দগে। ইত্তা ইবেম্মাদি অচৌবা ইম্ুংগী মচা মওনি। অদুগীসু মথক্তা অমত্তা পোকপনি, ঐথোয়শুম্না থুংলংগী পুন্সি চঙ্গা থোকনি। অদুবুমে ইত্ত. ঐথোয়ম্ নৈনৈ চম্নুনিকো। ইত্তা ইবেম্মা নথোয়গী লহরগী পুন্সিদগী লাপথোক্লবসু। শুনি মিং শুক্রপ তৌরকখি, শমিত্তা শুনিগী পুক্নিং থংলম্মী। শমিত্তা নোক্নবা ইত্ত. ইবুঙনা ঐবু

মীতোপ ওইনা লৌরে। ঐগী ইতাগুম্বা চম্বা মুপীজাগী মপোক্কি। হায়বগা শমিত্তাগী তত্তাংলব' চিনবান ে।কক্কেং তৌরকখি। হা মথা তাই, থুজং অমদি সহবগী পুজি করম্বা খেম্ববা লৈবগে? খেম্ববা হয়বা তারবদা তোংতানবা লৈকম অহুওবি। মীদি মীগী মী অমহানি। ইত গী যুমদা লাক্কুনা তুনি ইতাগা শক থংনবা কংজরে। ঐগী করা লাইবক কশ্রবরো অ ম্না শক থনেগনি থাজরমদে। তুনি মরো লৈনা নোক্কুনা অতুম্না থল্লগা ইতা ইবেম্মনা। ঐখোয়গী যুমদা লৈনিংজবা করিগীদো? খেম্মনা লৌবা ০ত্রবদি ঐনা হায়জবস্ত্র য়াকম খোকই। তুনি খোমজেল করথংলম্মী, ইতাগা অহাও হাওতা থর ও' চামিম্নখিদবা য়দে। ইতানা অন্নুক য়াম্ন লৈনিংলম্লোই অংজবম্নবদি বাকম অাসি হৌদোকচরম্লোই। তুনিগী বাদা ০মিত্তা পুক্কি ও০লম্মী। খোমজেল শিন্না ইতা ঐতান্না লৈনিংদবগী য় কম প০খিব লৈত্রনে? "তুনি ইতা" মক। অসিন লৈ।থাম্লবদি যুংগী কিতম করি ওইগনি? তনি মিংকুপমুক্তং থল্লগা থংতরে পানু' অমদি ইমাই- বেম্মা লৈদে। অতুদা ঐনা হায়বস্ত্র অকায়ব' লৈবোইনা। হায়বম্নগা ত ব য়াম্না হৈনিংদনা নেতুম্মী। অদুম্না মরুপ অনি ইতান ক ম্না উম্ববদা শক থংনবে। অমনা অমগী মকমদা কোইদনা থমোইমুংগী য়া করা কোংদোক্ক'খ। য়াবী শাম্নবদা মিনিত্ত থরা হৌখি, থংহৌদনা মপান্দা লা বা তায়ক্লম্মী। মে'ধুনা মাং হায়তুনা কেমোন ফি'না চ'লকখি। কোমোলগী খোঙথাং দুমই অমম্নং কল্লি। মিং অনিমক্তা ইগুম্না

ভাংখং ভাংলম্মী। অমাউবনা লাকলংগা খোঙহোঙজা কোমোলনা ওংহুনা "ইবেম্মা মুগীমচা" । তোক্তগ ইপক অহলগী মতম ওইরে। ঐনা অমুক কনাগী মকমদা মৌরশ্মা বা ভাংলোই। হৌখিবা চহি কয়াদা ঐনা অরানবা তৌরকখিদে। কোমোল হৌবা মাইরেম্পকুম' বা ভাংব হৌরক্লম্মী। মিৎ লংঙে ফুনা মুগীমচা ঐবু কপুবা ভাহনগনু। গজ ৮গী লম শুকলোই খেং-ইদন ঐহ কী লৌকনদা হেনজিনলবনি। মুগীমচা লম গজ খরগীদমক্তা হেক্ত হায়জিনবা ঐদি নাত্তে। অচুপ্পা নমখাক কৈদৌউভেদস্তু তৌখিত্রি। শমিভা মোমোন নোক্লম্মী, খুবা ইবুং-হোনা ভাকপি অরানবা ভাংলোই। খুবা ইবুঙো হাঙ্গবা বাকম অসি উইনগী ওমতৈনবনি। দলিংগী মজুং ইমা গজ ১গী লম লৌকমদা চেক্তে; খুবা ইবুংঙোগী মহি হাওবা দলিন নৈরি। খৌঙং অসিবা ভাকপদ খুবা ইবুঙো অচুপ্পা চংলরোই। পাবুংগা ইনখিবা দলিন অমুক নৌবা লেমদোকপগী বাকম নৈত্রা? মৌরামগী অপুনবা মিৎয়েং শমিভাদা থমই, কোমোলনা ক র খুমকপগে লাংভক্তে। কোমোল বা ভাংনা তুমিন লুকথহনা নৈখোক্লম্মী। শমিভানা বা মখা ভারকখি, অমুম্মা কৈ হংবা অহু। য়াঁমা কুপ্পা বাখল তৌহনা লেপলোকপিমু। খুবা ইবুং-ঙোগী অনিংবদা ঐহাক্না অয়েংবা পীজরোই। পমিভাগী র ভাবগা কোমোল ঐহাক্না অয়েংবা পীজরোই। শমিভাগী বা ভাবগা কোমোল ইকাইরম্মী, মাইভ ভাংলক্তে। লাঙবা হনহনা ঐনা হাযবা ভাও মুগীমচা। ইনখিবা দলিনগী চেরোল চুয়া

লৈবা য়োম্বগী বাকম ওইরগনি। লমগী অকক্নবা দাককী মরম পন্নবা লৈতে। ঐনা পীবা দ'ক্ত অসিনা অকক্নবা ওইরে। অঙ্গনা সুপীমচা হেনজিনলিবা গজ ৮গী লম থাদোকপা চুমগনি। শমিতা ভক্লা হায়থিবা য়া হোংহুনা ভাংবা য়ই। চেদা ইখ্রবা মখেক অমুক করম্না হো'গদগে? শ্যাম তুমিন ওাংনবা ভারম্বগী ভক্লা কোমোলগী মাইদা য়েং ল্মী। শাউনা কোমোল ভা, দলিবগী ওইবা বায়োল ঐ:থায় ইবেম্মনা থংলোই। ঐ.থাম্বগী ইবেম্মা শমিতা মথাবক থ ওবা ইনখিবা নত্তে। মপাবুং লৈরেত্ত হায়হুবা চক্কি অহুক হাক্লা তৌদবা কৈ। দাককী রাকম পন্দুনা লৈত্রবস্থ ইনখিবা বায়োল অচুম্বনি। অহুগা মরম লৈতনা লৌকম থিংবা অসিনা ভাইগী করম্বা নিত্তিলো? য়া ভাংনা ভাংনা শ্যামগী মিং অনিমক মৈগুম্না' ইরুং লংই। শাউবা কুপ-শিন্দুনা ভাই তুমিন্না অমুক্তা তিন য়োংথতুনা বাথল তৌবিয়ু। ভাইনা তৌরিবা অসি লানত্রা চুপম্রা কয়াম্না কায়বগে। কোমোল হেম্না শাউখ্রে, শ্যামদা লৈশিনলত্তুনা "ওই শ্যাম" থংলাও লাওরকখি। কোমোল থোঙেল হৌনা তাও ঐগী বা, ইবৌ নৌনা দলিন শেমদোক্ল হায়বা লৈখিদে। ঐনা শেমদোক্লিংবা কনা লৈরবদা য়াগদবা লৈতে। মসিদা ঐঙোন্দা থোইনা কায়বা লৈরোই থম্লি, ঐহাক্তি অচুম্বা পামই। নিয়োন কায়োম থিহুবা অরেম্বদা মতম শিজিন্নবা। লমশিং থক হেম্না চোং-থোরক্লোই অকক্নবা দাক মহুনা। শ্যাম লৌশিং অমা লাক্লম্মী, কোমোলগা মামহুনা ভাংনম্নবদি বা মাংহুনতা তোক্লবি। শাউবা

কুপশিন্দুনা শ্যাম চিৎবান্দা মেংমোন নোক্লম্মী । শ্যামগী মশাদা লৈরম্বা অশাউবা মাংখ্রবদা । চিংলেম্মা ভাইনস্থ হায়রি অচুম্বা অত্তুদি ভ ইম্ব য়াকয় থে কট । য়েংনবা ঙাক্তনা অকবা ওইরোই, খঙ্গবিয়ু ইবেম্মনা মকম অসিদা লাকপগী মরম । শ্যাম মাই লৈথোক্তুনা ময়ামদা তৌকয় খংদবা উংলি । শর্মিতা য়েংচুনা শ্যাম্মা ওপ্পা মুপীমচা নহাকস্থ খঙ্গু । ভাই কোমোলনা খল্লি মহাক্না হায়বনা অচুম্বনি । ভাই কোমোলগী বাকয় অনি ওইথোকপা য়ারিব্রা ? অসিদা ইবেম্মা কর্ম তৌগদগে ঐ খংদ্রে । নহাক্না চে দলিল পুথোক্তুনা ময়ামদা উংপনা করগনি । মোধু তাবদা বারম্ববজাংবনি, হঞ্জিন হঞ্জিন ঙাংবা কোমোলগী রা পুক্লিংদা নোক্লম্মী । থুং শা য়াওনা তাবিয়ু ভদ্রলোক পুম্নমক । অস্তুম্মা য়েংনবা অসিনা কর্ম তৌংজগদগে ? য়েংনবা হায়বা অসিমক্তবু মাইকৈ অনিমক্তী ওইনা অমাংবনি । শাউনবা ঙাক্তনা অচুম্বা কৈদৌউদস্থ কংবা ঙম্লোই । মাইকৈ অনিমক্তী য়ানা চে মীয়ামগী মমাংদা পুথোরক্তুনা । তাইশিম্নবা য়ানবা থম্নবা হোংনবনা চুম্নগনি । অস্তুম্মা য়েংনহুনা মতম শাংনা য়ানবা থমদবা ওইরগদি । লোপুতগী অমাংবা মতুনা খুঙ্গা ঐথোম্নগী অকায়বা ওই । মোধুনা পীরক্লিবা মত মীয়াম পুম্নমক্না য়ানিংবা ফোংদোক্লখি । "অচুম্বনি অচুম্বনি" খোঙোক অমতা ওইনা মাইকৈ মন্নিদগী লাওনবকখি । মোধুনা হায়বা মতুংইন্না চংখবদা লেপ্লে । শর্মিতাগী মাইকৈদগী অইবা চে, দলিল পুথোক্তুনা মীয়াম তানবা পাথোকখি । কোমোল য়েংপা ঙম্নমদে, মশামক্তী

খুৎকী নহিবা পাজল পুম্নমক লৌথোকখি। কোমোলগী মনিং খুংমবগীদমক্তা অমুক হম্না লম ওংহোকপা হায়না য়াই তাখি।

(১১)

মথংগী অয়ুক্তা মিনা শরতগী কাদা চংলকখি। মিনা বাখল থম্লি, করি হায়না তমসিগে। চপ লেপ্তুনা মবুং শরত চংলকপা ঙাইরম্মী। অয়ুকী হৌনবা চিন-য়া শেংবনচিংবা লোইরক্রে। শরত চংলকপদা হায়না মিনানা ঙাইহনা লৈরমে। মবুং শরতা অচুম্বা পাও অমা শেংনা তমহই। মিনা নোক্তুনা লাক্তবা য়াদে হাম্বংহৌবনিকো তামো। হনুবা অমা লোইনদুনা লাকখি। "অহুগনে তামো" ইচে শমিতা মহৌশাপা য়ামক্রে, স্কুল চাংনাইনা কার্বকদিক্রে। ইচে শমিতানা তঙাই ফদনা লাক্তবা য়াবোই। হায়দুনা য়াম্না পুক্নিং চংনা হায়রকখি। শরত থলহৌদনা নোক্লম্মী, নোক্তুনা অহৌবুনে মিনা। করি চুমিংতা লাকউ হায়রকই? চিন খোক্কা শোম্লি এবু চংসিবা চৎকুমসিদা। চৎলুরবদি থোকপা অমা হেক্তা থুমকপা য়াই। মিনা খিক খিক নোকথোরক্লে, কিম্না মীবোক্তু লেকখি। মিং মচাহনা শরত য়োংহনা তাঁমো ইচে শমিতা ইমাক থুমি। মশাক করৈ কনত্রবে, য়াম্না ফজৈকো।

ছায়ে ঐদি কবি হুমিংবো হংহোক্রে। মিবা মাইথোংদা উৎত্রবগী ভাংথোরকপা বানা মবুং লক্লম্মী। বিংশিংবা শারছুনা কবি চায়হোবা তাহোক্রে অছুম লাক্লবা। ভরাং তম্মীগদবনি চৎথক্রা শাউগক্রা থম্মুনা ভমদবনি। শরত নোকখুনা মসি অভাং অসিমা ভাপ হেক কচিনলে। অচৌবা খুৎকুম উকখা মিমাদা কিব শিংই। ঐনা হায়রবা অছুনি পাওসু ফম্বা কিম্মু থিনগে তৌবা। শুগত্তুনা মিনা ইঙ্গুংদা চেনশিনখ্রে। খুত্তুম তাশিনলুরবা কিন হেংহুনা শরত লপ্লম্মী। শমিতাগী পাও পুংকপা ইচান হানবা ওইনা থোকই। মচল মুপী ওইহনসু মিনাগী রাথল লাবরা উবগা শরত হকায়রখি। হকায়রবা হ যবা অছুদি শরুকী মাইথোংনা তাকপনি। মমাংগী হুমিংক্ত' শরতন শমিতাগী বা ভারা চংখিদে। শমিতাগী বাদা শরতনা হিক্তোকপা ভম্রদে। শমিতাগী মরমদা থক্লম্মী, থম্মুনসু শমিতা মশক থংবা ভম্রদে। মতৈমথংদা শমিতাগী মুমদা' চৎপা হায়রবা অসিমক লেপথোক্রে। হুমিদা' বাইরম ভাইবদা শরত অদুকী মতিক বা'না থোক্লম্মী। অপে'না থল্লা থগ্রগ থোকনা হেরা শমিতা উবিংখি। হুমিং লৈথরক্রবা মতম্মি, শমিতাগী মুমদা শরত লাকখি। হুমিংকী মশা হয়খিছুনসু শরতগী ইকচাং, মাইদা হুমাং মরিক মরিক পোই। হুমাংনা লিংলকপা কুবিৎ কাওনা চোংখি। "শমিতাবা কবি-হায়রকপা" হৎনা চংবা শরত রাথল থক্লম্মী। শরতনা অসিমসু লেপথোক্লে, ইমুং মচুংগী মরমদা রাকম থরা থংলোকপা। অপোইবা শিংনা চায়রো হৌরক্লুবদি তর্ক তৌহনা শমিতা শাউহ-

নবা। বাখলদা লুপ্পিদৈঙে শরতকী শাংলবা লম্বী তেনশিনখি। চাংলকপদা উরে ইমুংগী মীওই অমতা মপান্দা লৈরমদবা। ভুমাংদগী শরত খোঙথাং তপথরম্মী, বেরেন্দা নকশিনক্লবা কাওবা মী অমতনা কৌরক্লমদে। খোঙনাও কাশিংগী খোঙ হাংদোক্লনা লৈরম্মী। মাঙোন কাখত্তুনা কাদা শরত য়াংনা চংলকখি। মতম অসি কাওবা কনাগী খোঙেল তাখিদ্রে। ইমুংগী মী অমতা উত্রবদা চময়বা পোক্লমদে। শরতনা খল্লি, ইমুংগী মীওই খুদিংমক মমুংগী কাদা লৈরমগনি। কাগী খোঙনাও খিংজিনলপ তৌবা শরত ফমথৈ। ফক্লাংগী অয়েকপা অনম্বা কেলেন্দরনা শরতকা মরুপ ওইখ্রে। খোঙনাও লানশিনলম্বা হুমিং মঙাল কাদা চংলকখিদ্রে। মিনিত ৫/১০গী মতম শরত মথন্তা ফমম্মী। চিক্লা কন্বদা শরত হৈননা খোক্লমদে, ইমুংগী মী চংলকপা ঙাইবা তাখি। শরতকী খমোই শমিত্তাদা লুপ্লম্মী, হুংশিবগী বাকম ঙাক্তি ওইদে। হুংশিবগী চাং অনুকী মতিক নেমখ্রে। শাখি শানৌগী হুংশিবা মচল লুপী অমগী মকমদা থম্বা হুংশিবা। করম্বা লোগনি? অমা হেক্তা লৌরসি শমিত্তাগী ফজবা শক্তম শরতনা কাওবা ঙমখিদে। মসিনা তাকপদি শমিত্তাগী বাখল থাদোক্নে। শরত কমছুনা শমিত্তা খোয়রকপা ঙাইহনা লৈ। শমিত্তা খোয়রক্লমদে খৌরানি ওইনা চংলকখি। শরত লুকখহনা লৈরিদৈঙে খোরানি চংলকপা উহোরমদে। খোজেল পিক্লা খোনলকখি "ঐবু লক্লরিত্রা" ইত্তৌ য়েংবা হুংঙাইহনা। শাউসি বায়রা শউবা ঙরোই হৌগত্তুনা খোকথ্রসিরা। খোজেল খোক্তনা শরতকী বাদা খৌরানি

মোক্লম্মী। থৌৱাবিগী মাইদা চরং-লংবা মঙাল ফাওরক্লে। ম'না চংলক্লুনা শঙ্গোম গিলাস অমা শরৎকী মমাংগী টেবিলদা থম্লে। থৌৱাবিনা খল্লি, মতম কুইবা শরৎকী অশাউবা। থৌৱাবিগী মাথল শরৎকী মাথলগী ওয়তৈতেনৈ। লয়রিবনি অরেম্বদা মতম শিজিন্নে হায়না চপ চাবা থাজক্লে। থৌৱাবিগী মীনোক্না শরৎ ইকায়রম্মী। থৌৱাবিগী মীনোক অথৈ লৈ অমদি চিংলেম্মী। থুইরবা উনশা, তকচাং মৈকাপ্পিগুম্বা লংত। থাজদনা হংই শরত্তো মঙ্গুংগী কাদা লৈরিবন্তে ইবুঙো চংলকপা ফংহৌক্লে। কয়াম কুইরে ইবুংঙো য়োরকপা? শরৎ থুমমদে মাই লৈথোক্লুনা মাথল থল্লম্মী। শামিজাগী অশোইবা পুথোকপা ওয়্রগনি, মহাক্কী মওং অসিদি চুমদে। লক্লবা ওইরবস্তু লক কাওবতংদি উৎলকয় থোকই। শরত্তনা ফংদুনা লৈবা ফিবগা থৌৱাবি ইচক চক্লে। ইত্ত ইবুংঙো শঙ্গোম অসিত্তম থকউ। লিক্লি গিলাস ওইবনা হংবমা হানলনি। থৌৱাবি বা ঙাংনা ঙাংনা চৎপা হৌরম্মী। থৌৱাবি লৈথোক্লুবা চংথিবা শরতনা উই। মমা য়েংলমদনা চংথিবা থৌৱাবি লেপ্পবা শরতনা হায়রকথি। তরমদে পোত্তিনলোমদা চুমজিং খোত্তপাং য়াংশিংনক্লে। কয়ম্বদগী ফুক হৌগত্তুনা শরৎ থৌৱাবিগী মমাংদা লেপ্লুই। থত্তুনা চথোক ইবেম্মদি চংশি-গদৌরে। ইবেম্মনা ঐবু লাক্লবা তাকপিথি, ইবেম্মা শংজা লৈবা উদে। মসিনা ওক্লবগী মচাক অমা ঐডোম্দা ওইরে। থৌৱাবি মাংদা থাংলম্বা খোঙ হজিন্দুনা লেপ্লি। মাক্তোন ইবুং-লংনা লোক্লুনা ইত্ত ইবুংঙো কবিন্নু থংদবা ওইরে। ঐখোয়গী

ইবেম্মা ওয়াং থবক অমগীদমক্তা চৎখি ।
করি থবক্নো ইবেম্মনা চৎখিবা ?
লৌকম অমগী চৎত্তবা য়াদত্তনা চৎখি ।
ইবেম্মনা চৎখিবদি করি লমদনো ?
খোঁবালদা ।

শরত থংনিংবা ওসি, কয়েং লাকপগী য়াদি লৈত্তদনা । ঐগী বাকম পনলখ্রা লৈত্রা ? ইবেম্মা শমিতানা লাক্তবা য়াদে থবক চৎকদবনি হায়নতমক হায় । খোঁয়ানি পাওখুম পীদনা মচি লেংত্রবা শঙ্গোম গিলাস তাপ পাইখ্রে । খুৎনা ইংবা উত্তুনা ইবুংঙো শঙ্গোম অসিদি ইংখিনদোয়ে । শঙ্গোম অসিদুম হায়না থগ্নখো ইত্ত ইবেন কোয়া য়াবী শাসি ; থরাই তানা বোক্লহনা শরত্তা শঙ্গোম থক্লব হায়রক্লে । শঙ্গোম থক্তবদি শাউগনি খোঁয়ানিনা শরত্তা থংহল্লি খোঁয়ানিদগী গিলাস লৌহনা শরত শঙ্গোম থক্লম্মী । শরতনা অমুক অনিয়ক চিংলগা গিলাস থমই । শঙ্গোমদু থুমই, অবো-ক্তগী থংনিবা বাকম থবা লৈরে । খোঁয়ানিদা য়াহং থবা হংবগীদমক্তা লেপ্ল শারম্মী । শরতনা অসিমদু থংনিংই, ইমুংগী মী অমতা লৈবা উদে । ইমাইবেম্মা য়াওনা লেংখিত্রা? শরত না হংবা য়াহং খোঁয়ানিনা খুম্না পাওখুম চায়না খোকখ্রে । খোঁয়ানি লৈত্তানা কর্মথক্তুনা "অসিনি সুপামচা" থম্লদো । ঐখোয়গী ইবেম্মা শমিতা য়ায়া য়াক্তমবনি । সুপীমচা ওইবগী অকে অমৌ থাদোকখ্রে, ঐহাক্তি সুংশা থিরবনি । মমাইবেম্মা অমদি মর্পাবুংনা য়ুম থাদোক্তুনা চৎখিবা সুমিংওগী । নচল

চুপীগী লিচৎ ওনখ্রে। অকে অপোৎলক্কা নাওথি শাহ্না মীপুম খুদংনা লক্লকম ওইরম্লে। চুপীমচা অমদা সংসারগী লুম্বা খুমগী ভার কোকথক্কা থোনগৎলপরম্মে। মচাম্পা লৈতবা থিরেম্মো উকিলগী মচানুপী চুপা শকখ্রে। চহি মতাং অসিগা হায়রবদি কম্বাঙুবী চুপীমচা অমদি বা কাওবা চুম্মা ঙাংত্রি। অসিগী হয়রবদি খ্রথো গী ইবেম্মা থোকউ থোকপা ওইয়ু ওইবা। সনা খুদোপ য়াইওইবা কায়বা অতুমক্লি। থৌরানি নোক্নুনা অসিদগী করি ওন্থ্রকপ থংদ্রে ইবুংঙো। শবত ঙরা বম্মী, থোঞ্জেল লুম্না হংলকথি। ইমাইবেম্মা অমদি সনখ্বানা করি লমদা চৎখিবা? ই-বম্মনা থৌবলদা অহুদ য়ুম মপু পাম্ব্রেদনা। ইমুং ইম্নুং সম্পত্তি য়েংশিনবগী ইবেম্মা মথন্তা করম থোক্লিগবা। শককম ওন্দুনা শম্মিতা অসিদি চুপী অমগী থাক্তগী চেম্মা বাংবা মবুধি লৈরমগনি। শরৎকী রা তারগ থোগ নি নোকখেং ঙেরম্মী। কোয় হবুংঙো অঙম্মা ওইগদ্রনে এস্থ খল্লম্লিবনি। মপাবুং ববিস্ত নাচুংদবা য়ুম থাদেক্তুনা মমাহবেম্মগা লোইনদুনা চৎখি। চৎখিবা লম করি মখিং লৈ তান্দবু লরে, আ! নবদ্বিপ হায়মারে। লম হুদা মখে য়ুগী প্লোট চাওনা কন্দুনা লৈ, মকম অহুগী য়ুম আসদগী হেম চাওবা দগ রি। অসিদগী মীরৈপ কনা ঙস্থাই হেমা লন থুম লৈরি। মহক থক্তুনা শরৎনা হংলকই, অহুক চাওবা সম্পত্তি কনানা ঙাক শেনলমগদগে? অসি-া লৈবা মতৌমদা কনাবা য়েংশিনবিরমগনি? থৌরানিনা পাওথুম পী, ইবুংঙো অতাবা মীনা শেইদনা হংগদি। মসিদা থোইদোক্লা

ভুক্তি হুই লোংত। লম অতৌগী মী থমজুনা মলাল অতুনীসকা মেনকর অমা লৈ। মচোন্দা সম্পত্তি পুম্নমক শিরাংথাকই। থাগী কাবকপা শেন ডাকঘরদা নত্রগা তেলগ্রাপ অফিসতা পা রকথি। সম্পত্তি অহূগী মরি থোকপগী অমা 'অনু প্রভু' লাইগী ওইনা শরুক ওমগ্রে। তোইনা লাইপুশিং অহুগা বিরেগ্রো উকিলগী মীশংগা থেংনরম্মী থংত্রেদা ইত ইবুংঙো হৌজিক্তো মী অশিমক্কু। লাইগী নমাদা লম দখল তৌবগী বাকম পনলাখি। জজ্ক অসি মওং অমা ওইগ্রে, ভাগ্যন মপুক চুনই হায়বিংতাই ওইদে। থেংনববা মতুংদা মাইকৈ অনিগী মী শিংনা থুংথোক্লরকখি। তোতাম্না চাইহু। লৈবা লন লননিদো মপুম। মৈরৈপাক্তা লৈবা ওমদা অসিদা লৈথোকপন্না পুক্রিং লৈতাদা। শমিতাগী মপাবুং সুং অনিগী মরক্ত থা ওইগ্রে। হায়রমগা থৌরানি শরত য়েংহুনা থোক্লম্মী। মা মথা তাবকখিদে, রাম্নী শাবা অসি মতম কয়া হৌখ্রবগে থংনাদে। লানা ঙোবা জুমিৎ মঙাল লৈথবক্তে তপ্প তপ্পা মমশিমলকই। শরত থোঙ-নাওগী মপান্দা য়েংহুনা "মমশিল্লকদৌরম্মে"। ঐদ থোইদোক্লা জুমিদাং ওইরকপগী রাখাল তৌকদ। তপ্পা অসিমক্তদা ফক্লাং ঘড়িনা তান থংনা থেং থেংপু ও বৈশিরলকখি। শরত হৌগক্লবা "চংলে" থৌরানিদ চায়রম্লগ কাদগী থোকখি। থৌরানি বা থংবা উত্তুনা, ইবেম্মা ওসি হয়েং লাকপা য়াই। থুমহুনা থৌরানি কা মমুংদা মথক্তা লেপহৌই।

(১২)

নোংমা শমিতা যোধুগী য়ুমদা লৈখি । কৌখেং হারোংগী খোঙজম উচেকশিংনা য় কাম্বরোল শকপঙুম্না খোকখ্রে । খাবল মঙালনা শমিতা চিল্লখ্রদনী হৌগৎলম্মী । শমিতা ভপ্পা চংখিন্দুনা "গুরি গুনি" হৌগৎলে মোংঙানলে । হয়া হয়া মখা নোমহুনা তুখা থুগাইখ্রে । গুনি মিংকপ খোবক্রে, মিৎ নোইহুনা খোঙবাও হাং-দোকুনা য়েংলম্মী । চুমিৎ খোক্রমক্রি নোংঙাবনমদাই শণিক্লা মিৎ থৎলক্রে । উবরা ইবেম্মা ? চুমিৎ মঙাল নক্তে থাঙী খাবলখি । খোঙবাও খিংজনলম্লগা শমিতাগী মনাক্তা গুনি কয়ে । নোংমতং য়ুম খাদোকপদা অহুক মীপাই চাওবা নড নিঙোলনি । জিঙোল ওইবনা পূর্নি চুপ্পা য়ুমশংবদি ভগ্নি'রাই । শমিতা থুমদে মিৎ-তমক গুনিদা য়েংই । থমোইজুংগী পেন্দবা মরি মাইথোঙদা ফাওরকখি । থুমক্ত্রবদা গুনিনা লক্লুনা কখিনে। খল্লি অহুবু ? নত্তো অহুদা হায়বনি ইবেম্মা ' চুপ্ চুমত্রা মীনা হায়বা বাম্লু থুমদে । খোঙেন নিক্লা শমিতানা থুম্লম্মী । গুনি ইত্তা কবিগী অহুম্না হায়বগে ? শমিতা খিক খিক নোকখোবক্রে, ঐবু মীপাই থবা তাহল্লে । মসিগী শাখি নঙনা ওইরো ইবেম্মা নমেং ইখঙ্গা কনলব্রোই । উইরুম উইরুম পাংলখা মিৎ গুনিদা থম্লকখি । গুনি অর্থ লৈবা, কবি হায়বা ইবেম্মা কনা চেনমিংলিবা ? অনিংবা অহুভা হায়যু ওখজবা মত্তেং পীজগে ? গুনিনা কোচি অমা কোৎলি

শমিতানা অমা হৌদোকই। শুনি, শমিতা বারী শারিউ ঙংঙানখ্রি ইশৈ তারক্লম্মী। কাংশি খোঞ্জেলনা লুম্না মাইকৈ মরিদা খোহাং নৈরকখি। য়াহৌ ঙনবা লৌমীগী থুগ শাইজে মখোন খোয়ক্লে। অদুগ তি তি খোল্লাও মাইকৈ থুদিংদা তারম্মী। শমিত অমম্মুং শুমি মতা অনি মুমিৎ খোরকপা লেংলে। নোংঙানলে, শুনি য়াওনা চৎপা শমিতানা মোধুদা তক্লরম্মী। শুনি চৎপা হেক্তা য়াবা ঙম্মদে। পাবুংদা চৎপগী বা হৌদোকপা ঙম্লোই। ইমিং ইথা তৌহনা পংহায় হায়বা খোকনি। ঐ বাকম অসি শুকয়া য়াবা ঙম্মোই। শুনি য়াওনা চৎপদা মোধু য়াহনবা শমিতানা দাই লৌখ্রে। শুনি বা ঙাংজরে, শমিতানা হায়রদা য়াদ্দে। ঙমদ্দে। মোধুনা তিম্না কাংখোন ময়াদা শমিতা লেপ্লে। মোধু কিৎকপ খোকপা তম্না খোকখি। হ য়ডম তৌহমদা শমিতা লেপ্লম্বা মে ধুনা উৎরম্মী।

শমিতা নত্রা ?

তোয় মাখ্রি কাকা।

কমি মাবনিংবা লৈবা লৌকম অহুগী য়াবনে ?

নচ্ছ দ কাকা ইতোপ তোম্না বাকম অমগীদমক্তা।

হেক্তা হায়যু কমিগী তুমিন লৈদ্রি"

"অসিনি" মকোক হৌরম্লগা শমিতা নোক্লম্মী, f বব ন চিক্রূনা মৌনোক লেপ্লি। মতম শরতং শুনি এখোয়গীদা, লৈকনবা হায়ংপ তৌবনি। কাকা, ইথাসি অমদি পাবুংনা হবসক্কি বা মতম কাও-বতং। এখোয়গী যুমদা, শমিতা বা মথা তারক্লে। থম্মবা কাংখল

হায়দোক্নুনা ''মুপীমচা" মোধুনা মুংশিনা শোক্লি। নগবা করিম্ থম্দনা হায়বা মচ্ গুইবোকপা য়াত্রবে? মংাক্রা নগীদা কয়া লৈরুগনি। গুনিগী মত করি লৈবা চৎমিন্নিংহুনা হায়দা বায়বে? করি থুমগনি শমিতা মথোং থংলমদে। করংদা মিং থমহুনা ইথম্বা তাইবা অসিদা কাকা। মোধু বাখল তৌহুনা লৈব্রে। ওাওথুম অমুক হয়া তারক্ুবদা শমিতা। ইয়ং লংলথা মাইদা অমংবা নোংচৌ অমনা কুপশিনলকখি। মোধু য়াকম থংলমদে, শমিতাগী অনিংবদা য়েংপা ওইনিংব্রে। মোধুনী মচানুপী অহল ম গুনি মশক্তা য়েংহুনা লেনজরিবনি। খিংকুপ অমতং উদবদা চহি অমা উদবগা পাঙ্খ্রি। মোধু মওর মওর থল্লি, কয়া হেক্তা য়াগনি। অওাং বানি করম হিক্তোক্কনি। উয়ুংগুম লেপ্লমগা শমিতা তপা মাই লৈথোকব্রে। খোঙথাং অমা অনি থাংহুনা শমিতা চৎপা হৌরম্মী। থংলাক ল্যাক্কুনা অমম্থং খোৎনা চৎলগেবা মুপীমচা? খোঙথাং লেপ্তুনা "উর কাক।" শমিতাগী খোঞ্জেল তানিক্লম্মী। মোধু থরগা মুপীমচা করি মুমিৎতা চৎপা লেপ্পরে? হয়ানবা মী অমগুম্না করিগী তুমিন চৎপগে। মহাক ঐগী ইচা শকপনি। করম্বা মপানা মচানুপীগী রা য়াদবা ওমগনি। শমিতা নোক্লম্মী, অমুক অসিবক্তা চংপা থরে। অমুদা গুনি চৎপদগী খিংগদৌরি। গুনি য়াহনবা ওয়ে কাকাগী য়াথং তাইজরবনি। ইতিং তিংবা থমোক্ত উত্নুবা করে মুপীমচা নমিং থুংজবো। মোধুনা বর পীবগুমা হায়রকপা শমিতাগী নিংবা থুংব্রে। পহরমদে শমিতা

য়াংনা শুনিগী কা তয়া চেমলকখি। করাওনা শুনি ইশা থৌরাং লোইরো মুংশা কনজ্রিরৈভে চৎসি। শুকইদকো ইবেম্মা মচসে হায়হুনা শুনিশু চৎনবা থৌরাং লোইখ্রে। মুমিৎ নোং পোক চৌংদোর লানথ্রে, নোংমাইজিং চৌংবা মুমিৎতগী নেমহৌরে। শুমাং মচিদা অহিং চুপ্পা লৈক্রুরবা কার মুমিৎ মঙালনা কুপ্পি নলম্মী। কার-উৎ-মচু ওইনা উদ্রে লুপানা শাবগুম্মা নিংথিখ্রে। শর্মিতা শুনি মোমোর মীনোক্লা মাংথারক্তনা কার কাথৎখি। শুনি মতা আনি চৎখ্রে, শ্যাম লৈহৌরে। লৌগী কিভম শোক-চিনবা শেম শাবগী বা পল্লকুনা। মুমিৎ থবা মোধুগী যুমদা লৈক্তুনা লৌগী কিভর মেৎশিনহৌগনি। শর্মিতা, শুনি থুংলরে অয়ুক্কী পুং ৭.৩০ তারক্লম্মী। রেডিওদা মনিপুরী পাও শন্দোকপা হৌরকখি। শুনি হায়া চংলয়রবা হায়ক্তনা শর্মিতানা কার থামখ্রে। শুনি কুমথৈ, স্টাৎ হৌক্তুনা গেডেক্ক তায় কার থৌজিনখি। শুমাংদা লেপ্তুনা শুনি লৈ, গেডেঙ্কদগা থোরকপদা শর্মিতানা উরম্মী শুংনা লপ্পমা আসি শর্মিতা ডাইবগী মওংনি। কৈদোর-বগে শুনি হক্ত অপুম লেপ্তুনা লৈরম্লবাদ। মাতোপ কনা অমগী যুম ওইনা ইকুরব্রা? শুনি নোককৎ তৌহুনা শর্মিতা য়োবকপা ডাইবমগা মাঙোন কাথৎবি। শর্মিতা উবমক্তদা গোবিন্দ চেম্মো-রকুনা "ইহৈম্বা পাক্লে" হয়া ওহুনা গোংলবে। থৌরানি থোরক্কুবা শর্মিতা ওকপা মাওরম্মী। ডেকোরেসনগী পোৎনা লৈতেংবা মশিং থংত্রবা কা উবগা শুনি শক্কা থোকই। শুনিগী অওকপা অসি মশা মথন্তগী ওই, যুমগী মী অমতগী মমাংদা উৎলমদে।

শুনিগা লোইনদুনা শমিতা অবৈবা চেকী সিড়ি থাক থাক কাম্নিবৈ। কা কয়ুং চংলকপা কাওবা মনিপুরীগী মরু ওইবা পাও শন্দোক্লে। চপ লেপ্পুনা শমিতা পাও তাই, শুনি নাকন ওইনা চৌকিদা ফমথে। পাংগী অমে ইবা শরুক্তা পি, ইউ, নিভরসিতি পরিক্ষা কল লাওথোরকখি। পাও পাংথোকপা লোইখ্রে, শমিতা তপ্না কমথরম্মী। মর চনিং তানা হোন্দুনা "ওন্থোকইদা" তানিংবা পাও তাগৌম্লে। রেডিও তেক লাওনা শমিতানা ভোলুম নৈলবখি। শুনি থাজদবা উত্তুনা পরিক্ষা থাবা মাওত্রা? "ঐগী নত্তে" ফঙাংলবা থগ্গাই হেক কুংশিনরমথৈ শমিতা নোক্লম্মী। শমিতা নোক্লিংবা যাম্না বাংবা থিংদুনা। ঐহাক পি, ইউ, সি তন্নমগদবা মামলত্রবে শুনি ইতা? শুবিস্ত নোক্লম্মী, অদুবুদি মান্দে চহিবা অহল ওইরমগত্রা খল্লুবনি। শমিতা মাই নৈংথোক্তুনা গোবিন্দ ভানবা চৌনা কৌরম্মী। তান্দদা হন্না ওম্না কৌদুনা শমিতা কাদগী থোকখি। গোবিন্দ চেনলক্তুনা নোকমি নোকমি ইচেম্মা করি তাংপিগদবনো। শমিতা থোঙজিন পাইদুনা, পুক্লিং-চংনা তাও গোবিন্দ। লাক্লিবা নংচে অসি ঐথোক্লগী য়ুমদা নৈরগদবনি। নিংথিনা নৈতেংদুনা ঐগী কা অসিগা চপ মান্না শেম শারুরো। চংলো গোবিন্দ থোরাং তৌরুবো। "কনি ইচেম্মা" ধুমদুনা গোবিন্দ থুনা য়াংনা চংখি। গোবিন্দ চংখ্রবদা শমিতা থোঙজিন পাইরগা লেপ্লম্মী। শরত লাক্লমবা হংনিংবগী বাথল নৈ, হংবা ইকায়রম্মী। ইমুংগী মী অমত্তদা শরতকী মরম হংখিদ্রে। থংনবা কা অমা গোবিন্দনা শেমজিন

শাজিনবা হৌরম্মী। কাংথোক, অলম্বিরা লৈতেংগী ওইবা পোৎ কয়া। মসিমক্তম্ব পেন্দজুদা মচু কয়াগী শিরড়ি, অরেকপা লাইশিং। কক্লাংদা পিলবদা মকম চানা গোবিন্দনা থেংথি। ইবৌ বৌধা কা অসি লৈতেংবগী থবক শাইথংলিবনো? মমাংগী ছুমিংতা ইমুংগী মী অমত্তা কা অসিদা লৈখিত্রা। হংবা তারকপদা পাওথুম থোইদোক্লা লুদে। মথক মথা নাইবা অচৌবা দলান ওইবনা কা মশিং য়ামই। কা থুদিংদা মী লৈবা ভাক্তা নত্রবন্থ মওং মাইয়ে। কনাগুম্বা নিপা অমনা থওইনা মতম কচথোক্লুনা। কোইচৎ চঙ্ুনা য়েংবদা কাগী মথক লাকপা বানা থোকনি। কা চংলুরবা মতুংদা চংখিবা কা অহু কবনো চযমবা পোকই। য়েক থোৎপা হৈশিংলবা খঁতিস অমনা কাওবদা। কাগী কজবা শরুক মথৈ চিৎথহৌরগনি।

(১৩)

শমিত্তা, গুমি লৈকোনগী কজবা দৃশ্যা য়েংলম্মী। থরো থম্বাল কুপাইনা শাৎপ পুখ্রি য়েংবদা পুক্লিং হুনিংহাইনি। কবিরৈ, ছুমিংলৈ মথল কয়াগী লৈ শাংলি। নক্লা চংখিন্দুনা য়েংলবদি উধা কংই থাক নাইবা চেকৌ সিড়ি। শিক্লাইমূক লুরবা ঔশিংদা সিড়িগী অরোইবা থাক্লা ভেংপক উবি। পুম্ফপ অমা অনি

চংগোকখ্রবদি লুরবা ঈশিং মথক্তা । থম্না খেঙ্গোং, থবো থম্বালনা পুথ্রিগী শরুক মথৈ কুপ'শন'খ্র । "গুনি ইতা" থম্বা-লশিং অসি করক্তা ? হায়রম্মগা শমিতা চংখিদুনা সিড়ি মথক্তা চপ লেপ্লম্মী । থম্বালগী নৈকা খুদিংদা খোইমুনা ভরং ভরং পাই । মাই থকপ' খোইমু পোম্লিবা থাম্বাল হম্না হেক পাই-শিনলুই । নৈহি চুপ্পা কংজবদা খোইমু অহু ভরং ভরং প্যাই-খোকখি । শমিতা নিংড়দা লেপ্তুনা থম্বাল খোইমুগী মতৌ য়েংলিঙৈ । তুংলোমদা ন্যলোন পিক্লা গুনি চংলকখি । খোঙথাং মখোন খোক্তে শমিতাগী মিৎ চেজেৎ খুমজিনলম্মী । গুনিগী থুংবাম মহুংদগী শমিতা নাহোকপা ওয়মদে । থাদোকই হৌবেম্মা লেপ্তুনা কাম্নবোই । থংলোইদবোই নিংবরো, ঐদি কুসাইবা নঙ চংলকপা উবে । থিক থিক নোক্তুনা গুনিনা খু জিনলগ শমিতাগী মিং থাদোকখ । তুংলোমদা হন্নোক্তুনা "কব্রিবুরে ইত"? অমুক থল্লাই ভানা য়েংলম্মিবা ? থম্বাল মাদি ইত্তো য়েংলগা নোক্নুম নোক্নরক্লে । অহুদনে গুনি থম্বালগা য়াম্না শারম্লিবা । থম্বাল কৌবা নৈ অসি খোইনম খোইমনলি । ঈশিং ইরায় মথক্তা শাংপনা ইথুংনদি ভেন উপাই নৈখিজে । হায়রম্মগা শমিতা থল্লাই ভানা নোক্রম্মী । য়েংঙু ইত নহাকনু অমুক য়াম্না থম্বাল অসি । শাংকম নৈত্রবত্তম্না ঈশিং ইরায়দা শাংলি । গুনি কাম্নবোই থনখ্রে, শমিতা য়েংদুনা ভপ্না হায়রকখি । ইতা ইবেম্ম নঙ থম্বালগা হেক মাম্নরদনা । অমুক য়াম্না থম্বাল নৈকংবা শংলহুনমু হেকদবা । থম্বাল হেক্তুবদি করিমু কায়দে ।

শমিতা শরুবিগী তপ্পা অসিমক্তদা গোবিন্দ চংলকখি। লৈশিংদা খুৎ হাংদনা হাইরম্বা “ইচেম্মা” থৌরানিবা ঙাইহৌই। চানথরুবা থৌরাং পুম্নমক লোইহৌরে। ইচেম্মা অনি কৌবা লাক্লিবান। “চৎলম্নো লাক্লগে” শমিতানা হায়রক্লবদা গোবিন্দ থুনা য়াংনা চৎখি। গোবিন্দ চৎথরবা মতুংদা শমিত সিংড মথক্তা লেপ্লম্মী। শুনি থম্বাল হেক্লুবা শমিতদা পীরে। নোক্লুবা ইতা ইবেম্মা নত্ত থাম্বালগা মমতা ওইখ্রে। হায়রম্লগ শুনি লাপ্পা চেনথোকখি, শমিতানা ঙান্দুনা শুনিগী খুৎচেং তাপ পাইখ্রে। তপ্পা হায়-রকই “শুান ইতা চৎলসি”। থৌরানিনা এথোয় অনি ঙাইহন লৈরম্লনি। শমিতাগী খুৎ ফং কপ্পৎলহনা নি মিৎ শুরূপ তৌরম্মী। শকফম ওন্দুনা ইতা চুম্না হায়মু খুৎদাং অসি তৎপমথৈ পাইখ্রবস্থ। শমিতা পাইরম্বা শুনিগী খুদাং থাদোকই। ইহে ঐ থংলুখ্রে, ইত্তাদি খুৎদাং শোকপা য়াদবোরে। হায়রহনা শুনি য়েংলা য়েংলহনা নোকখ্রে। মীনোক্লুগী মথা তাবদা শমিতা। “শুনি ইতা লাক্লে” হায়রম্লগা কেনগত্লুবা শুনিগী মমাং থাহনা চৎখি। মিংকুপ থরগী মতুংদা শমিতা, শুনি লৈকোন্দা অমুক হন্না উখ্রে। লৈকোনগী পিক্লবা লম্বীদা ভুংথা মাংথা চৎমিন্নখি।

(১৪)

শুনি হৈনিংদনা উই, কবিম্বা কুমিৎতা মপানগী কাদা ফমহুনা লৈ। থৃঙংগী চয়্রবা পুন্সি মকম অসিদা থেম্না থোকখ্রে। য়ুমদা লৈবিতৈ মতমদা ব'ইশিং বাইশে' ইমুংগী থবক শুনিনা শু নোম্লম্মী। হৈনবি হায়বা অসি হেক্তা থাদোকপ ঙমদে। কাওথোক্কনা মীনাইশিংগী মরক্তা শু নোম্বা য়াওরকই। থুংতগী তাপ মুন্দুনা থবক অমতা য়াওহনখ্রে। চা-থকপগী কোন কে'বা শুনিগী শিন্থা নত্তে তাকপিরম্মী। মীনাই খুদিংনা শমিতাদা উৎপা বোভার উত্তুনা হৈকায় খুইম্নে। নো'মা নোংমগী য়ুম অসিগী চৎনা লোনচৎকী মমি তাবা তৌরকখি। শুনি, শমিতা থেম্নবা লৈত্রে, অমনা য়ুমগী মবেম্মনি। শুমহৎনি'ডাই ওইবা মাইথোং ইনথৎলকপগী চুং ফিরান চারবা শবান। ফিজেৎ লৈতেং ফেসন্দা সহরগী ফুপীমচাশিংগী হৈশিংবা লৈ। মতম পূম্নক্তা মশামক কজবি ওইনা উৎথোক্লবা হোৎনরম্মী। শকচগদবা মওংদা মকে শেমহুনা ফজবগী টপোমদা তাওচল্লি। পোকপদগী লোই-নরক্লবা নেচরগী ফজবি ওইহুনা। মশানা য়োকখৎত্রবা ফজবগীদমক্তা মহাকপু শিংথাররোই। শুনি কৈজে তৌইশুবসুং য়োকখৎপিত্রবা ফজবনি। ফিজেৎকী থনবা ফুপীমচা অমা শুনিদি নত্তে। লৈকাইগী মীনা শমিতা ওইররোই নিংহুনা

কৌরকপা মাওরম্বা। ওইরমত্রবদা "ইহে মীশক ওন্নরবে বে" হায়দুনা চৎনখিবা ভাক্তনি। ইশ্বোরু মায়রেদা ইবেম্মা অসিদি করানো! মচে ওইবিত্র মনাও ওইরিত্রা হৎনদবা চৎপা মাওখিত্রে। "কোরৌ ওইহুনসু সনা মহিদা খাদবা ভারবদি। খুদক্কা কোরৌ অমু সনা ওয়ে। মাপান খৎবা কুয়োম মথৈ সনা ওৎখ্রবদা কোরৌনি সনানি কনম্মা খন্দোক্নগে? চুমা শক মায়বক্তা নত্তবা শাক্কৎ মায়রক্রে। বাঙাং শঙাং মীনাই কোইনবা ভুনি শমিতাগী ময়ুক্তা থেয়ুবা লৈত্রে। ভুনি লাইবিক ভম্বী ছাত্রি অমা ওইরমদে। লাইবিক মরেক চত্তবনা মরম ওইহুনা। হিস্ প ভুংঙ্গা ভক্তা থোরুবদি ভুনি অচম থোরক্লে। শমিতানা শিন্দোক শিঙিন. ককথোক ককশিন তৌরম্বা। ফাইশনচিংবগী মরম ভুশিন কারুসু থংলমদে। ভুবিগী থোইদোক্লা মতুম থরা লৈ। ভাংথোরকপা মা কা হেন্না হৈশিংহ। মীমমত্তুনা ভাংবা ভুনিনা হেইনা শিজিনৈ। অবুক্তি, শমিত্তা অকিস্ কাদা চিক হিংসাপ ভুরম্বী ভুবি চংলকনা নাকবগী চৌকদা ভেক ফৈয়ে। চুবা মেত্তুনা ইতা ইবেম্মা মুম অসিদা। ঐ থম্মিবা অসি তোংত্র হিসাপ কুপ্পা ভু। শমিত্ত ইবা লেপই, কলম থক্তা মথক্তা থমখ্রে। লৈশি-নলকুনা ভুবি ইতা ঐদি ভাপ ভাত্রে। নহাক্কা অমুক্তা হায়মু? কলম লৌথত্তুনা লৈনা মু মা টেবিল মথক্তা চিংই। হিস্ প ভবা শাহুনা ভুনি লুকথহুনা লৈরম্বী। ভুনিগী মতোদা শমিত্তা নোকথোরক্লে। নোংক্নদনা নোকশিন্নহুনা "কুরিনো ইভু" ভুবিন্না হাংই। মীনা অমুক লুনা হিসাপ ভুবিদৈ নোকশিনলক্লিবা।

হায়রমগা শ্নুনি অমুক হয়া হিসাপ শ্নুবা শারম্মা। মসিদা শমিতা পুক্কি পাইদুনা নোকখ্রে। তোংএ তোংএ চৈথৈ অমা লেম্মে। শ্নুনি কলম থম্বই, মিৎ শ্নুতোক্লুনা লৈ। নহাক্না তোংহনস্নিংবগী হায়বা অহুনি লাইনা য়ারোই। শমিতা থাক্খ্রে য়াম্না থানিংবা হংই। অচুম্বা ইডা লাইনা কয়াম্না য়াত্রিবা? থংনিংবা উৎথি মাইথোংগী ফিভম ওনথে! শমিতাগী অহৌংবা উবগা শ্নুমি হেমা ওক্লম্মী। তরণ্দা মিৎ বন্নরবা কথি য়ানোদা। তোংএ হায়মু হায়বিত্রা? ঐদি ওন্দুনা থাংবা কয়া লৈজদে। অতোপ্পগী মুখদা লৈরগা তোংএ হায়থিগত্রনে। অহুগী লাইনা য়ারোও হায়জবনি। শমিতা নোক্লুনা অহুগী ওইবে শ্নুনি ইডা। অসিবু চৎনবা য়ারিবা য়াফম্না? নহাক্কী য়াহং নশানা পাওথুম পীজরো। শমিতানা থবৎ কক্নুনা হায়রকখি। মসিদা শ্নুমি কারি খুমগদগে মথোংথ লমদে। ইবেম্মা নঙনাহেক ঙমজরো। ফুক হোগঙ্নুবা শ্নুমি কাদগী য়াংনা থোকখি। শমিতা য়েংহুনা লৈ, হিসাপ শ্নুবদা মাই ওনাশনখি। তুমিংকী লৈশা হম্নগা মতমদা। শ্নুনি ইমুংদা লৈম্মুনা লৈবা উদে। বিরৈম্মাগী নাকন্দা হৌত্রিবা হেনৌ, ককোই পাম্বীশিংগী মথোঙদা কয়ম্মী। তুমিং রাইরম থুদিংগী কপা শ্নুনিগী হৈনবি ওইরম্লে। থম্বক নোংম্রিবা মীনাই তুপীশিংগী মতৌ য়েংহুনা। পাম্রিবা হৈনৌ, ককোই মশিং থিহুনা শাউম্নে। হৈনৌ মনা মকপ শ্নুবি লৈম্বিলো। থোবানি চংলক্নুবা শ্নুবিগী মঙো য়েংহনা লৈম্নে। শ্নুবি মী চংলক্পগী শমিবু কংলম্মী। তুং য়ম্না য়েংথোক্লম্মবদৈ ১।২।৩০

মখিং খিবা লোইখি । খোয়ানি বা ঙাংখোয়ক্লমদে পাম্বী মরুমদা লৈখিনখি । নোক্লোই ঙমখিজে, খোয়ানি ইখি খিনা নোক-খোয়ক্লে । ইবেম্মা হৈবো কয়া পাম্লি ? নোকপা খিংবগী হেক হেক খোঙেনদা খোয়ানিনা হংলম্মী । "থংদেদা" খোঙাদনা খোয়ভায় মচা অমা থম্লহনা শুনিনা থুমই । শুনি লৈখোয়ক্তুনা অবোক ইবেম্মা ঐগী ইচো য়েংলম্লিবোইরে । হৈবো মখিং খিবা নত্তে পাম্বী মখিং খিবনি । হৈনৌ পাম্বী মরুমদগী খোয়ানি খো-য়ক্লম্মী । হৌয়নে অমুমক্তুম হাকবা য়াই । ঙসাই মখৈ ভাগে য়াওনা ভাবমি । ইশুদি হৈবো পাম্বী ওইনা মখিং খিরম দ্রে । ঙাং ঙাংদুনা খোয়ানি কমথরক্লে । ইবেম্মা শুনি নতা স্কুল কুমলক্লরা ? শুনি মাই লৈথোক্তুনা য়েংই "ঙহোদে" স্কুল কুম্লকপা মতম ওইরম্লরনে । খোয়ানি খোঙেন লুম্না কমথরকই ইত্তু মুপী । খোয়ানিগী নাকন ওইরম্ম শুনি কমথরম্মী । কবিনো হায়দে কি ? শুনিগী মিং খোয়ানিগী মাইদা থম্লে । খোয়ানি থম্লগা "ভাউ শুনি" নভা মখোঙাগা মায়ত্রে । শুনি নোক্লম্মী, অমুবনে বাবো লিগে হায়বশুম্বা ভাক্লই । অমুগনে ঐদি অবোক খোয়ানিগী বাবো য়াম্না ভানিংই । বাবোগ্ বাবোনি হায়রগা খোয়ানি ভুমিন লৈ । ভাইহাক লৈরগা খোয়ানিনা থম্বহনা হায়রকখি । ঐনা হায়গদৌরিবা অসিহুম ভাখো শুবি নভবো । নভোম্দা বাবো শায়কপা লৈত্রা, থভা ইবেম্মা মতং অমা ভৌরবনি । ঐভোম্ম: কবিন্দু বাবো শাবক্তে খুনিনা ইচম চম্না পাওখুম পীরম্মী । খোয়ানি নুকথহনা খমিভাগী ময়মদা থম্লি । খুনি য়েংলগা খোয়ানিনা মথা ভায়কখি । ইবেম্মা

শ্রুনি নহাক্কি নত্তাগী মমনদা করম্নু থংে। থংনবা হোৎনৌ মচুনা মতুংদা অকবা ওইরকনি। অসিমক্তা অয়াবনা ওইরবস্ন মীগী মিৎয়েংদা খোইদমা লানগনি। খোরানিবা হায় তনিবা ভাপ লৌশিনলমদে। তনি থংদবা উত্তুবা করিবুনো হায়রিবা অতবু। ইতা মীনা করি তাংনরবগে? খোৱনি অণাবা মথ শাংনা হোন্দোরকই। নতা কবিন্নু তৌই হয়ব নত্তেনে তনি। য়েং- নতা অন্নুম য়েংতু, য়েংলগা ভাপ তারকনি। চুমক্তিং লেকথংলজুনা চংলম্নগে ইতুনুপী। নত্তাগীনমক্ত চান থক্রবা থরতং খোৱাং তৌরুথিগে। পুম্নমদে খোৱানি ইমু'লোমদা পরপ পরপ চংথি। খোৱানি চংখ্রে. তনি অন্নুম কয়ম্মী। খোৱানিনা তাংলম্বা তনিনা হয়া হয়া থল্লি। থন্দুনন্নু কন্নিনো হায়বা অহুদি হাথলনা লাম্বা কংলমদে। ইচেম্মা করি থল্লিবনো? "নথত্তা হৈনৌ মখোজদা" তু লোমদগী মিপা মচা অমগী খোঙেল তারক্লে। খোঙেল লাকপা মাইকৈদা তনি লৈথোক্তুবা য়েংই। কবিগ্ন থন্দে হায়বগী মওংদা নোক্লম্মী। ঐদি ইচেম্মা ওইরবোই নিংলুবে। "তনি ইচে" গোবিন্দনা লত্ত লত্ত তৌবা কৌরকথি। গোবিন্দ চংলকউ অসিদা কয়ো তনিনা থুমই। নহগী মিৎতা ঐবু নচেম্মা ওইবা উক্রবা নচেম্মা ওইবা চত্তদা উরব্রনে? তনি ইচে নহাক ঐখোয় ইচেম্মগা য়ামা মাথৈ। থদাং ইনহুবা মাথৈনো ঐনা হায়বা চুবনি। তনি শকখম ওন্দুনা মাথৈ হায়বা নচেম্মা শমিত্তাপা। করম্না হায়গদৌরিবা? শক মাখবা অসিবু ওইথোকপা য়াব্রনে গোবিন্দ? কাশি ওইবা তাংখোরকপা তনিগী বাতাংদা। হবাও

হুনা লংলম্বা গোবিন্দগী মাইথোং শাউবনী ফিভম ওনখ্রে । পিভম ভুক্লবা মাইমে হায়রিমক্কদা থাজত্রগা চংভু কনানো মী অমদা । গোবিন্দ য়েংহুনা ভবি ইশিং শিবা নোংক্লম্মী । চৌথিকৌ অহুঁ কবি হায়বা ? শক মাইমে মায়দেক্কী কোইহং চংনগদৌরিবা । হে ! থপংবা ভাও নচেম্মনা নাচেম্মবি, ঐমা ঐবি । অউবা কনানা ঐবু নচেম্মনি হায়রোই । অহুগীদমক্তা নংগী অমা ওইবা শাদৌরিবা । থগিদা নত্তবু ভাংনরিবা, গোবিন্দ পংই হায়রিবা অপি চুমত্রদো । গোবিন্দ শাউবা চক্ষুহুনা মীমা হায়রদি কবি নৈনবগে থম্লগা । মম নমহুবা ঐভেংন্দা অয়ানবা ভাহনলে । গোবিন্দ দিৎ লাওথোক্লুনা শংনিদা ওইনৈ । ভানি মথা ভানা গোবিন্দ লক্লথক্তে । শবিভা ফুল কুম্ভকর্ণ ভাইহুনা থোঙান্দা য়েংহুনা নৈংখ্রে । থৌবানিদী মাদগী ভমিবা থোইবা হেন্না শবিভা উবিংখি । মুগী শৈবগী পিচং মুগীওইবশিংভনা থংই । লম্লানবা কবানা মুগীকী ওইবাশিংগী পুক্লিং থংলুরবা ভমগবি । থানোইমুংগী ওইবা রাকম কয় থংদো-ক্লগা তোংনবন মথো ওইরম্মী । শবিভাগী অংংব অম্বা য়েংহুনা ভবি নৈংখ্রে । মুংথি মুংগমগী শৈবা রাকম শিজিন্নহুনা মথক থমগী চাংবেং পাইথংলকখি । অহানব চাংবেং পরিক্ষদা কবি-ভম্বা থমতঙ্গু থথোই বাংবি বাক্তে অমুক্তম্মা থনবা শবিতাগী থংদোই লক্কা হায়দোক্লুনা । বাইমেওম ওনহুবা নৈমকুমা রাক্ষস ভবি মভাদা থংহনখি । সক্ক্যা থাচংবা মতম ওইরম্মা বিজুলিগী মঙাল ইথোলগী কাঁচিন কোমাদা শক্লোনখি । মাংলেমগী থংকোরকপা থংভাল মাং থেংনবা বেয়েল কাওবা চাক্লি ।

বেরেন্দ্রাদা লৈবা পিকশ্রবা পোৎশক অমা কাওব উবা ফংই। তুনি, শমিতা বেরেন্দ্রাগী সিড়িদা কমহুনা মকচিক লাংলম্মী। তুনি তুমিন কয়ুহৌগী খংহৌদনা শমিতাগী লেংজুমদা থক ইনলি। শমিতা খংপেৎ থংনা থুৎ নাম্ব বেরেন্দ্রাদা থমই। ইমলকপা প্রেম কারবদা মন্দুনা তুনি ইনগদকপী থোরাংখি। তুনি চেষ্টো-মক্না থুদগ্গা শমিতাদগী লাপথোকখিরম্মী। শমিতা চিংলেম্বা মতো উৎলি। অসিবু কয়ি মতো কোবগে তাকুমদবা ইনলক্লিবা। অহুপবে তওন ইত্তা নঙ্ফাখি মতো চাদে। তুনি থোক্লম্মী। শমিতা শ উৎখ্রে হায়বা ভাপ তৌরমদে। চংখিলক্কনা অহুদি কয়িগী অচুম্বা হায়মু য়াদে। শমিতা থুমদে, মাইথোংগী অশাউবা মাংখ্রে। তুমিন কমহুনা শমিতা-দে ফজিনা খাংলিবা তাখিংবা উরে। অম্বুম্না শমিতাগী থাওই থোওইদবনা শুনি হেক্না লাং-তংকহনখি। থোংগানামুক য়াংনা শমিতাগী লেংজুম তাপ পাইরে। হন্মক্ত থুৎকে কাথোই, শুনি মাহোক্লগাংমরে? শুনি কায়-বরোই খল্লি শমিতাগী মনাক্ত কনশম্মী। অদুগী ঠেকদোখিব? মোংযতা কোংদোক্লখিত্রবা মনাক্ত লাইজুমা লাৎপা অদি চংমবা মাত্রম? হৌজিক মসাক শমিতাগী খাইনবাং বে হুনা লৈ। মবংদা মিথ'থমহুনা শমিতামা নয়থা লাংথখকখি। চংনখিগী থংকপখি ঐহাক লংই শুনি ইথা। অমি ঐহাক্তো নুংশিবা মাইকী চাঙনাকখৎথোকপখিবা। খংতচুম্বগী মিংখিনা প্রেমিক থোক্লিবা লমজা, চপোকপ নিংথিং শুনিগী মাইকেইগী থাক্ত। অমাত্তু ঐগী নুংনা তিত্রবা ইমাগী অমগী মিংশিং মচা'। "ইমাবি

বিবো" শমিতা য়া চাংবা লৈপ্লি। খোঙেল নিরা উবোই তারোইদবা সংসারদা লৈখ্রে। ঐহাক্তী থমোইদা মগাক্তী খুদোন লংনখিত্রি। সথারন মী অমগী গ্যান ফংলবদি। কবিগীদমক্তা ঐবা অবা শক্লোন পুকগনি। ঐগী তেনলবা যৌবনগী পুন্সি হোৎনবদা। ইশামক্তা মথক্তী উপকার ওইরক্লি। ঐহাক্তী পুন্সিদা মহাক মীয়ামবা ইশ্বরদা নিজ্জে। শ ুনি থংনিংনা হংই, করম্বা মীওংগী মীনো মশাগী কিভম করম ভৌবগে? শমিতাগী মিংতা পি তয়ং তয়ং শিন্দুরক্লে। বিজলিগী মঙালদা মিংক্তী পি মরেক শেংনা উই। শমিতা মাই লুকথৈ, মহাক অকবা ছাত্রনি। মহাক্তী তুংগী পুন্সিগীদমক্তা ঐহাক্তা য়াদবা ওয়দে। য়াম্না শাংখ্রে, মহাক্তা থমোইগী য়াবা শাবা বিবাতনি। অসিমতং ঐ থংহোই শ ুনি, মহাক মতম পুম্নমক্তা হন্থবা য়াথল থল্লি। মহাক্তী কিভমগী মরম কুপ্না নৈনৈ মী অমা ওইনা লৌদে। অসি মহাক্তী ইদ্রি খুহ্নম চনবা ওইনা লৌরগদ্রা? থদাং মেংলহ্নবা শ ুমিনা হংলম্মী। তাবমিবা অসিবু মহাক্তী কনা লৈজত্রবা মীশক্লা? তপ তপ তাবকপা পি ইন্নিবা ইরফিনা তৈথোকই। লেনদথনা শমিতা ফুনগংলক্লে, নত্তে শ ুনি মহাক্তী মী নৈ। মহাক্তা মিংশিংলক্লবা যোংমা শোইদনা ঐগী ইনাক্তা লাকখিগনি। মতম অহুদা মহাক্তী মথক তাক্লগে। তথা অসিদা বিজলিগী লাইত থুংখ্রে। ইমুংদগী খৌম্নানিনা হম্না হম্না কৌরকখি, "শমিতা শমিতা"

(১৫)

নোংমাইজিং চুমিংনি শশিনি মপানগী কাদা ফমজুনা লৈ। শশিগী মমাংথক্তা ইলেক্ট্রিক রেডিও অমা হৌবা লৈথংজনা থোই। পুং ৮'৩০ তারক্লে, অভাংগী থৌরম শন্দোকপা লৌরকখি। থৌরমগী অহানবদা "ইমা ঐস্থ লাক্কে" হায়না নৈহোবা। ইশৈ মথেক্তা মুনীমচা অমগী খোল্লোক্তা শন্দোক্লম্মী। ইশৈ সংস্কৃত পাম্ন শুনিদা খোকখ্রে। হৌনা রেডিও লৈথংজনা তারম্মী। শরত চংলক্লুনা শুনিগী মতুং ওইরপ্না লৈবা চৌকিদা ফম্লে। ইশৈদা থল্লাই লুক্লিজৈদা শরত চংলকপা উদে। মিরিত মুকি মতুংদা ইশৈ শকপা লেপখি। অভাং অমগী মশক মমিং পল্লজুনা। কবিতা খিরনবা রেডিওগী খোঙদা কৌশিল-লকখি। ইবেম্মা ইথোঙনা থোংনা হেক্তা লাক্লে। শরত খোঙ্গেল লুম্ন শুনি তানবা হায়রম্মী। লৈথোরকপদা শরতনা হায়া য়েংজুনা লৈরম্বা মিংচাম্লে। শরত শংক্রিক শুনিগী মাইদা য়েংজুবা লৈরিরৈ। ইকায়বনা শরত মাই পুমঙাং ঙাংলক্লে। শমিতা লৈতবরা ? শরত ইকাইখিগদৌরে হায়বা শুনিনা থংলম্মী। নোকমি নোকমি খুমই লৈরমগনি ইবুংদা। শুনি হৌগক্লুনা রেডিও ভোলুম পিক্না লৈথখি। ঙাইরম্বা শরত্তা হায়রম্লগা শুনি মথংগী কাদা চংখ্রে। শুনিগী খোঙথাং য়াংই অমদি খুবা হেল্লি। লুমা থাংবা খোঙথাং মথোম তাবদা শমিতা লাইরিক পাবা লেপ্পি। কাগী খোঙদা য়েংজুবা শমিতা নোক্লম্মী। শশিনি চংল-

তুনা ইতা ইবেম্মা নঙগী থরাই মপান্না লৈরগদৌরে। নহাক মকম অসিদা লৈরদৌরিবা ? ঙক্না করিনো শ্‌নি ইতা, নঙনা তাংখোরকপা অসিমক্তা নাতে কয়া চাদে। থরাই মপান থোক-ত্রবদা অশুম কনহুনা লৈরমগনি থনত্রা। খোঙ্গেল থোক্না শমিতা থিক থিক নোক্লম্লী! কাকতোক্তুনা লৈরবা লাইরিক মমৈ মকোক থংদনা থুমজিনথি। শ্‌নি মিৎ লাওখোক্তুনা হায়রকই। লাইরিক পাহুদা লৈখোকপা মতম্না হোৗগৎলু চৎসি। শমিতা থরগা তপ্না লৈকদৌরগে শ্‌নি ইতা? নঙনা অমুক ফিংলিবা অসিবু মখোলদি হায়দে। তৌকম থংদবা উত্তুনা শ্‌নিদা য়েংই, শ্‌নি চিংলেম্নকই। মহাক্না হায়বা মীশক্তু লাক্তুবা মপানগী কাদা কমদৌই। শ্‌নি নোকখোরক্তুনা অসি হায়বদি মনিং থুংলরিনি। খরোই অচ থমা ইংত্রিবরনে? বাহৈ অসি হংয়বদা শ্‌নি অৎক্নী মতিক হচংখোত্রে। ইকায়হুনা শমিতা নিৎ কোইদৈ লৈরম্মী। মতৌ য়েংগদবগী মীশক অমা চোংখো-রক্লবদা। শমিতা খোঙ থাক্লুনা চৎপা ঙমদে"।" চমিংবনা লৈতাত্রে শমিতা পুক্কং কাথহুনা হায়র্বক্রে। শ্‌নি ইতা কময়া থংলব। ? ত্রৈ-। নোংংতা মীশক তাকখিবা লৈদ্রে। লক্লবত্তুমা থংদে ইতা ইবেম্মা নঙনা লোৎকে থরবখু মখরদোই। মলাক্না কনি থরমগনি ঐদি নহাক লৈ হায়দেম্মি রে। "অমুগনে" মঙ ওইবা তরুববা তাংনি। ওৎমজ্রখন্দা ইকায়খবাৎদংব তাংবা ষৌশিয়বা তু বন মাই পুংথত্রে"। তমিশখলাং মেক্তুনা নহাক কাকদা কহৈত্রে। "আ। ক্লনি ইতা ইবেম্মা" তাতবিদা," অলশম্বিকোশ

শমিতা মে শুগংলম্নগা কা মনুংদগী চেমথোকখি। শুনিনা শোল্-হোই, অশেংবা হায়রবদি শাউনিবোইরে। তাবিনিংবা ইশৈ শন্দোকপা হৌরক্লে। টেবিলদা থুং শোম্নুনা শরত লুকংহুনা লৈরম্মী। শমিতা চংলক্লুনা করি ফিলমগী ইশৈ ওইরবনো থম্নাই তানা তারম্লিবা? "অনুরাগ" মাই লৈথোরক্লুনা শরতনা খুমই। ফিলম ইশৈ নমহন্লুনা শমিতানা হায়রকই। ইশৈ তাবিরৈভা য়েংলবগী ন্তু কপিগত্রা। করি অমত চারমখিরে'ই। ঐ চানবা থরতং খোরাং তৌরখিগে? লৈথোক্লুনা চৎকে বোই, থুং থাজংতুখা শরতনা খারখ্রে। ইবেম্মা খোরাং তৌবিরুম্নু পুক পিকথম্না চ রকপদা পুক অসি পিক থনথরে। য়াম্না চারক্লে হায়রবগী মওংদ পুক পাইহুন উংলি। শরতকী মতৌ য়েংলগা শমিতা নোক্লম্মী। থরদংতা ওইরবস্তু চাবিরোইদ্রা? লপ্পী লাকপদা চ রকপন চারকপনি। ঐখোয়গী য়ুম অসিদা করিস্ত চাত্রিদনা। ইবেম্মনা চাবদা হোয় কবা ওয়হনগদৌরি। ঐহাক্তি চা থক-পগীদমক্ত লাকপা নত্তে। মহাক ঐ লাকখি হাঁয়ংতু ইবেম্মা লৈরমত্রে। বা থত্তুনা শমিতানা ওক্লুনা খুম্নম্মী। হোয় নোংমা নিনি লৌগী চংভব য়াত্রবদা। খোবালদা চৎলি মরক অচৌদা অদোম লাক্লমগনি। শরত হো হো নোক্লুনা ইবেম্মগী ইরাব অযা লৈরে। ঐনা হ য় রবা অসি ইশানা য়ারেদনা? শমিতা মাই লুকথত্রে বাশি যাওদবা শরতকী মীনোক উমিংলমদে। খোঞ্জেল য়াম্না পিক্লা "করি কবিশুমা মতমদা"। অদোম্না ঐগী মরমদা থক্লকপা লৈত্র? শরত নোকপা থিংলগা থম্নি

থুমই। হেক নিংশিংলকপদা লাক্লিবা অ'সনি। ইংবেম্মনা তাক পিখিংবা য়া কোইদনা হেক্তা হায়রু। থুদিংমক্তা ঐনা ওববা মহোং পাংগনি। ইবেম্মদি হাংখ্রবা বা ওন্দুনা তাংবা হৈন'ব ওই। অতোপ্পা রাকম পুশিনলক্লনা ইরান পীগদবা চোৎহৈ। শমিতা থুমদে, শরতকী মাইদা য়েংলম্মী। মিৎয়েং থোংলি। মু শিবগী থাওমত্রবা মমি তাই। মাই লুকৎহুন রাকম থাস থম্লাস অলোমবু অমুক হন্না ইরান পীশিন্নরোহ। অদোমগী হন্না-মিনেসন কল কমদোরকপগে? শরত মিৎ শমিতগী মাইদগী হৈথোকখ্রে। নিংশিংলগা চি লাওনা অনিশুবা ডিভিজন্দা লাক্লে। ঐনা অসা তৌরম্বা হাররবদি ওম্নোক্লা থেম্নখ্রে। শমিতা হরাওবগী মীনোক মাইথোং কাওনা নোংব্রম্মী। মীনোক্লদা হাংবদি অতোপ্পা লাইন অমা চৎপা তারকপদা। মার্ক শোইদনা লেগনি। ইনোক নোক্লনা শরতনা থুমকই। ইবেম্মম্ম ঐবু মুংশিবদগী হায়র'ব। কনাওমনা ইবেম্মাগী রাকম অ'সুঙক তাকপি। তাবিনিংবা হৈশে শক্তম শন্দোকপা লোইখ্রে। রেডিও ভোলুম তেক লাওনা হৈথখি রেডিও খোজেন চত্রবদা কা'নরিবা বা খুদিং মম্নেক শেংই। শমিতা থল্লগা অদোম য়াম্না কুপ্পী বাখল তৌবিয়ু। করম্বা মথলগী ইস্টদি চত্রথবা লেপ্লবগে? ঐতোন্দা থংহনবগী লাইবককবা পীরবদি। গ্যাস য়াওদবা শরত কোক হোংলম্মী। ঐখা করি খুমগনি ইবেম্মদা। হৌজিক করম্বা ইস্টদি চৎথবা লেপথোকচবা ওমখ্রি। শমিতাগী মাইথোংগী হরাওরম্বা মীথোক মাংখ্রে। নিংহম্মরপ তৌনা শরত য়েংহুনা হাররকই। হাররিবা

অসিবু অপাম্বা লাইন অমত্তা লৈজরব্রা? চুমজিং ইস্টদি মথা চংথবদা। অদোম্মা লেপ্লবত্র কৈ কৈদৌবগে। লাংতক্না শরতকী পাওথুম ঙাইহনা লৈ। শরত বা ঙাংদে, মাই লুকথরম্মী। মম্মা কুইনা থল্লবা মতুংদা শরতনা শাওথুম পী। ঐ রাকপ অসি অমুক্তা য়ুমদা থল্লকথিগে। নোংমা লাক্নুবা ইমেম্মদা খংহনলরগে। শরতকী মশাদা চৎনিংবা মওং লাক্লে। "চৎলগে থল্লব্রা।" হায়রম্লগা শমিতা মিৎ লৈরম্মী। খুদাং ঘড়ি য়েংই মতম অসি পুং ১০ মিনিত থরতা চৎলি। পাংথে' খেত্রি করম্বা য়ুমগী অচনব থবক লৈহৌবগে? খুম্বা নংগ্রিইভেদা ঙমিনা শঙ্গোম গিলাস অনি পুরক্লুনা থোঙজিন কানশিনলক্লে। শুনি চংলক্নুনা শঙ্গোম গিলাস অমমম পীরবে। শমিতা শঙ্গোম গিলাস শুনিদগী লৌই। শুনি ইতা নঙগীদি? ইতা ঐগী লৈবৌরে নথোয় অনি থক্লো। হায়রম্লগা পন্থরমদে শুনি থোকখি। শরত গিলাস অমুক পাই অমুক থম ইংবা ঙাইহনা লৈ। মুত্থা কামদ্দুনা শমিতা শঙ্গোম থকপ হৌত্রে। শঙ্গোম থক্লা থক্লা চৎথিন্নুকো ঐনা লৌথোক্লুবা নত্তে। গিলাস পাইখত্নুবা শরতনা খুম্লম্মী। শামনবা অসিদা তৌবনি শোইদনা থকচগনি। শঙ্গোম থকপ শরত পুক্লিং চংই। মাউম চাওবা ঙুক ঙুক থকপদা শঙ্গোম থকপ লোইত্রে। হাংলবা গিলাস শমিতগী মখাংদা ত্তোপ থমকখি। ইবেম্মনা হায়বা থক্লগা, ঐবা হায়বা থকপা লোইত্রেপ শমিতা নোকহন্মী, ঐহাক্তি থক্লমোইদ্রা খল্লুরে। মামা খুবা থকপা অচুগীদমক্তা। শঙ্গোম গিলাস অমা পেংহাপ ওইনা থক্লপিং

গদবনি । হা হা নোক্লহনা শরত ওক হায়রক্লে । ইবেম্মগী মনাক্ত
অস্থম লৈথোক্লবদি । মমৈথংদা নাটে অমা চাবাক্লাইদোরি ম য়ে :
"ইবেম্মা চংলে" কুক হৌগত্তুনা শরত চুমত্রিং থোকখি । থে ত
ভিন কানথোক্লমদাইদা মাই লৈথোরক্তুনা । অমুক্ত শকিতাদা
য়েংলমগা থোত্তখাং কনশিনখি । শমিতা মিংকুপ্তুনা য়েংলোই,
থংনবা কাদগী তুনি চংলক্লম্মী । থুমা শমিতাগী মিং চেক্তেং
থুমজিনলি । মিং থাদোক্তুনা ওসাই মথৈ মতৌ য়েংগে য়েংবদা ।
কনা মতুংতাই ইবুংঙো ইবেম্মগী লিলা । শাবিত্রি ইবেম্মা শকুন্তলা
ওন্থোকখিনুকো! মতৌ য়েংবা তমজবোই ।
হায়মু তুনি ইত্তা কনানা শাবিত্রি ?
মতুনি শাবিত্রি, নত্তু হায়গে হায়রিব্রা ?
শাবত্রি মাবা তমজয়োই শকুন্তলা ওইবনু কিনৈ ।
মায়থদা হাবগনি ওইয়ু হায়জবোই ।
তুনি শককম চল্লিন্দুনা ঐনা নত্তা অশেংবা ওইরবদি । নিংলিবা
অহুমক লেপ্পা মজোল ওইয়ু । তুনিগী খুং পাইশিন্দুনা "ইত্তা
নত্তগী বয়দগী নিংথা থুংজগে" । হয়া হয়া বর নিথয়ে । থোরানি
চংলক্তুনা ইবেম্মথোয় ইরুজবা মতম য়াৎলিত্রা ? শমিতা পাই-
শিনলদা তুনিগী খুং থাদোকখি । থোজেল য়াংবা তুনি ইত্তা
ইরুজনবা থোরাং তোরসি । "চৎসি চংলো" ইমহুনা তুনি,
শমিতা ইরুজকম কা তায়া চংমিয়রম্মী । অদুয়া তুনি, শমিতা
পুক্ষচেম অমতা ওইরে ।

(১৬)

অতিয়া লৈচিল থাংদে মুমিৎ মঙাল ঙৌবোক ঙৌনা মাইকৈ শিনথুংনা শন্দোকখ্রি। নাংবা থাবো তৌহনা শ্যামনহা অমগী মতৌঙুম্না। খোঙ্গানলোমদা তিক তিক চংলকই। থুইরবা মাইদা মহৌশাগা মায়নবা মঙাল কাওরম্মী। হয়াঙবঙুম্না লো-ক্লিংবা শ্যামগী মশাদা লোইনরক্কে। অসিমক থৌরানিনা হংই, তঙ্গা অসিদা ইম্নুংগী মী অমতা লৈরমদে। থৌরানি মাঙ্গোন তাম্না খোঙ্কখি। করিনো অসুক চাওবা মহোম অসিদি? শ্যাম্না মহোম দোম থাদৈ। মাবা হন্দোকই, হৌনা ইচে কারিনো থংদে। তুনি মপানা পংহোম যোমশিনখ্রে। পুরোইবা হায়বা থক য় দে। মুম অসি যোনবা লাকপদা মীনা লম্বীদা য়েংনহৌই। তারগা থৌরানি হাঁশ শিনা নোক্রম্মী। হোয়নে ঐশু তাপ অনা খল্লুরে। চাকশং তাম্না পোৎহোম সোরো সোরো চিংশিনখি। পোৎহোম পুশিনখিবগা শ্যাম্না খেঙ্গেল লুম্না "হুপী-মচা হুপীমচা"। হম্না হম্না শমিতা কৌবা হোরক্কে। মাই লৈখোরকুনা থৌরানিনা খুম্রম্মী। হৌজিক্তা শুনিগা লৈমিয়রখনি মহাক্তা কাদা লৈরম্বা যাই। মাংনা শমিতাগী কা তাম্না চুমজিং লাক্কে। মতম অসি শমিতা অক্তা হোৎপদা পুক্লিং চংলম্মী। কাক্তোক্রবা অপনজ্রা, এখিয়েতিক লাইরিক অমা অনি। টেবিল মথক্তা ইচাই চাইনা তাম্বনা লৈরি। শ্যাম চংলকুনা হংই, ইবেম্মা অক্তা হোৎলিজ্রা? শমিতা য়েংখোরকই ওক্তা কৌরক্কে। শ্যাম

মহাক লাক্লে, নত্ত লাকপা ভাইহুনা লৈরম্মবনি। তাম্নদবা য়াদবা অরুবা য়াকম থম্না লৈরে। কদম চিত্তুনা লৌকম অহু থেংনবা লৈত্রে। শক্তি ওইনা থবক পাইথৎপা য়াৱবা নত্রা? লৈতানা লৈমাইদা শ্যাম কয়থরক্লে। য়াকম অসিগীদমক্তনি হেক থুংলবা গা ইবেম্মা থিরক্লিবা। থোক্লনা থেংনবা অমুক লৈত্রে। লম অহুগী প্রজা পুম্নমক্না ঐথোয়গী মাইকৈদা লেপ্পি। মক্ত ওইনা ভাই মোধুনা লৌকম থেংশিনবগী থবক পুবগনি। শমিতা য়ানিংবা উৎলি, য়াম্না কন্নবা য়ানি। ঐথোয়না অমুম হন্না লৌকমগী মরম খম্নদবা য়ারে। লৌগী পাইথৎপা থৌরাং খুদিংমক্তা। খুন্না ইবুংঙো মোধুদা শিন্নখ্রে। অদুগা মক্ত ওইনা তাম্ননিংলিবদি। ঐথোয়গী হিসাপ খুদিংমক শুবা ভমগদবা মী অমা থিসি। মরমদি হিসাপ ঐনা শুবদা য়ানা থোক্লে। মক্ত ওইমা চেন্নোক চেনশিন ভমগদবা। মপানগী থবক খুদিংমক শিন্নথোকপা পামই। চুবা মেত্তুনা শ্যাম য়াথল তৌই; শমিতা বা মথা তারক্কে। য়াম্মঃ মুম্না থল্লগা ইবেম্মা মীওই অমা দরকার লৈরে; মসিদা ঐনা কন্নি হায়রুবা ভমগনি। মী অমা থিবা তারেদবা। থাগী ভলপকী মতাংদা ইবেম্মা কন্নি থল্লি? চিংলেম্বা শমিতাবা পাও-খুম পীরকই। ভলপগী মতাংদা অম্বুক কাওবা পীকম থোকই। হায়বা অহু থম্নগা পীবা তারেদবা। অকবা মীত্তা থেংহুনা থিবিয়ু ভলপকীদমক্তা থল্লুহু। কৌগত্তুনা শ্যাম চুমদিং লেপ্পি। কনি ইবেম্মা বোংমা নিনিদা কংনবা থিগে। মরম অমা তাকপি-গদবা লৈত্রবদি। ঐ থোকপ্রগে? উম য়াবে, মীওই অহু বিপা

খিগদবনি। "কনি" থুম্নগা শ্যাম খোঙথাং য়াংনা থোকখি। শমিত্রা অঙ্কা হোৎপদা পুক্লিং চংখ্রে। অঙ্কা অমদি কল তাবা ছুমমদে। হম্না কম্না শমিতা অঙ্কা হোৎলি। কয়াম্ক হম্না হোত্তুনম্নু কল তাক্রে। মমৈথংদা শমিতা অঙ্কা হোৎপা লেপ্লম্মী। হৌগত্তুনা "গোবিন্দ গোবিন্দ" হৌন' কৌবা হৌরক্লে। ইচেম্মা কম্নি তাকপিগদবনো গোবিন্দনা থংমবা কাদগী থুমলকই। থুমক-পগী খোঙ্গেল তমক শমিতানা তারম্মী। কা অসোমদা য়াম্না থুনা চংলকউ। গোবিন্দ চেমলক্তুনা শমিতাগী মমাংদা লেপ্লে। থুদিখিত্রা অহুক য়া'না চেনলকপা হৌমত্রা। গোবিন্দ ওনথত্তুনা ইচেম্মা কম্নিগী অহুক হৌনা কৌরিবা। শমিতা ইশি শিনা নোক্লহুনা মসি অঙাং অসিম্না। ঙাংনবা ঙমগদবা মী লৈরোই চহিনা ঙম্মদনা। ঙসি নচে লৈবা উত্রা? ইচে ঙনি অবোক থৌরানিগী কাদা ঙসাই হৈহৌবনি। হৌজিক্তি ঐতাক থংদে। অহুগা অবোক থৌরাবিনা রারী মুংঙাইবা লিহৌই। ঐদি নহান মথৈ থংলমদে, অবোক থৌরানি রারী লিবা য়াম্না হৈবজাৎনি। শকথম হেক হন্নিন্দুনা গোবিন্দনা পাও তমই। ঐহাক রারী তাম্নকই য়াম্না মুংঙাই। থবৎ কক্লুনা শমিতানা হায়রকই। থংলে তোক্লো নঙন্তু য়াওবা রারী লিরকদৌরি। হৎ লৈথোক্লুনা শমিতা চৎখ্রে। গোবিন্দ লেপ্তুনা খোঙথাং মশিং থিহৌই। থৌরানিগী কাদা শমিতা চংলক্লম্মী। শমিতা উবমক্তদা থৌরানি রারী লিবা লেপ্লি। শমিতা কম্লো থৌরানিনা কৌশিনলকই। রারী মথা চৎথনবা থৌরাবিদা তারুখি। শমিতা চংলক্তুনা ঙমিগা পুম্না কমিম্নরবে।

য়ায়ৌ লিনবা শুনিগী বাদা মতোং পাংশিনলু। থৌরানি য়ায়ৌ মথা লিরক্কে, থৈদুনা ভাংবা হৌরক্লে। ইবেম্মা শ্যাম লাক্লিবনি উররক্রা? উম উনবে শখিত্তানা খুমই। অবোক থৌরানিগী য়ায়ৌ মতা অমা ওইনা ভানিংগ্রে। ঐহাকপুদি শুবিনা হেম্না লুবা তৌবোই। নোংমত্তা ঐবু য়ায়ৌ লিহুনা তাহনখিদে। অদুগা শুনিদা য়ায়ৌ লিরম্বা! শখিত্তা ওইনত্তুনা থৌরানিদা য়েংই। থৌরানি নোক্লম্মী, চৌকি চিংখোক্তুনা তারো শুনি য়ায়ৌ মথা লিরগে। তারগা শুনি হয়াওনা শখিত্তাদা য়েংলকই। থৌরানি য়ায়ৌ মথা লিবা হৌরক্লম্মী। অদুদগী নিংথৌ মচা কোম্বুং চংলকখি। নিংথৌ মচা কোম্বুংগী মী অমত্তনা মশক খংদ্রে। খোঙতাপনা হংই, মোৎতাই চুদাইনরবা নিপা? নত্ত কৈদৌবগী কোম্বুং চংগদৌরিবনো? নিংথৌ মচা অহুমা থুম্রক্লে। লৈপাক অসিগী নিংথৌ অমুক্তা উরজগে। নিংথৌ মচা অহুনা খল্লিদো শখিত্তা। ঐনা কনা লৈপাক অসিগী নিংথৌমচা ওইহুনা। ঐহাকৌ ওইরিবা ফিভম অসিনা খাজগদবা লৈত্রে। খংদবগী খংদবা ইশক তাক্লরোই। করম্না কোম্বুং চংসিগে মওন মওন খনখ্রে নিংথৌমচা। হায়রিবা অসে ইশুশা চন্দ্রপুর কৌবা লৈপাকত্তা চহি ২০ চুপ্পা লৈকবগী মতুংদনি। চহি ২০ গী মমাংদা লৈহৌবা কোম্বুং মশক ওনলমখি। মসিনা নিংথৌমচা পুক্লিং লৈতাবা ওমই। অমুক হন্না নিংথৌমচানা হায়রম্মী। চংবা য়ারোইত্রা ইনিংথৌ অমুক্তা উরজগে? হন্দক্কি খোঙতাকপা শাউনা হায়রক্লে। লৈপাক অসিদি নিংথৌ পাম্দে। করম্না

নিংথৌ ইন্নগে হায়রিবনে অঙাওবরা নতবো । খোঙজাকপগী বা ভাবগা নিংথৌমচা থমোই শোকখ্রে । নিংথৌ পাংদে হায়বা শিন্নবা । লৈপাকী বায়েন চুপ্প কবানা পাইরি ? খোঙজাকপনা খুমই, ইনিংথৌ লৈথিভ্রবা মতুং চহি ৫ চুপ্পা । মহারানিনা লৈপাক বায়েম পথাপ কায়দবা পুই । নিংথৌমচা কপ্লক্লেদো, মপাবুং লৈত্রে ভাবদা ! নিংথৌমচা কপ্লক্লবদা খোঙজাকপা নিপা ওকপদা খেংখ্রে । খোঙজাকপনা খাল্লু, নিংথৌ লৈত্তে ভাবদা কপ্লিবা । নহাক্কি লৈপাক অসিগী নিংথৌমচা শোইদনা ওইগনি । খোঙজাকপা নিপা নিংথৌমচাগী খোঙদা তুখ্রে । থংলুদবগী মরান ভাওশিনবা হায়জরম্মী । নিংথৌমচা খোঙজাকপা নিপা কোনখৎপি । চহি ২০ গী মতুংদা অশানবা ওইবা কোমুং মনুংদা চংখি । বারী মুংশাইবা কোংদোক্লুনা "অবোক বৌরাণি মথ।" । শুনি, শমিজা মিৎ য়েংনহুনা নোক্লম্মী । স্বর শাংবা হোন্দোক্তুনা মথা হয়েং লিবিগে । মতাং অসিদা বারী লিবা লেপ্পসি । বারী মথা লিজে, মাতোন উৎতুনা থৌরাণি থম্বাই তামা নোকচখি ।

(১৭)

গোপাল কৌবা পাথং অমা হিসাপ তৌবগীদমক্তা লৌখি । থাগী তলপ লুপা ৪০০ পীবা বাখত্রে । তলপকী মথক্তা লৈনবা বা বিজাপ তৌরম্মী । চা থকপগী মরম শমিতানা কুথা য়েংশিনলি ।

গোপালনা মপুং ফাবা থবক পুবা হৌখ্রে। হিসাপ শুবনচিংবা মপানগী থবকতগী শমিতা কোমথোকপা ভত্রে। গোপাল হিসাপ শুবা হৈশিংবা মীওই অমা ওইরক্লে। মশামক বি.এ পাস তৌরবা গ্রেজুয়েট ওইরম্মী। গোপাল লৈরবা মতুংদা শমিতা লাইরিক্তা মাই ওনশিনখ্রে। মেট্রিক পরিক্ষা মরম নকশিনলক্লে, লাইরিক পাবা তঙাই ফদবা মথৌ ওই। ভুরা চাবা চংদনা লাইরিক পাখ্রে। পরিক্ষাদা চংলকপা য়াবা কোইসন লৈতে। চহমরবা মতাং থোক্রবদি গোপাল কৌহন্দুনা থংদোক্রবা হোংলৈ। থবক লৈতবা তঙা থোক্রবদি গোপাল তৌইনা চংলক্কনা সজেসন করা তৌই। ইংলিস সজেসন তৌবিয়ু হায়নবগীদমক্তা শমিতা অফিস তায়া লাকথি। শমিতা চংলকপা উবদা গোপাল চৌকিদা ফমরদগী হৌগৎলি। ফাইল শুবা লেপ্লুনা ইবেম্মা করি তাক-পিগদবা লৈবগে? তাদা গোপাল ইংলিসকী শরুক অমতা সজেসন তৌবিত্রে। সজেসন তৌবিয়ু হায়জবা লাকপনি। শমিতা চংলক্লুবা শুরহা ফাইল থোক থুমজিনলি। থুং ফাহনা ইবেম্মা হিসাপ চেন্নরিবনি। অমুক খিবদা মতম য়াম্না চংলনি। শমিতা লোক্লুনা মতম চংলগা চংজরেদনা। হিসাপ শুবা লাইরি ইংলিস সজেসন তৌদবা য়াদে। ঐহাক্কি হায়রিবা অসিনি হিসাপ শুবা মাখিরোই। শমিতা মিৎ কোইহৈ লৈহনা য়েংই। গোপাল মাতোম শুমাংগী কোইনা থুংবা নাল্লি। টেবিল মথক্তা লৈরিবা ফাইল কান্দুবা। লৈকাং চাহনা লৈরিবা অমনবা ফাইনশিংদা য়েংলম্মী। শমিতা শাউনা হায়রকই, সজেসন তৌবি-

পনি হায়রগা লাইরিক লংথোক্না থয়ে। গোপাল মোক্রম্মী, ক ইনগী চেনা হায়দোক্নগা শমিতাদা য়েংলক্নে। পুক্নিং কাবা বাঙালা গোপালনা খুয়কই। ইবেম্মা শোইদবা তৌজগনি। শিনগৎকদবা মিং ময়োন নৈবা অসিদা। ঐবা সজেসন ইভৌ স্তৌদবা নত্তে। মপুং কানা সজেসন তৌবা ঙমখিদবগী বাতনি। শমিতা শাউবা হন্নহনা তাদা গোপালনা করিম্ন থৌশাদবা। ঐখোয়গী পরিক্ষা হপ্তা অমরোমদা ডাইশিনলক্নে। অসিদা হায়বগী বানি ঙসি হয়েং হায়রুবা নৈরিঙৈদা। পরিক্ষা শোইরবদি ৬ দ গোপালদা ডাইরগনি। গোপাল কংবা নোক্নবা ইবেম্মনা লাইরিক পীবা ঙবাং মুমিদা-ম্নাইরম্মি। ঙসি অমুক সজেসন তৌরমত্রে হায়বগী শাউগদৌরিব্রা? শমিতা খুমদে চিংলেম্না নোক্নক্লে। মীনোক অদু অম্বুক্কী মতিক অর্থ নৈখ্রে। থৌশা-দবা গোপালগী মতৌদা নোকপনি। শককম হল্লিন্দুনা ঐহাক শাউহনা লাকপা নত্তে। সজেসন তৌরবরা য়েংবা লাক্লিবনি। মথা তানা ঙাংবা নংত্রিতৈদা গোবিন্দ চংলকই। ইবেম্মা বাবু লাক্নবা নৈহৌরে। বাবু পবলকপদা শমিতা অত্নম ডাপ তারম্মী। গোবিন্দ অফিসতা চংলক্রবা থয়া অমুক্কা হায়য়ু। কনি ইচেম্মা খুয়গা গোবিন্দ থোকখি। গোপালনা লাইরিক সজেসন তৌবগী বা পবলক্নে। শরত চংলকই, গোপাল হৌগক্নবা নমস্তে তৌই। "নমস্তে গোপাল বাবু" অসোমদা লেংশিনবিয়ু। চৌকি অমা চিংশিন্দুনা শরত ফমম্মী। চুমত্রিং চৌকিদা ডাখহনা গোপালনা হংই। করম্মা থক্কী লাকপা ঙইরবনো? মাই পুক্নপ তৌনা

ইবেম্মগা য়ায়ৌ শাজনিংহনা চংথোরকপনি। গোপাল হৌগত্তুনা ইবেম্মগা থাইহাক য়ায়ৌ শাবিহৌখ্রে। ঐহাক শিংজবৈ যক্তায় কাওবা চৎলুখিগে। "কমি" শরতকী খক্তেনবা পাওথুম্মি। গোপাল অফিস কাদগী খোঙথাং য়াংনা চৎখি। নক্না চংশিন-লক্লুনা শরতকী ময়াংদা লৈরিবা চৌকিদা শমিতা ফমে। ঐখোয়গী গোপাল হয়া মশক খংবিত্রা ?

হোয় খংই কলেজ তমিয়বনি।

অদোম গোপালগী ময়মদা খংবরা ?

ঐদি থোইদোকপা খঙজত্রে চুয়া কলেজদা খঙনবনি।

ঐহাক্না খংনিংবা য়াকম অতৈগী ময়মদা অদোম্না লেপথোকপি-রক্লেদনা। কমি করম্না ইস্টেদি চৎথবা তায়বগে ? শরত খুমদে পাওথুম পীদনা ভুমিন লৈ। শমিতা মিৎ শরতকী মাইদা থম্লক্লে। অদোম আনোক উপ্পে য়াম্না পুবচৈ। শরত ইকায়-বদগী আনোক লৌথোকখ্রে। আনোক টেবিল মথক্তা থম্লম্মী। ইবোক নোক্তুনা শমিতানা তপ্না হায়রকই। ঐনা পকচৈ হায়রগা আনোক লৌথোক্লে। অদোম অমুক্তা মিংশেন য়েংজ্রমায়ে। মিংশেন্দা তাবা মি অদোমগী নত্রবদি ঐহাক য়ায়গে। শরত ইকায়বা উত্তুনা নোক্লকই। ইবেম্মগী মাংদা অমুক হয়া আনোক উপ্পরোই। অম্মোকপা য়া থাক্তা জাং জাং হায়রকদৌরি। শমিতা নোকথোরক্লে, পকচৈ কজৈ হায়বদা ইকায়ববদি। ইকা-য়বদগী খংনিংবা কয়া খংহনলোইদৌরিদনা। অশেংবনি অদোম কমিদা লেপথোক্লবগে ? শরত শককম হখিন্দুনা ইবেম্মা ইস্টেদি

মথা চৎথরবোই । অহ্ ওইরবদি করম্বা লাইনদা ইস্টদি শবিত্তাবা থাংনিংবা নাইহে । করি লাইন ওইগনি এদি ইস্টদ চৎথবগী রাথল লেত্রে । অসিবু অমুক হংনখিগদ্রে ? ডাক্তর ওইবা য়াই ইঞ্জিনিয়ার ওইবা য়াহনা । অপাম্বা থল্লগা তম্ব চৎপগী অদা তৌত্রবা । হোয় মসি পুম্নমক ওই্রবা । অদোম্না ক্লাস ডিভিজনদা লাক্লম্বা থোক্লবদা কারয়ে ।অদোমগী মার্ক'সত লৌথোকাপরত্রা ? করিং গুম্বা লৌথোক্লবদি ঐনুম্নু অমুক্তং য়েংহনলোইদ্রা । নুথম হোত্না শরত ঙক্লা য়েংলম্মী । ইবেম্মা ঐ অঙ্গম হেক্তা হায়রক্কে । ক্লাস ডিভিজন য়োগদবা মার্ক থরতনি বাৎপা ।ঐহাক্কি ক্লাস ডিভিজনদা লাক্লে সেকেন্দ ডিভিজনদি । থার্দ ডিভিজনগী মরমদা থোইদোক্লা থল্লদে । ওইনিংবা পইবনা নিংবা কায়বা তৌরোই । ককি খেমজরক্কে । কল্লমথে হায়রম্লগা শমিত্তা গোকখি । মনিল কাবা কাক গিলাস পাইদুনা শমিতা চংলক্লে । "ককি নৈরে" শরত থুনা ককি লৌরম্মী । ইবেম্মগা রাকম অমত্তং হোদোকে থৈম্মে । ঐনা হায়গে নিংলিবা অ'স ইবেম্মদা করিস্থু নৈতবনি । থুদাং ঘড়ি অমা লৌখিনবিহৌ য়াম্না ফরিবা উত্তোমেটিক্কি । ঘড়ি অসি হাক্ম য়াওশংদা নৈবনি । শমিত্তা ইনোক নোক্তনা মমল মরাবো কন্দিসন করি হায়বা । হোয় ইবেম্ম কন্দিসন য়াম্না ফরি অত্তবু ঘড়ি মমাহদা দাক মচা অমা নৈরে । বেম্মনা লৌগে থল্লবদি হেক্তা পুরগা লাকে । ঘড়িগী মমল কয়া পাম্বীরিবা ? শরত থল্লি, থনলম্লগা ঐনা নৈরকপা অঙু লুপা ৪০০ নি । ঐগী তত্তাই কদবা খেনগী দরকার লুপা ২০০ থক্তনি ।

ইবেম্মা লুপা ২০০ দা অহুম লৈখিরো। অসিদগী হেনবা শেন-
কম ঐঙোন্দা দরকার ওইদে। শখিতা মিং শরতকী মাহদা
থমকই। কখি অমুক্তা থক'পখো। শরত কখি থক্লম্মী, ইবেম্মা
ঘড়ি লৈবা তারবদা ঐগী দরকার চ'ঙ্ঘেখি ঙমবিগদ্রা? শখিতা
নোকুনা ঙঙ্গা ঙমদবা লৌজবা তারে। লৈবা তারবদা হায়া
ঘড়ি অহুগী মশক মওং য়ে ঙিংই। শরত খঙ্গাইন ইবেম্মনা
খোইদনা লৌগানি হায়রবদি ভুমিদাংবাইরম ঘড়ি পুহনা লাক্লগে।
ঘড়ি পাম্বরা পামদবরা হায়বা অহুদি য়েংলগা খংগনি। শখিতা
কমথরক্তুনা ঘড়ি খোইদনা লৌজগানি। শেনকম অতু করিদা
চংনগদগে? চংনগদবা মরম অমদি লৈঙ্কম থোকই। শরত
চিংলোয়কই, ইবেম্মা ঐহাক গৌহাতি চৎপা পাম্লি। চৎপদা
চংগদবা খরচকীদমক্তি ঐগী লনাই খরচ নত্তে। গৌহাতিদা
ঐখোয়গী ইমাগা পোকমিয়বা মাম্মা লৈ। মহাকী য়ুমদা মতম
থরা লৈক্লসিরা খল্লি। মুমিৎ কয়ানি গৌহাতিদা লৈরকপা
তাবগে, কয়া কুইনা লৈরকদৌরি? মুমিৎ কয়ানি লৈরকদগে
হায়জবা ঙমদে। মকম অহুদা গোর্ভমেন্টগী খবক মচা অমা
কংলবদি। পুল্সি চপ্পা অমুম লৈখিবা মাই। য়ুমদা থংলুবরা
ইম্সোমচানা খিংজ্রা? খিংই, খিংই হায়হুনা কৈদৌরি য়ুমদা
লৈখোক্লে লাইরিক মথা চৎথবা ঙম্লোই। থবক তৌগে হায়র-
বমু শীজনিংডাই শেনখং পুখোকপীববা লৈতে। অদোম চৎপা
লেপ্লেদনা হায়রম্লগা শখিতা মাই লৈখোকখি। কপ্পিংবনা কুন-
গৎলক্লে মাই লোত্তুনা হায়রকই। মুমিদাংবাইরম ঘড়ি পুরপা

অদোম লাকপিয়ো । য়ুম হেক য়োরকপা মতম অদুদা অদোমগী শেনকম পীজগনি । শরত অঙাওবা ময়াথল লাক্লবা শমিতাগী কোকতা থুং থম্লই । থংপ্রেং থংনা শমিতা মাই লৈথোকখ্রে । থিংবা ওমহৌত্রবা পি মাইদা চেম্থরকখি । থুং লৌশিন্দুনা ইবেম্মা কপ্লিবরা ? কপ্তুদা হায়রুনা শমিতা কংনা নোক্রম্মী । শরত থলংতোদনা শোপ্লি কপ্তু হায়রবা ইবেম্মা । ইবেম্মনা কনা কপ্তু হায়রবদা মাইথোংদা কপ্পগী মমি তাই । কপ্লবনু কম্লু কপত্রবনু ঘড়ি শোইদবা নৈগনিদবা ? শমিতা চেম্থরকপা পি লৈথোক্লবা লোজগনি ঘড়ি লৈরোই কায়খিদে । ঐডোম্দা অচুক হাক্লা অঙ্ক বিসাস ওইনা লৌগন্নু । চৎনিংবগী লৈতাদবা শরতনা উৎলি । ইবে-ম্মনা ঘড়ি লৈগনি হায়রবনিনা মীতেপ অমদা হংলরোই । শরত হৌগত্লবা সুমিদাংবাইরম ঘড়ি পুরগা লাক্লগে । শমিতা থুমদে থিংতমক য়েংই । শরত তপ্না থোঙ থাংলহুনা অকিস কা মনু'দগী থোকখি । ময়াথলদা তাওহুনা শমিতা কম্লি থংদনা ফনহৌই । শক্লে, শোক্লৈ ময়েক শেংনা কোংদোকখিত্রবা মুংশিবা । অর্থ চেম্ব্রবা থমোইনুংগী ব'কৎনি । ময়াকংকিদমক্তা পাওথুমগ-দৌরিবদা লাংঙক্লকম থোক্কে । করিনা অনিমক্তা থমোইদা বাহং পাওথুমগী মরি নৈ । হংবা হৌরমগা হংথিত্রবা বাহংগী থোই-মাংবা মতম পুম্নমক্তা নৈগনি । সুমিদাংবাইরম্মি, শরত হায়ন-থিবা মতম কায়দনা ঘড়ি পুত্থনা লাক্লম্মী । তোইনা চংলকপগী হৌদলা ইঙ্গিং পীদনা ইমুংদা চংলক্লে । গুনি নৈরবা অমা থোক্লবা লাক্লিত্রা অসোয়বদা লেংশিনবিয়ু । ইচং থৌনা শরতনা

হৌনা হাররকই। ইবেম্মা, শমিতানা ঘড়ি লৈগনি তাকশিনি। শায়নবা মতুংইন্না ঘড়ি পুজরক্লে। ইবেম্মা লৈত্রা? অদুগি মোমোন নোকুন্না করবা শরত্তা ফায়রম্লগা থংনবা কাদা চংখি। ভুমিন লেপ্তুনা শরত লৈ, ফমদে। মতুংদা প্লাস্টিকনা লোনবা চৌকিশিং, প্লাইউদগী লৈরোং হকপা টেবল লৈরম্মী। মিং লৈরহুনা কা মতুংদা শর চনা কোটনা য়েংই। মিংয়েং অহুমক ক্রেম চন্দুনা থেংলিবা কোতো অমদা লেপ্পি। শরত চংশন-লক্তুনা কোতো য়েংলবে। থংহৌদনা শোল্লি অসি বিনোদী কোতোনি। থংনবা লেপ্লিবা অসিনা কনানো শমিতানি। কা অসিমক মুমিং থরগী মমাংদা শমিতাগী কা ওইরম্মী। কোতো বত্তনা শিরডি অয়েকপা লাই কয়া ক্রেম চন্দুনা থেংলি। শমিতা-গী কা হোংখিহুনম্ব কা মনুংগী ফিভম কায়দে। কোতোদগী শরত মিং লৈখাক্লমদে। বিনোদী মোমোন নোকপা শক্তম অমদি শমিতা। কোতোগী শক্তম খাদোক্তুনা বা ঙাংবত্তুমা তৌরম্মী। শরত পাখংলমদে ওটখোক্তুবা অহুগীদমক্তি মীপাই। বিনোদী মোমোন নোকপা শক্তম থাদোক্তুনা চিন্তা পোৎলুম পুখ অমত্তুমা ঙরক্লে। পিনা থুমহৌংলবা বিনোদী কোতোদগী বাহৈ থরা তারকখি। "তা শরত" ঐ অমসুং শমিতা থেমবা লৈত্রা? মতম অমদা ঐনা নহাক্কীদমক্তা কয়া বাক্তবা। ঐহাক্কী মুংশিবা নহাক্না থংবিদে। অমরোমদা শমিতানা মুংশিবগী ময়মদা থহুদে। ঐহাক্কি ইনামবি অমা ওইনা মহাক্কী থমোই থংই। নঙগী খনবদা শামত্তা চায়না অঙাওবী ওইরগনি। নহাক্না

খংত্রে শরিক্তাগী ওইরকদবা তিংবা কায়বা । করবা উপাই ঐজোন্দা লৈতে। ঐহাক্কী কৌথ্রবা পুন্সি শরিক্তা ওইহল্লিংদে । পানবা চুপীজাগী খয়োই ওৎকদবগী নকক সংসার অসিদা। চুপীজাশিংনা সুখিবগী খয়োই কংথোকই । খথোয়না নিংবা কায়রবা পুন্সি ওইদে । নহাক নুংশিজবা মহাক অদু লাইবক খিরবীনি । নহাক্না নোংদমখিবা করা য়াওবগে ? চুপীতা ওইথ-শিংগী খয়োইদা খংনক থৈজনা বাহনবা । মচুনা মীওইবা সমাজগী ওয়াইতৈনবা লম্বীনি । শরত মিং উইশিন্দুনা লাওরকই "ঐ ভাওতে" তাররিবা থোথেল অসি করাগীনো ? মুমগী ত্রেত্তা লেংলগা শমিত্তা চংলকখি । হমাংনা লুপ্পবা শরতকী মাইদা শংত্রিক য়েংলগা লেপ্লম্মী । পাখংনা অদোম হৌজিক করি থোকহ্রবগে ? হকচাং অদু হমাংদা পুম্নপ লুপ্লে । করিনু তৌদে খুমহনা শরত, মিং পাথোররে । অসুক চম্না থেংলবা কোকেংবা য়েংই । বিয়োগী কোত্তো হায়রুম্মা মোমোন মোক্লগে । শমিতা, চংশিন-জরুবা কোত্তো অসি বিয়োগীনি । খুদোমবী থিন্দুনা খংমনা লেপ্লিবা অসিনা ঐনি । কোত্তো মশক ত'কই, শতরনা খংদে হায়রবগী খুংনা ইজিং পীরকখি । লৈথোরক্লুনা ঘড়ি পুরক্লে ফুরিং খাওদগী লৌথোক্লুনা পী । শরতকী খুংতগী শমিতাবা ঘড়ি লৌরম্মী । অদোমগী খুদাং ঘড়ি শিরকপা উদে । ঘড়ি অসি কন্না কৈজ অমুক্তা ঐগী ইখাংদা থিজিনবিয়ু । হন্দুনা ঘড়ি পীরকই শরতনা য়ানিংদবা উত্তুনা লৌরমদে । শমিতা মিং শরতকী মিংতা থমকই । শাউনা অদোম ঘড়ি শিনিংদবা

থিপা অরবি । ওসিদগী ঘড়ি অদোমগী ওইদরে ঐগাক্সা চাই-
জবা ঙাথিবু । শরতকী থুংদাং পাইরগা শরিতাবা ঘড়ি শিঙ্জনবি
স্মী লুপা চ মা চংপা মোত পুখাতক্লুবা শরত শীরক্লে অদোম্না
অসিদগী হেন্না শেনকম ওইকায় ওইহনবিবা । ঐখাক্না পীবা
লুপা লৌশিন্নবিয়ু । শরত লুপা লৌরমদে, শরিতাবা নমথুনা
মমাংগী ফুরিং থাওদা হাপচিনলি । ঊবা শাবা মুক্তি'শুম' শরত
লৈপ্লমী । লুম্না থোঙ ফুক্তুনা শরত কাদগী মপান থোকক্লে ।
শরত চংখিবা মেংলংগা শরিতা লেপহৌই । মুমিত্তুদা শরিতাগী
থাথন কর্ন্নি ওইরমগনি । হায়বা অতৃদি কবাবশু থংবা উমথিক্লে ।

(১৮)

শরতকী থওকপা থবা নৈ, ঘড়িগী শেম পুরীগা হেক হেক
লাঁকখি । খুমদোংদা চংদহুনা খোঙ্গনদগী হনবা গুমিং কদানি ।
শরত থোকান্দা লেপ্তুনা ইমুংগী মী থোরকপা ওইরম্মী । শরিতাগী
যুমদা চৈচং থোবা চংখিদবা অসিমক্তি । শরতকী থওমবা নৈথবা
চিংনদবা ওমদে । নত্রগা শরিতাগী মমাংদা লেপ্লা উত্নগী পাঞ্জন
তক্লে নৈত্রবদা । য়াম্না কুইনা লেপ্লবা মতুংদা উরক্লে । নৈকো-
নগী লম্বীদা নৈশিন্দুনা গোবিন্দ চংখিগদৌরে । যেংথোরকপা
থঙা) যেংহনা শরতনা থুং থংদি । কোবগী মওং উবমক্তদা
গোবিন্দ য়াংবা চেনদকই । শরত লুপা পুংথাবতুনা "নৈ গোবিন্দ"

মচেম্মগা পীগু । কবিরুদ্দা মচেম্মনা হংলকপা খোঙ্গবা ঘড়িগী
ময়লাংনি থুগ্ন । থুমকগনি তাবরক্লগ গোবিন্দ লুপা লৌরগা
চেনখ্রে । অদুদো শরত চৎপা লৌই, থরা চৎলগা গোবিন্দ হন্দুনা
চেনলক্লে । গোবিন্দ ওকপা উত্তুনা ইচেম্মা লৌশিনবু য়াদে ।
লুপা অসোম বাবুগীনি ভাকপীরকই । ইচেম্মনা অমুক হন্না
পীরক্লবস্থ লৌরকদ্র হায় । গোবিন্দ হন্দুনা লুপা পীগে তৌরম্মী ।
খোঙবাং তপথতনা থজিক্কং নোক্লগা শরতনা হায়রকই । অদু
ওইরবদি গোবিন্দ অমুক হন্না চৎতুনা মচেম্মদা হায়য় । ঐহোক্না
চংলক্তুবা পীরবদি লেরকম অসি লৌগন্না • পাওখুম থংলগা
ঐগী ইরাক্তা অমুক লাকদবনি । নওনা লাকত্রিকাওবা তাইত্তুনা
লৈরমগনি । অমুক হন্না পাও পুরগা গোবিন্দ যাংনা চৎখি ।
শরত লৈরকী চিদাইনা লেপ্তুনা গোবিন্দ লাকপা ঙাইরম্মী ।
লৈরক তানাদাবকপা মচমদা ফুরা লৈ, ফরা মখাও হায়বা অযাপ্পা
মীনা থংলৈ । মথা শংবদা লৈকাই পুখ্রি অচৌবা অমা লৈরি ।
মপান অকাইবা চেক্না শক্না চনদি ; পুখ্রিগী অমত্তা ওইনা
স্কুল লৈরে । স্কুলগী মখিং লমদম অসিদগী তোঙাম্দে । মিরিত
৫ মাঁ মত্তম থক্কা তৌজিনখ্রে । গোবিন্দ লাক্লমতে, লেম্মা বাব-
রুবদা লৈরকত্তা হকচং চন্দা চংলি ; খোঙথাং তপথতুনা গোবিন্দ
লাকপনা তুংলোমদা হয়া য়েংলকই । মরেক শেংনা শরতনা উবা
হৌরক্লে । লৈশাবি অমা খোঙনা তপ্পা তপ্পা লৈরকী নোংচুপ
মংবদগী নোংপোক পাংখা লাক্লি । মকশিনলকপদা থংলক্লে,
মপোক কায়াদবা শমিতাগী মুতিনি । মক্তুবা শমিতাগী মাইথোং

উবগা শরত হায়রম খংদনা ইকায়রম্মী। ইকায়বগী কুথল হায়দোক্লুনা শরতনা হায়রকখি। ইবেম্মা গোবিন্দনা করি তম্মবগে? অর্থ নৈনা য়েংলগা শমিতা নোকখোরকই। করি তম্মবগে হায়বা, অদোম মীচেন অমগুম্মা থৈজনা তাংবগে। অদোম গৌহাতি চৎলম্লোই তাই। অদু ওইরগা কারগী ঐখোন্দা খংহনলদবগে। শেন থুংখাং পীরমগা চৎকদৌরিবা। ঐগা উন্দনবা লোংংকে খনলকপ্রো? অদুগনে লুপা ঐহাক্তা ওইদবা কুইরে অদোমগী ওৎত্রবানি। শরত, শামতা হন্দুনা নৈরকতা চৎলম্মী। চৎনা চৎনা রা থৈদোক্লুনা শরতনা হায়রক্লে। গৌহাতি চৎলরোই হবেম্মগী লুপাস্থ ঐখোন্দা দরকার ওইক্রে। ইবেম্মনা শেনকম অদু পৌশিনবিয়ু। ".গাবিন্দা পীব্রদি" হায়রগা শরত মখই নৈখোরকই। মিৎচিনা কয়প য়েংলগা শমিতানা থুমই। ঐহাক খংই গোবিন্দা লুপা পীরকপা চৎকে তৌবা। তৌজিক্লে গোবিন্দনা ঐহাক থিরমগনি। অদোমগী পুকচেল পিকপা উবদা য়ুমদগী হৱান্দুনা থোরকপনি। শরত কাক কাক নোকখোরক্লম্মী, এবু পুকচেল পিকপা তাহনবা। শমিতা শাউনা থুমই পুকচেল পিকপা ওইদবা। অদুদি করিগী লুপা হনজকপগে? লোংংকে খল্লিবা অদোমগী বাখল অদুবু হায়জবনি। থোংলবা শমিতাগী খোংথেল অমনা। অদোম্মা ঐহাকপু মুংশিকহ তক্লে নৈত্রবরা? শরত খল্লগা ইবেম্মা মুংশিদে হায়খিদে। ইবেম্মা উনিংত্রবদা মকব অসিদা লাক্লম্লোই। মুমিং করানি নৈবকতা চৎলি। মুমিং চুপ্পদা ইবেম্মগী রাখল খল্লি। ইবেম্মা উনিংবগী

চাং নোংমা বোংমগী হেনগৎলক্লম্মী। তারগা শক্তিতা নোক্লকই, অহুম্মা থরগা করিগী যুবদা চংশিনক্লিবা। পুম্মক অসিগ্ন ইকা-য়াখলগী ওইগদৌরিবদন। খুৎ তমগা অদোমগী ইকায়বা থসিবু [illegible] চাওখৎলকপা ইঙ্গোক্লা মনা পুক্নিংগী [illegible]। ইকায় [illegible] [illegible] থক্তকী [illegible] চংলই। পুনিংমক্তা [illegible] [illegible] নংতাং ওইমক্তে। [illegible] ইকেম্মা ইকায়বগী [illegible] তাঙ্কনু নক্তে। শক্তিতা ইং [illegible] ইকায়বা নত্তবা। অদোমগী [illegible] [illegible] ওইগদৌরিবা? ঐহাক উবিরক্লবা পোৎলিবকি অচুম্বা [illegible] ওইগদৌরিবদবা। খোম্জিন নিক্লগতৌনা [illegible] পুক্লকই। ইবোবগী [illegible] অহুমকম্ম অরানবনি। ঐত্তেম্মা [illegible] [illegible] [illegible] নৈতাবা ত.[illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]-মলকপা [illegible]। গোবিন্দ [illegible] "[illegible] লুপা" [illegible] পীরে। গোবিন্দগী খুৎ ইংহোক্লনা [illegible] [illegible]-কক্লম্মী। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পীহু। [illegible] লুপাগী [illegible] ওইহবা মমা কুইক্ত। গোবিন্দ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমুক পী। [illegible] লুপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। গোবিন্দগী লুপা [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]-[illegible]। [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] গোবিন্দনা [illegible] [illegible] [illegible] চংখিনখি।

(১৯)

থা তপ্পা তপ্পা লৈচিল মরুমদগী থোরকই। লাপুক্কী উই মথোন অহুমগী চেক্তী দলান। বাখলগী কলপনঃ পুথোক্লা মেকপা দলান অমমগী। দলান অসিনা থোপকনি হায়নিংঙাই লৈরোই। থাবল মচালদা দলানগী করুবা, মুনিদাংগী দৃশ্যা থাবা বানা থোক্লদি। দলান অসিবু কোইশিনবা চেক্লোন অমা লৈ। দলানগী মথা থংবা শরুক মথৈ চেকপল মরুমদা লোংল্লি। কা থুনিংদগী থোরকপা বিজলি মঙাল। কেন্দ্রগী মচি অমমা কমাণ্ডগী মখি লোংলিবগুম্না লিংই। চাগথং থোঙথাংদা মিং-য়েংকম ওইরিবা দলানশিংগী মরক্তা। থোক্লিনলক্লবা কার গে-ড়েজদা লৈরি। গেট লোনশিনবা কাওয়ববগুম্না হাংদোক্লবা লৈরম্মী। লেপ্লবা য়েংবদা যুমলৈ কৈরৈ মরিক চুম্না ঙবা কংই। চেক্লা পকা চমবা শুমাং, হৈনৌ পাম্বী মচাশিং। কবোক পাম্বী, লৈ জাং থবা গম্না লাইনা থাই। অঙ্গুর পাম্বীশিংনা য়েক্লবা দলানগী মচি মচিদা কারি। শুমাংগী মথোঙদা তুলসি পাম্বী চেক্লা পকা চম্পুনা লোই। অসিনা তাকই লৈতৈ রুম ওইরবনু হিন্দুগী চংনবি ঙাক্লি। থুপ কংথিবগী মুংশিনবা মনম্না ইথোলগী মকোইবদা শন্থোকই। "চংনবি মতুংইন্না হিন্দুশিংনা সুন্দ্যা আতি মতম অসিদা। ইমুংগী মুপীমা বিষ্ণা দেবী পূজা কং-লগা থুরম্মী"। ইমুংগী মীওই থুদিংমক্তা মাগী মাগী মথৌ পুক্লিং চংবগে। কা মনুংদা শমিতা-লাইথিক পাক্লা কল্লি। মেঞ্জিক

পরিক্ষ' মথংগী থুমিজ্জা ওইরম্মী। অচানবা পরিক্ষা হৌবা থুমিজ্জা ইংলিস সবজেক থোকই। এদ্বোলোক্কৌনচিংবা লাইরিক মথোক হৌনা পাই। শ্যাম চংলক্‌না লেপ্লে, শমিতাগী মতৌ খুমা য়েংলগা হায়রকই। ইবেম্মা পাবুংগী চিঠি কংই। লাইরিক পাবা লেপ্তুনা শমিতানা হংলক্লে। পাবুংদগী চিঠি কংলবা মরোল্ করি হায়রকপগে? শ্যাম চপ লেপ্লগা চিঠি মরোল হায়ত্রা ইবেম্মা। নপাবুং অমদি নমাইবেম্মা অমা অমেম থোক্কে। ইবেম্মগী স্কুল ডমগী মরম হংলকই। মেট্রিক পরিক্ষা নকশিনংলক্লে লাইরিক কয়া পানবা হয়রকই। থা খরা লৈখবা ভাবি অস্তুমা চিঠিগী ৱারোল লোইশিনলি। মপাবুং থোরকপগী ৱারোল ওইরমল্লবদা শমিতাগী মিংবা কাদ্রে। অশাবা খর শাংনা হোৎনোক্লগা হায়রকখি। শ্যাম পাবুংগী চিঠি থুনা হনখিনবা তৌ। শ্যাম খল্লগা "অচুপা ইবেম্মা" চিঠি কনানা ইবিপগে? শমিতা চিংলেম্লক্লে, ৱায়োল থুদিংমক ভাদা পোপাল ইহনসি। ঐগী পরিক্ষা থাবগী মরমদা খরা পল্লু। করি ইবেম্মা থুমলগা শ্যাম থোকখি। শমিতা লাইরিক পাবদা পুক্নিং চংখ্রে। থুমিৎ নিপাল্লি চুপা শমিতা পরিক্ষা থারম্মী। খুৎলোইদবা কোইমন কুংঙাইডবা য়াওরমদে। হিসতোরীনা অমোইবা সবজেক্তি, মেট্রিক পরিক্ষা লোইশিনখি। মেট্রিক পরিক্ষা মতুংদগি স্নায়ুবিশিংনা ইয়াং লাংলমে। করা অমমা লৈমিমা য়েংনুদি শমিতা। ড্রামা য়েংবা চৎলি হায়রমচিংবা হৌরে। মথায়খিশিংনা লোইইনখিনা শমিতা লৈমিনা য়েংবা চৎমিংলমদে। থুমিৎ কয়া হৌখি,

শরত অমুক কয়া লাকখিরে। মসিনা শরিতাগী থমোই মৈচাক হেনগৎলি। মাংজোবনা অসা তৌরম্মী শরত ইঞ্জিনিয়ার অমা ওইবা। শরত লাক্লুবদা শরিতা অনিংবা পুবা কাববা তাবরে। কুপ্না খঙগা যোংমা গোপাল শরতকী মুখদা থারম্মী। "মুখদা চৈথকদে" গোপাল ককলকুনা শরিতাদা তরে। মখিং মাওবা শরতকী পি, ইউ, সি সার্টিফিকেৎ। মার্কসিট মিনাগী মতেং-দগী শরিতাবা কংলে। থংদবগী থংদবা শরত থংহনলমদে, লাকবা মিনাদা ৎংহনখি। কোর্ম লোব' চেঙোক চেনখিন গোপালগা তাররম্মী। কালিকাই মার্কতগী হেনবা ময়া। থাগদৌরিবা [illegible] পুখিংমক্লা [illegible] মাঙ্গে। [illegible] [illegible] মতম অসি কাওবা শরত লাক্লে। চংশনবা [illegible] থনমমদে ইঞ্জিনিয়ার অমা চংশা লোইগঞ্জা। অসিগা [illegible] শরিতা [illegible]। নাইগী [illegible] শরত শরিতা-গী [illegible] লাকখি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] '[illegible] [illegible] [illegible] শেংলি। শরত [illegible] শরিতা [illegible] "[illegible]"। [illegible] লোইমা-[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] '[illegible]'। [illegible] শকটে '[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] উবে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] '[illegible]' [illegible]। [illegible] শরিতা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]

থম্লগ্রিবনি। ইবেম্মদা মার্কসিষ্ট, সাঁথিকিকেৎ কাম্বা লৈত্রা?
থরাই তাম্না শবিত্তা লোকথোরক্লে। লোকপা রানা থিংলগা
ঐখোন্দা কৈকদোরবনি অদোমগীদমক্তনি। রাশি রাওদবা মীনোক্তা
শরক্তনা "ঐগীদমক্তনি হায়বা" তক্লা হংই। হোয় হায়রিবত্থু
অচুম্বনি। খোঙ্জেল রাম্লা পিক্লা শবিতাম্না মথা শমথরক্লে।
অদোম থংত্রা চহিসিগী ইঞ্জিনিয়ার অম্বা চৎকদবা। মীওই
কয়া লেপেক্লন কংবগে? শরত তক্লা ইঞ্জিনিয়ার অম্বা চৎকদবা
মীওই অমা নত্তবনা কুপ্পা থংদে। ইবেম্মনা ইঞ্জিনিয়ার অম্বগী
বাকম পনলক্রিবা অসিবু। কনা থাগদবা লৈবগে?

মীওই অমা লৈ।

মীওইদু অমুক্তং মথক তাকপিগত্রা!

অদোম।

অবেম্ববা মীনোক লোক্তুনা শরতনা হংলক্লে। মদু করম্না ওই-
থোকনি? ঐহাক মীরৈপাক্তা ইঞ্জিনিয়ার অম্ববগী চৎপা।
হংম্বিরু তাসি ইবেম্মগী অদিংবা থংজিনবদা কাম্বা ওইবা যাই।
ইরাং লংলবা শবিতাগী মাইথোংদা। অমুবা লৈচিল মচেপ অমবা
কুপশিনপকপগুম্নে। থমোই কয়বা থোংহোক্লা ঐনা থরুই অদোম্না
খোইদনা যাগনি। মখোওদা তুহনা হায়জনি অদোম ইঞ্জিনি-
য়ার অম্ব চৎপিগদবনি। শরত লকক্ম ওন্থুনা ইবেম্মনা ঐহাক
মথক থংজে। করম্না কিভমদা ঐহাক লৈরি।.. ইঞ্জিনিয়ার
অম্ব্লদবা মীওই অমগী শাক্তি রাংমদনি। ইবেম্মগা থাক মায়না
লোয়্নবা পুংত্রাক তাকপিবনি। ইবেম্মনা থত্থরবদি ইঞ্জিনিয়ার

অমা ওইরবা হোৎনবদা চংশদবা শেনকম। লুপা ঐগী যুমদা লৈরোই। শরতনা শিলোক থিবগুম্না তাংলকপদা শমিতা কাপ্পং-ংলক্লে। মিং ইরা চেপ্লি, লমহেনলবা পি তপ তপ লৈরাইদা তায়রক্লে। শরত লৈশিনলক্তুনা ইবেম্মা মাই লুকথতুনা কপ্লি। হায়দুনা ঐতোন্দা ইঞ্জিনিয়ার তম্বা চংলু। চৌথিক্তি ঐহাক মশক থংলবদা ইচংথোবা ওয়রোই। শমিতা মাই হায়গৎলমহে কপ্লিংনা হায়রকই। অদোম ঐনা হায়জবা য়াগনিদবা? থোৱেল য়াংবা শমিতাদা য়েংলগা শরতনা হংই। ইবেম্মনা হায়বা করম্বা য়াদবা লৈত্রবগে? ইবেম্মনা তাকপিনিংবা তায়দোকপদা অকা-য়বা লৈতে। শমিতনা তপ্পা থুম্লক্লে, অদোম চৎপগী তাঙ্কিক লেপত্রে। ইঞ্জিনিয়ার তম্বা চৎপদা চংশদবা শেনকম থুদিংমক ঐহাক্না পুথোক্কনি। অদোম লাকপা তাইহনা লৈরম্লবনি। চৎপগী থৌরাং পুম্নমক ঐহ ক্না শিনগনি। শরত লাওরকই "ওইথোক্লবনি" ইঞ্জিনিয়ার তম্বা তকচৎ চৎলোই। থোজেল পিক্না হবেম্মা কপচেৎপি ওইরি। মতম য়াওদ্রবা ঐগীদমক্তা ইবেম্মগুম্বী অমনা কপ্পা অৎকপনি। শমিতা মাই হায়গৎলত্তুনা কপকাম্মি থুমই। অদোম্না ঐনা হায়জবা তাক্লিকাওবা। অদোম ইঞ্জিনিয়ার তম্বা চৎপা তঙাই ফদনা য়াবা তাই। কবিগুম্বা মুংশিবিদতুনা চৎক্র-র্দি ঐহাক হাংপগী পাপ পুরগদবনি। কোক হায়হনা শরতনা তেম্না পাওথুম পীরম্মী। ওক্লে তোক্লো শমিতা মথা তারগনু। ঐ তাবা ওৎপী পাজল লৈশিনলক্লে। শমিতা মিং লৈহনা য়েংই। কিয়বদি ইঞ্জিনিয়ার তম্বা কদিকতা তাম্না চৎপা য়াগং-

মরনি। শরত খুমদে, কপ্লিংমা শমিতাদা য়েংহুনা লৈ। মচু তানা শেমক্রবা কফি পুরগা থৌরানি চংলকখি। কফি পীরহুনা ইবুংঙো ঊদবা য়াম্না কুইরে। নোংকাদোকপু ঐথোবগী য়ুমদা চংলকউ। শরত মাই লৈথোক্না খুমই, চংলকইবা অসিবু অবোক হৈবেম্মা। "হোয়নে হোয়নে" ঙসি ল্যাক্রিদনা ঙাংলম্মগা থৌরানি থোকখ্রে। শমিতা লৈশিনলক্লুনা কফি থকপিয়ু হায়রগা শরত্তা য়েংই। মিংতি য়েংদে শরতনা কফি থকপা লাইরি খুম্মখী। ইবেম্মনা হায়রিবা বা অসি ঐঙোন্দা চক্লা থোক্লে। শমিতা থল্লগা ঙক্লনি, থোইদোক্লা ঙাকপিগনু। মসিদা ঐহাকপু লাম্না লৌবিগনু। শরত কফি থক্লখী, থক্লা থক্লা হায়রক্লে। ইবেম্মনা মাংজোনবা ঐঙোন্দা থংহনলম্লবদি। ঐবুসু বাথল থম্নবা মতম থবা পীরম্লোইদ্রা? হোয়নে অহু ওইরম্লবা অদোম ইঞ্জিনিয়ার ওব চৎলমদবা য়াউ। শমিত্তা কংনা শরত্তা য়েংলগা থোকচখি। শরত ইঞ্জিনিয়ার ওয়া চৎপা, ইমুংগী মীওই খুদিংমক্লা মথং মথং থংনরক্লে। শমিতাগী অসিঙুবা থৌওংদা শ্যাম ইনা য়ানিংলমদে। অহুবু চিন থোক্লা হায়বা ঙম্লমদে। ঙাংবা ঙম্লক্লবদা শমিতানা কুশি তৌবা শ্যামা থিংনিংলম্মী। সুমিংলু সুমিদাং থাবল য়াম্না কৈ, কাগী থোঙবাও থিংজিনলমদে। মাই সুকথহনা টেবিলদা খুৎনিং শোরগা শমিতা লাইরিক ইবি। বিজলি লাক্তে ওপন্যাসগী থোমর্তি মচা অমা থানলি। থাবল মঙাল থোঙ্গোও লানশিনলক্লুনা মাইদা শগ্রাংদা তারি। শমিতাগী থবাল লৈকাওম্লবা মাইথোং হায়কম থংদনা কৈ। শ্যাম

চংলক্লুবা শমিতাগী মতৌ ৱেংলগা লেপ্লে । ইবেম্মা তাবিবা পাও অসি অচুম্বরা ? তপা শমিতা মাই ৈলেথোরক্লে, কমথবিসি চৌকি অসিদা লেংশিনবিয়ু । কমথবগা শ্যাম্না যাম্না থংনিংবা উৎলগা হংই । মীতোপ অমা ইঙ্খিসিন্নার তথা ইবেম্মনা কমি-কতাদা থাগনি । তারক্লিবা অসি অচুম্বা য়াকম্না ? শামতা অচুম্বনি হায়বগুম্না শ্যামদা ৱেংলগা মোক্লম্মী । থোক্লুনা অসিদা করি অকাররা ৈলবগে ? শ্যাম খোঙ্গেল হৌনা চৈয়কই কায়গী কায়ব্রোই । তাওচংনদুনা ৈলবা নিপা অমা কারগা । ইবেম্মনা মতম পুম্নমক্তা থুমিৎ চূপ্পা লোক থেন্দুনা ল্লেনথোকই । মীনা ইবেম্মবু করি তাংবৈ থংলক্লোই । মতনামগী মথক্তা ইঙ্খিনব্বার তপ্পা থাগদৌরি । মসিনা ইবেম্মগী তুংগী পুক্লিদা করি তোংঙগনি । মিৎ শুক্লুনা শমিতানা থুমই । তোংঙবা তোঙদবা হায়বা অদুসি ঐগী অনিংবনি । শ্যাম মিৎ লংথোক্লুনা অনিংবনি হায়বা ইবেম্মা থম্বিব্রে । ইবেম্মগী ইথক্তা নপাবুং অমদি মমাইবেম্মা ৈলরি । নপাবুংগী মা তাদনা ইবেম্মনা কুশি তৌবা য়াম্না চুমদবনি । শমিতা থক্তগা ঐহাক থংই পাবুংনা করি হায়বকপা, ইমাসিনা করি থনগনি । পুম্নমক অসি থম্লবন্তু য়াকম অসি তঙাই ফদবা লেপ্লে । শ্যাম খোঙ্গেল লুম্না ঐহোম্দা থংহন্দুনা তাম্নরম্বা চুমব্রা ? তুংদা পাবুংগী মিংচৎ থিরক্লনি । নপাবুংগী অরমদা থরা থনক্লকথোকই শাউবা উক্লুনা শমিতা লাওনা হায়রক্লে । শ্যাম মসিদা মাইট শিঙ্খিন্নদবনা অকপা ওইগনি । শ্যাম লোন্দবা উৎলগা চুমই ইবেম্মা যুমগী মবেম্মনি । ঐহাক্না অহৈবা মীনাইনি, ঐগী

ইমা পোকখ খোক্লে। তুংগী থরা থবথনা চুংগনি। কি ক্রুং কনলম্লগা শাউন শ্যাম কাদগী খোকয়ে। শমিত্তা মাই লুকথছনা বাখল তৌই, লাইরিক মরেক মথা ইথয়ে। পাইরম্বা কলম মখুৎ লৈশিন লৈশিন্না। অমা হনা গোবিন্দ তানবা কৌরম্মী। "লাকচরে ইচেম্ম।" খোঙেলগী মমাং থারগা গোবিন্দ চংলকই। ইচেম্মা করি হায়গদবা লৈবগে? কলম থম্লগা শমিত্তানা হাব-বকই। শঙ্কোম নত্রগা কফি গিলাস অমা থোরানিদ। শেম্লরুবা হায়রু। হায়জগে ইচেম্মা থুমলগা গোবিন্দ খোকথি। তরাংদা মিৎ থম্লগা শমিত্তা মঙন মঙন থনবা হৌরক্লে। শরত ইঞ্জি-নিয়ার ওইনবা হেৎনগনি। মসিদা পাবুং অমদি ইমাসিনা হংলক্লগা করি থুম্বা। ওইরকপা য়াবা হৌথ্রবা শরতকী চম্লবা পুক্স। মহাক্লা ইঞ্জিনিয়ার তম্বা লোইরগা খোরক্লবা। মতম অক্তুদা ঐবু কাউখোপিগক্লা? মহাকী বিনোনা করা রাজরম্বা তাংলম শক্লথশিং। অয়োহবা ব। হায়রম্বা মুমিত্তা মহাকী পুক্স ঐচেৎন্দা শিন্নরম্মী। লৈখা তারকপা মুপীওইবগী শক্তি মথা পোক্ল। ঐহাক্লা মঙোন্দগী লাপথোক্লা লৈরবা, ঐ শরতকী মরমদা থল্লবে ই। মসিনা ঐগী পুক্সদা শান্তি কংলমগনি। ওইথোক্তবনি মঙোন্দগী লাপথোকপা ঙম্লোই। থমোই চিংবগী কনলবা শক্তিদগী নাম্বোক্তুনা চৎপা ঙমম্লোই। বিদ্রোহী মবিং থুংলবা ঐহাক্লা মৌগী শক্লোন লৌরম্মী। মুমিত্তুদা ঐহাক্লা শরত তশেংনা মুংশি। মুংশিবগী থৌরানা ঐগী খোঙ থুৎ পুনবা হৌরকথি। মুংশি মদি তাব্রবা মরুভুমীগী লৈতোই শেঙা মথক্তা।

থমোই পাম্রবা লৈপাক্না শাবা মুক্তিগী পাথক ওইবা। মহাক থোং যৌরিবা ঐগী থমোইদুংদা লাৎচরকই। হায়রৈ যৌবনগী অপাম্ব থুংশি, থুংশিবগী থুংঙাইবা রাগী করা। শরতকী নৈরিদা ঐনা নৈরানবা ওইরি। অতুম্বা মংলান্দা যতম করা কুইনা মংলাক্লিখিনি। থংদে থুংশি ইথোলাংবা লাইবক থিবি ওইথিবা। "ইচেম্মা কফি লৈরে" গোবিন্দ চংলক্ত‌্না কফি থম্রে। শমিত-গী বাখলগী মংলম্বা বং কায়খ্রে। টেবিল মথক্তগী কফি লৌহনা থক্লম্মী।

(২০)

শরত ইঞ্জিনিয়ার ওম্বা কলিকতা তাম্না চংলি। চংকদবা নুমিত্তা শমিতা মমাংগী নুমিৎকুম্মা উত্রে। মমল য়াম্বা কি শেত্‌না অলোঝোম তাম্না খিদোকপা য়াওরম্মী। এরোপ্লেন কৈরাক কাখৎপা হৌবা অহুমক্তদা। মাই লৈথোরক্ত‌্না থুং হায়রক্লে। মিংকি পিগা লোইনবা শমিতা থুং হায়রোই। মিনিত থরগী মতুংদা এরোপ্লেন চেনবা হৌরক্লে। চেনলিবা এরোপ্লেনদগী শমিতা মিৎ লৈথোক্রমদে। এরোপ্লেন থোঙজেন কনখৎলক্ত‌্না পাইখি। মোনলবা মিৎতা করথবগা গোপালনা ওম্বা বংনা কার স্টাং তৌরকই। থুংশিংকী মমাং থাহুনা কার থোর্ক্রে, শমিতা য়ুম লৌখি। শরত ইঞ্জিনিয়ার ওম্বা কলিকতাদা চংখ্রে। থুমিং


কয়া হৌখিহ্রবা থা কারক্লম্মী। থাগদবা শেনকম, কেয়া লুপা শরচকী য়াওবা শমিতানা থাই। মপাবুং বিরেন্দ্রো অমদি মমা-ইবেম্মা সোরো মবদ্বিপুগী থোরক্লে। মপাবুং থোরক্লে তাবদা মোধু মচানুপী লৌবা লাকখি। ইমুংদগী বিরেন্দ্রো থোরকনা মোধু ওকই। মতম লৌকমগী মরমদা শুগাইনা য়ায়াবা শাহনা বিরেন্দ্রো তাহনখি। শমিতাগী হৈংশিংবা থাগত্তুনা য়াবা শাই। মচানুপী শুনি লৌবা লাক্লিবনি। হায়রগা মোধুনা য়া লোইশিনখি। মরুপ ওইবগী থোগনলোন থোত্তার কায়দনা। চা থকপগী থৌরম পাংথোক্তুনা মোধুগা কায়নবা তাখ্রে। বিরেন্দ্রোনা পাম্বদি মোধু মু মং থয়া য়ুমদা লৈহনা। পুন্সিগী অবা মুত্তাই য়াবা শানিংবনি। মোধু লৈনিংলমদে, মীয়োন লৈতবা পনলহ্নবা। মাপ তৌবিনবা বিরেন্দ্রোদা থুং লোয়খি। শমিতা, শুনি মতা অনি নোক্লা নোক্লা বিদাই পীরৈ। শুনিনা চংলমদাইদা শমিতা য়েংলগা হায়রম্মী। ইতা ইবেম্মা নঙগী থৌরাং অঙপখি। নশাগী পুন্সি অতোপ্পা কনাগুম্বগী য়াইফনবা কংথোকপা সমাজ অসিদা অতাং-বনি। মীনোক চাওরবা সমাজদা বদনাম থোঙনেৎনবা অঙকপা নত্তে। ইতাগুম্বী মুপীজা তাক্লা ওইরমবদি। মৈতৈ লৈপাক্লা মৈদোংতৈদা লৈথা তারম্লোই। মিপাগী নিংবা কায়বা মীতোপুসন মরেং তায়কনি। কনাগুম্বগী লুন্সি কময়া হোৎনবা ইতগুম্বী মুপীমচা তাংলে। বিদাই তৌরক্লে, শমিতা মাঙ্গোন্দা লেপ্তুনা শুনি থোকখিবা য়েংহৌই। থোঙ্গানলোমদা মপাবুং মোধুগা তপ্পা তপ্পা থোকমিয়খি। শুনি চংখ্রে, মুমিত্তুদগী শমিতাগী

যুমদা অমুক হল্লা উখিল্লে। বিরেন্দ্রো যুমদা লৈরবা মতুং মতম খরদি। ইমুংগী মীওই অমতনা শমত ইঞ্জিনিয়ার তম্বা থাখিবা থংহনজমদে। মৈবু কিনা কুপ্তুনা কয়া কুইনা থম্বা য়াগনি। য়াকম থুদিংমক বিরেন্দ্রোগী নাকোংড হৌরক্লে। মুমি-জাংবি মীওই থুদিংমক্কা চা থকপা লোইজনা মাগী য়াগী কাংদা তুম্বা চংবখি। শ্যাম লৈথহোৎনা বিরেন্দ্রোগী কা ভাম্না চংলকই। অরাম চৌকি অমদা ভোথরগা বিরেন্দ্রো কম্লম্মী। চৌকি অমা লৌতুনা কম্লবা শ্যামদা হাবরক্লে। শ্যাম চংশিনলক্কনা থংনবা, চৌকি অমদা ফংদৈথ। ফমথবগা বিরেন্দ্রোনা হা হংবা হৌরকই। মুপীমচাগী পরিক্ষা কয়দৌখিবগে? লাইব্রিকতা অকায়বা লৈতে-দনা। থোইনা খনলুদনা শ্যাম্না তপ্না থম্লক্লে। সনখ্বা ইবেম্মগী লাইরিকতা অকায়বা থোইদে ক্না লৈখিদে। স্কুলগী পরিক্ষা মার্ক কায়না পাস তৌই। মেট্রিক পরিক্ষাদা য়াম্না নিংথিনা পীখি। নবাইগী তাংলবা চিবাইদা থুং পম্লগা বিরেন্দ্রো নোক্লম্মী। মুপী-মচাগী লাইরিক্কী বাকম ভাবা মুংভাই। ঐগী মীওই থুদিংমক্কা মথৌ কায়দনা পুক্নিংগী দমক্কা থাগৎনি। হায়রগা বিরেন্দ্রো মাই লৈশিনলকই। ঐহাক্না থংনিংবা করম লৈ। নহা ওইরিবা পাথং অমা কলিকতাদা ইঞ্জিনিয়ার তম্নবা মুপীমচানা থাখিব্রা? শ্যাম হুমাং কাংই, মাই লুকথদনা থম্লকই। সনখ্বা তাকশিন্নবা অতুমক অচুম্বনি। ইবেম্মা অনিংবা অমগী মতুং ইনদ্রে ঐথোয়গী না তাখিদ্রে। "করে করে" বিরেন্দ্রোনা ময়ক থত্তুনা হায়রকই। ঐহাক্না যুমদা হেক থুংলবগা তমজিবা করিগীনো? পাথংগী

মমি শ্যামগী মাইদা ভাই। তপ্না শ্যাম্না থুমই, ইবেম্মা চৈ থাংবিগত্রা থম্লুনা। ঐশোৱ থুদিংমক্তা সমগ্রাদা তপ্না চুমজখিদে। বিরেন্দ্রো ওক্না য়েংই মিৎয়েং থোংথরকুনা। মহা ওইরিবা পাথং অমা ইনৌ য়োনা লৌরম্লে। মহাক্তা থবক্তা কমদোই ? পুকচেল শেংবা নিপামচানি শ্যাম্না থুম্লক্লে। ইবেম্মা পরিক্ষা মকশিনলক্লবদা অকিস মমুংগী থবক পুরবা লৈত্রমদা লৌখি। য়োনা মী হাপ্তুনা থবক পুরম্না কাত্তবা ওইরোই। য়াম্না কৈ থুম্লগা বিরেন্দ্রো ফক্লাং ঘড়ি য়েংলুই। পুং ১০ তাশিনলক্লে ভুম্নবা তৌরো। ভুবিন কমলম্লগা লৌগত্তুনা শ্যাম থোকখি। বিরেন্দ্রো মিৎ উই-শিন্দুনা বাথল তৌরম্লগা কমুং চংখি। মশক মশিং হাম্না থংবা মীশক থোকপনা। সোরো বাথল থনবগী মচাক পোক্লমদে। ইচান্নুপীগী অমিংবনি মীগী মচাগী মরান ওইরম্লোই। অপুম্না থনদোকপা ওমই, মপাবুং বিরেন্দ্রো নোংমত্তা শরুক্তী মরমদা পন্দে। শমিতাগী পোইরৈ য়েংলগা লৈবা তারক্লে। থাগী শেন থাবগী মতাং মকশিনলকখি। মপাবুং অমদি মমাইবেম্মা থংবগী মওং উত্তে। মপাবুং বিরেন্দ্রোদা হৌদোকপা শমিতানা ওম্নমদে। কুপ্না থম্লগা মমাইবেম্মদা হৌদোক্লগে হায়না চপ য়ুংনা থনখ্রে। মমাইবেম্মগী কাদা শমিতা চংলকই। কতা থিন্দুনা মোজা লোন-ত্নিবা সোরোদা য়েংলগা লেপ্লে। শমিতা লেপ্না উবমক্তদা মমা-ইবেম্মা সোরো নোক্লম্মী। মোজা অসি পিক্তত্ৰনে শমিতা মওম্ন য়েংও। ভাংলম্লগা সোরো খোঙ মোজা লোনবা লেপ্নি। থুং জম্লপা পিক্লোই ,মপান হাপ্লগা চাগনি। শমিতা কমথরকুনা ইমাসি

পাবুংদা বাকৎ অমত্তা হৌদোকপিয়ু। করিনোনে মওনা নপাবুংদা হায়রিংলিবা অদুবু ? নহাক্না হায়বা য়াত্রা ? খুৎথাং হায়নবা ঐতোন্দা অমুক তংলত্রবনু। শমিতা শাউনা মমাইবেম্মদা য়েংই। ঐনা হায়রদোরিবা পাবুংদা হৌদোকপা ঙম্মোই। করিনো ইচানা লুনা খল্লিবা ? মওগী হায়বদা নপাবুংনা য়াদবা লৈরোই। হায়রগা সোরো মোক্তা লোনবা হৌই। শামতু শেংঅবরা খুৎ থানবা ঙমদে চিন্দা শোল্লি। ইমাসি শামতু শেংদবা লাইরি ঐনা হায়গদৌরিবা অমুক্তা তাখো। শমিতা খুৎ থেক্কুনা হুমিৎ মশিং পারম্মী। কৌশনলকুমা ইমাসি অমদি পাবুংনা নবদ্বিগুগী থোরকপা। হোয়রে থা কারক্লে, মমাইবেম্মা নোক্লকই। ঐহাক্না হায়র্বাদনে বিনো থংইদনা। মবুংদো ইঞ্জিনিয়ার ওইরা কলিকত্তা চৎখি। থা খুদিংগী ঐনা শেন থাই। পাবুংদা থরা অমুক্তা হায়ম্ম্ রগবনি। মমাইবেম্মা সোরো ইশি শিনা নোকখ্রে। থাসি কৈদোংগে খুরই ইকায়না শমিতানা হংলক্লে। পাবুং থংহন্দবা য়াগত্রা ? তাদা গোপাল শেন থাও য়ারোইদৌরিবা। "হায়ম্হ্ ঙাউদনা" মমাইবেম্মা মরৌ লৈনা নোকহৌই। হয়াওহনা চোংলম্নগা শমিতা চেম্নখি হুমিত্তুদা শমিতাগী হয়াওবগী চাং ওনবা ঙমদে। বিরমস্রো অমদি সোয়ো চিক্কা ? তায়বম্মী। থাগী শেনকম কায়দনা থাখ্রে। ইমুংগী মীওই খুদিংমক্না শমিতাগীদমক্তা হয়াওই। গোপাল থবক লৈ-শিংনা পুবগীদমক্তা তলপ হাপকৎখি। লুপা ৫০ হাপ্তুনা তলপ লুপা ৪৫০ য়োখ্রে। থৌরানিরচিংবা ইমুংগী থবক তৌবাশিংগীদমক্তা ওইনা। থিপা, মুগী থায়দনা তলপ্ চাং

অমতলা হাসি । তদপ হাপ্পগী সুংডাইবা কোংদোকুনা ইদৈ শকই । হয়াওন্না বাম্নী শাটেং দলান মথক মথা লিনদ্রে । মিবেপ্রোগী অনিংবা মচুংইমা মীওই থুদিংলা থংবনলি । ইমিবিবার শাস তৌহনা শয়ত থোয়ক্লপা । শমিতা নুংহোংবগী থৌমাং চাওনা তৌবগনি । সুপীবা ওইবগী হোৎনবা শমিতা ইমুংগী মী-ওইশিংগী মমাংদা মাই উৎপা ওমদে । মমাইংবমা লোমো মমাংবিদা ইমিবিয়ারগী থাথদা লুপত্রে ।



লোইরবা